CHRI 2009

# অদোমগী খুংপায়

# রাইট টু ইনফোর্মেসন

## এক্ট ২০০৫

কম্মলৱেল্থ হুম্যেন রাইটস ইনিসিএটিভ
(সি অইচ আর আই )

সেন্টর ফোর ওর্গেনাইজেসন রিছার্চ এন্দ ইদুকেসন
(কোর)

কম্মনৱেলথ লৈবাকশিংদা মীওইবগী হকশিংবু থবক ওইনা পাংথোক্লবা হোৎনরিবা লুপ

www.humanrightsinitiative.org

CORE

অদোমগী খুংপায় রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট ২০০৫

CHRI 2009

# কম্মনৱেল্থ হ্যূমেন রাইট্স ইনিসিএটিভ

কম্মনৱেল্থ হ্যূমেন রাইট্স ইনিসিএটিভ (সি ঐচ আর আই) হায়বসি কম্মনৱেল্থ লৈবাকশিংদা মীওইবগী হকশিংবু শোইদনা থবক্তা ওন্থোক্নবা য়ানখ্রবা, মনীং-মখা তম্বা, অচৌ-পীশক খায়দবা, সরকারগী নত্তবা মালেমগী ওইবা লূপ অমনি। ইং ১৯৮৭তা তোঙান তোঙানবা কম্মনৱেল্থকী শীন্নাই লূপ (প্রোফেস্নেল এসোসিয়েসন) কয়ানা সি ঐচ আর আই লিংখৎখিবনি। মীওইবগী হকশিং য়োকখৎনবগীদমক থবক তৌমিন্নবা অমসুং মফম অমা ফংহনখিবদগী কম্মনৱেল্থনা মাগী লৈবাক খোঙবুশিংদা শরুক য়ামিন্নবা ৱায়েন পথাপকী পাদমশিং অমদি ভেল্যুশিংগী চবুন অমা পীদুনসু, কম্মনৱেল্থ মনুংদা মীওইবগী হকশিংগী ৱাফমদদি অদুক  য়াম্না মিৎয়েং থমখিদে।

সি ঐচ আর আইগী পান্দমদি য়ুনিভর্সেল দিক্লারেশন ওভ হ্যূমেন রাইট্স (মালেমগী মীওইবগী হকশিংগী লাউথোক-ৱা) কম্মনৱেল্থ  হরারে প্রিন্সিপল্স (হরারেদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থগী পান্দমশিং) অমদি অতৈ মালেমগী ওইনা শকখঙনরবা মীওইবগী হককী ঙাক্লৌশিংগা লোয়ন - লোয়ননা কম্মনৱেল্থ  লৈবাকশিংদা মীওইবগী হকশিংবু শৌগৎলিবা  লৈবাক মনুংগী ওইবা ঙাক্লৌশিংবু মরা চেৎশিনহন্নবা অমসুং পাক শন্না খঙহন্নবা হোৎনবনি।

মসিগী পান্দমশিং অমসুং মতম মতমগী ওইবা থিজিন-হুমজিল্লিবশিংগী মতেংনা সি ঐচ আর আইনা কম্মনৱেল্থ লৈবাকশিংদা মীওইবগী হকশিংদা খোঙহৌ থীন্থরক্লিবা অসি চাওখৎলক্নবা লেপ্তুনা মীৎয়েং চিংশিল্লি। মীওইবগী হকশিংবু শেরান্ননা শীজিন্নবা থিংনবা খূজিল-থৌরাংশিং অমদি লন্বীশিং পুথোক্নবা হোৎনবদা সি ঐচ আর আইনা কম্মনৱেল্থ সেক্রেটরিএটতা, খোঙবু ওইমিন্নরিবা সরকারশিংদা অমদি খূন্নাই লূপ অপূনবশিংদা ৱাফম কয়া থল্লি। মীয়াম্বু হিরমসিদা মহৈ-মশিং তাকপী-তম্বীবগী থৌরমশিংদা, থৌশিলগী খন্ন-নৈনবদা, চাংদম্নদুনা থিজিনবা, ৱাপাউ শন্দোকপা অমদি অমগা অমগা খূৎশম্নবগী খূথাংদা সি ঐচ আর আইগী খোঙজংদি মসিনা অকনবা মীৎয়েং থল্লিবা ৱাফমশিংদা মৈনা অমা ওইনা (কেটালিষ্ট) পাক শন্না মথৌ পাঙথোকপনি।

সি ঐচ আর আইনা দায়িত্ব পুরিবা লূপশিংগী* থবক থৌওংদি লৈবাক ফূরুপ (নেসনেল) অমা লৈরি  অমসুং মালেমগী থাক্তা খূৎশম্নরি হায়বা থাজবা ঙমহনবনি। মসিগী শিনফমশিংদা লৈরিবশিংনা মখোয় মশামক্কী থবক খূৎতৌদা মীওইবগী হকশিংগী মওং-মতৌশিংবু লৈঙাক পথাপ(লো) গী ওইনা চিংশিল্লগা সরকারগী পোরম-পোমীৎ নৈখাইবদা অমদি মীওইবগী হকশিংগী ঈ-পাউ, থাকশিং অমদি থবক লৌখৎলিবশিংবু মীয়ামদা খঙহন্নবা পান্বে লম্বেল অমা ওইনা মথৌ তৌই। কাঙবুশিং অসিনা মফম মফমদুগী জ্ঞান-লৌশিং পুথোরক্তুনা পোরম-পোমীৎ য়াৎলিবশিংবু থেংননবা, ৱাথোক-ৱাফমশিং (ইসু) উৎথোকপা ঙম্মী লোয়ননা মীওইবগী হকশিং য়োকখৎনবগী মতাংদা থবক তৌই।

সি ঐচ আর আই  হায়বসি ইন্দিয়াগী দেলিদা মপুং ওইনা লৈবনি অমসুং য়ু কেগী লন্দন অমদি ঘানাগী অক্করাদা মসিগী লোয়শঙশিং লৈরি।

**International Advisory Committee :** Sam Okudzeto - Chairperson. *Members* : Eunice Brookman-Amissah, Murray Burt, Jean Corston, Alison, Duxbury, Neville Linton, B.G. Verghese, Zohra Yusuf and Maja Daruwala.

**Executive Committee :** (India) B.G. Verghese - Chairperson *Members* : Anu Aga, B.K. Chandrashekar, Bhagwan Das, Nitin Desai, K.S. Dhillon, Harivansh, Sanjoy Hazarika, Poonam Muttreja, Ruma Pal, R.V. Pillai, Moolchand Sharma and Maja Daruwala - Director.

**Executive Committee :** (Ghana) Sam Okudzeto – Chairperson *Members* : Anna Bossman, B.G. Verghese abd Maja Daruwala - Director.

**Executive Committee** : (U.K.) Neville Linton - Chairperson *Members* : Austin Davis, Meenakshi Dhar, Derek Ingram, Claire Martin, Lindsay Ross and Elizabeth Smith.

* Commonwealth Journalists Association, Commonwealth Lawyers Association, Commonwealth Legal Education Association, Commonwealth Parliamentary Association, Commonwealth Press Union and Commonwealth Broadcasting Association. We are grateful Rashmi Jalota, Alison Ryan and Sohini Paul for all assistance provided.

Design & Layout by : JB Printers, B. T. Road Imphal.

ISBN : 81-88205-61-3

©CHRI, 2009

Material from the report may be used, duly acknowledging the source.

Commonwealth Human Rights Initiative

**CHRI Headquarters**
B-117, First Floor
Sarvodaya Enclave
New Delhi - 110017, INDIA
Tel : +91-112685-0523, 2686-4678
Fax : +91-1-2686-4688
E-mail : chriall@nda.vsnl.net.in

**CHRI London Office**
C/o. Institute of Commonwealth Studies
28, Russell Square
London WCIB 5DS, UK
Tel : +44-020-7-862-8857
Fax : +44-020-7-862-8820
E-mail : chri@sas.ac.uk

**CHRI Accra Office**
H. No. 9, Samora Machel Street Asylum Down
Opposite Beverly Hills Hotel,
Near Trust Towers,
Accra, GHANA
Tel/Fax : +00233-21271170
E-mail : chriafr@africaonline.com.gh

Website : www.humanrightsinitiative.org

# অদোমগী খুৎপায়

# রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট - ২০০৫

*অইবা :*

**মন্দাকিনি দেভাশর**

*কন্ট্রিব্যুটর :*

**চার্মাইনে রোড্রিগিজ**

*ইডিটর :*

**ভেনকাতেশ নায়ক**

*ইংরাজিদগী মণিপুরীদা হন্দোকচবা :*

**ৱাহেংবম জয়কুমার**

কম্মলৱেল্থ হ্যুম্যেন রাইটস ইনিসিএটিভ
(সি অইচ আর আই )

সেন্টর ফোর ওর্গেনাইজেসন রিছার্চ এন্দ ইদুকেসন
(কোর)

মার্চ্চ ২০০৯

# সেন্টর ফোর ওর্গেনাইজসন রিছার্চ এন্দ ইদুকেসন (কোর)

অৱাং নোংপোক ভারততা য়েলহৌমীশিংগী “মীওইবগী হক” অমসুং “পোলিষী শেম্নবা” সেন্তর ওইরিবা ওর্গেনাইজেসন; ইউনাইটেড নেসনগী ECOSOC দা স্পেস্যাল কনশলটেটিব ষ্টেতস ওইরবা লুপ।

কোরগী ৱাফোং :

ইজাতীগী তুংগী ফিরেপ হক লৈনা শেমজনবদা,
মীওইবগী হকপু ইকায় খুম্ননা শক খঙমিন্ননবদা,
মীওইবা অমা ওইনা ইজাতীগী পুক্কে-লনগৈগী মপু ওইনবা,
ইপা-ইপুশিংগী লিরবা লিকলমবু ইকাই-খুম্ননা ঙাক্লনবদা,
মীওইবা পূম্নমক খুয়া তুশিৎনা হিংমিন্ননবদা
কোরনা ভারতকী অৱাং-নোংপোক লমদমগী য়েলহৌমীশিংগা
খুৎশম্ননা থবক তৌমিন্নরি।

ৱাফমশিংসি মওং তানা পাংথোক্লবা মখাগী মীওই উন্নবিয়ু :-


Centre For Organisation Research & Education
**EXECUTIVE DIRECTOR/COORDINATOR**
Post Box - 99
Ibotombi Building Opp. 1st M.R. Ground Imphal - 795001
Manipur, India
Tel/Fax : +91 385 2441319
Email : coordinator@coresource.info
Website : www.coremanipur.org.

# য়াওফম তাকপা


| | | | লমাই |
|---|---|---|---|
| ৱাহৌদোক | | | ১ |
| ১শুবা শরুক | : | ঈ-পাওগী হক হায়বসি করিনো ? | ৩ |
| ২শুবা শরুক | : | ঈ-পাও তান্নবা হক্কী এক্টনা করম্না ঐঙোন্দা করি কান্নগদগে ? | ৫ |
| ৩শুবা শরুক | : | ঐহাক্না কনাদগী ঈ-পাও ফংগদগে ? | ৮ |
| | | করম করন্বা লোইশঙশিং (বোদি)শিংবু কোনশিনবগে ? | ৮ |
| | | ঈ-পাও পাইরিবা লোইশঙ অমগী মনুংদা ঐহাক্না কনাদা হায়জগদগে ? | ৯ |
| ৪শুবা শরুক | : | ঐহাক্না করি-করন্বা ঈ-পাও তানবা ঙম্বগে ? | ১২ |
| | | করম-করন্বা ঈ-পাওশিং লৌথোক-লৌশিন য়াবগে ? | ১২ |
| | | লৌথোক-লৌশিন য়াদবা করিগুম্বা ঈ-পাও লৈব্রা ? | ১৪ |
| ৫শুবা শরুক | : | করন্বা ঈ-পাওবু সরকারনা মশানা হৈনিংনা ফোংদোক্কদগে ? | ১৬ |
| | | লৈঙাক-থৌশিলদা শরুক য়াহনবদা অমদি অশোয়-অঙাম য়েংশিনবদা কান্নবা ঈ-পাও : | ১৬ |
| | | অচুম্বা ৱারেপ লৌবদা পুক্লিং থৌগৎপা ঈ-পাও : | ১৮ |
| ৬শুবা শরুক | : | ঐহাক্না ঈ-পাও ফংনবা করম্না হায়জগদগে ? | ২০ |
| | | ১বা খোংথাং : ঈ-পাও অদু পাইরিবা পব্লিক অথোরিটি ওইরিবা অদু মশক খঙদোকপা। | ২০ |
| | | ২শুবা খোংথাং : পব্লিক্ট অথোরিটিশিংগী মনুংদা নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু কনাদা পীশিনগদগে খঙদোকপা । | ২১ |
| | | ৩শুবা খোংথাং : অশেংবা পাদম লাকপা হায়জ-চেরোল অমা ইবা | ২১ |
| | | ৪শুবা খোংথাং : নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু পীশিনবা | ২২ |
| | | ৫শুবা খোংথাং : ৱারেপ অমা লৌরকপা ঙাইশি | ২৬ |
| | | অহানবা ফ্লো চার্ট :- হায়জ-চেরোলগী খোংথাং পরিং | ২৭ |

| | | | |
|---|---|---|---|
| ৭শুবা শরুক | : | ঐহাক্কী হায়জ-চেরোলদা ৱারেপ অমা কমদৌনা লৌরকপগে ? | ২৮ |
| | | ঐহাক্কী হায়জ-চেরোল  অদু পি আই ওনা অয়াবা পীরগদি কমদৌবা ? | ২৯ |
| | | ঐহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু পি আই ও অদুনা য়াদে হায়না লংথোরক্লবদি কমদৌবা | ৩১ |
| ৮শুবা শরুক | : | ঐহাক্না পীবিনবা হায়জখিবা ঈ-পাও অদু ফংদ্রবদি কমদৌবা ? | ৩৩ |
| | | পাংথোকপা য়াবা অহানবা লম্বেল (ওপসন) : আপিল (অমুক হন্না হায়জবা) | ৩৪ |
| | | পাংথোকপা য়াবা অনিশুবা লম্বেল : ৱাকৎ অমত্তং পীশিনবা | ৪১ |
| | | পাংথোকপা য়াবা অহুমশুবা লম্বেল : ৱায়েলশঙদা ৱাকৎপা | ৪৩ |
| | | অনিশুবা ফ্লো চার্ট : আপিল  তৌনবগী খোংথাং | ৪৪ |
| ৯শুবা শরুক | : | ঈ -পাওগী হক অসি চাওখৎহন্নবাঐনা করম্না তেংবাংবা ঙম্বগে ? | ৪৫ |
| চেহাপশিং | : | ১নবা চেহাপ : আর টি আই এক্ট অসিগী মণিপুরী লোন্দা ৱাহন্থোক | ৫৫ |
| | | ২শুবা চেহাপ : মণিপুরগী এস পি আই ও ১সুং এস এ পি আই ওশিংগী মমিং পরেং | ৮৪ |
| | | ৩শুবা চেহাপ : ঈ-পাও লৌবগী শেঞ্জংগী নিয়ম (ফি রুলস - কম্পরেটিভ টেবল) | ৯১ |
| | | ৪শুবা চেহাপ : আপিল তৌবগী নিয়ম (আপিল রুলস) | ১০২ |
| | | ৫শুবা চেহাপ : ভারতকী তোঙান-তোঙানবা ইনফোর্মেসন কম্মিসনশিংগী লৈফম (কন্টেক্ট এদ্রেস) | ১০৩ |
| | | ৬শুবা চেহাপ : তেংবাং লুপশিংগী মমিং অমসুং পাও ফাওনফম (রিসোর্স এন্দ লিঙ্ক) | ১০৭ |

# অদোমগী খুৎপায়

# রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট - ২০০৫

CHRI is grateful to Sir Dorabji Tata Trust for supporting
its Access to Information Programme

*ইংরাজিদগী মণিপুরীদা হন্দোকচবা :*

**ৰাহেংবম জয়কুমার**

# ঈ-পাওগী হক
## মীয়ামদা শক্তি অমুক হন্না শিন্নবা

**গুজারাটতা অঙাংশিংবু লেম্না মহৈ-মশিং তমহনবা**[১]

গুজারাটকী পঞ্চমহল দিষ্ট্রিকতা লৈবা কালোল টালুকাদা লনাই মীওই কাংবু (প্রাইভেৎ ট্রষ্ট) অমনা চলাইবা স্কুল অমদা মহৈ তমজরিবা মহৈরোইশিংবু মখোয়গী ওজাশিংনা নম্ফুদা পৈশা থিহল্লমই, তশেংনমক্কীদি স্কুল অদু গুজারাট সরকারগী শেলগী তেংবাং ফংলিবনি অমসুং মদুদা মহৈরোইশিংদগী পৈশা লৌখৎনিংঙাই মরম অমত্তা লৈতে। কালোল টালুকাদা লৈবা অস্লমভাই কৌবা মীওই অমনা আর টি আই এক্ট শিজিন্নরগা স্কুল অদুনা অসুম্না পৈশা খোমগৎপা য়াই হায়বগী সরকারগী য়াথং নত্রগা খঙহন-চেরোলশিংগী কোপিশিং পীনবা স্কুলদুগী প্রিন্সিপালদা হংখি। আর টি আইগী হায়জ-চেরোল অদুগী পাওখুমদা, ত্রষ্ট অদুনা মশাগী মরন্নাই খরচ তিংলগা হৌগৎখিবা কম্পুটর ক্লাসশিংগী নত্তনা স্কুল অদুনা করিগুম্বা মখলগী ফি শেঞ্জং অমত্তা লৌখৎনবগী করিগুমবা অথোরিটি অমত্তা লৈতে হায়বসি প্রিন্সিপাল অদুনা অইবা ওইনা পীরকপা পাওখুমদা মশানা য়াজখি। ঙসিদি স্কুল অসিগী মহৈরোইশিং য়াম্না হরাওজরে, মরমদি মখোয়দা ওজাশিংনা মখা তানা ফি অমত্তা পীনবা হায়রক্তে।

**ৱেষ্ট বেঙ্গলদা এম পিশিংনা পাক্তক্লনা সরকারগী ফন্দ লান্না শিজিন্নরম্বা ফোংদোরকপা**[২]

মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (এম পি)শিংনা মীরৈবাক্তা চৎপা খোংচৎশিংদা শেলফম কয়া য়াম্না শিজিন্নখিবগে হায়বগী ঈ-পাও ৱেষ্ট বেঙ্গল সরকারদগী খঙনবা ভারর্তিয়া জনটা পাটিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট মিষ্টর টাথঙ্গাটা রোইনা আর টি আইগী হায়জ-চেরোল অমদা হংখি। মহাক্না হায়জরক্লিবা অদুগী পাওখুমদা, ষ্টেটকী ফন্দদগী শেলফম কয়ামরুম হায়রিবা খোংচৎশিং অদুদা থাদখ্রে হায়না ফোংদোরকখি। খুদম ওইনা, ইং কুমজা ১৯৮৭তগী ২০০০ ফাওবদা মফমদুগী চিফ মিনিষ্টরনা মীরৈবাক্তা চৎপদা রাজ্য সরকারনা লুপা ১৮,২৫,৬০০ চাদিং তৌখি অমসুং ইং কুমজা ২০০১দগী ২০০৫গী মনুংদা চিফ মিনিষ্টরনা মীরৈবাকশিংদা চৎপা খোংচৎশিংদা রাজ্য সরকারনা লুপা ৪,৬০,৭২২ চাদিং তৌখি। মীখলদা কারক্লবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা মীয়ামগী শেনবুন (পব্লিক ফন্দ)দগী মখোয়না চাদিং তৌখিবগী মওং-মতৌ ফাগৎপদা আর টি আই এক্ট অসি শক্তি লৈরবা খুৎলাই অমনি।

**সরকারগী লোইশঙদা হায়জবদা থওইদ্রবদি আর টি আই এক্ট**[৩] **:**

ইং কুমজা ২০০৭ কী সেপ্তেম্বর ৯দা ৱাংখৈ হিজম লৈরক, ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা ৱাহেংবম জয়কুমারনা পব্লিক হেলথ ইঞ্জিন্নিয়ারিং লোইশঙদা তোটি ঈশিং ফংহনবিনবা হায়জখি। হান্না মাংজৌননা নমথোল্লবা ফোর্ম অমদা অকুপ্পা ৱারোলশিং নিংথিনা মেনশিল্লগা চংগদবা চে-চাং পুম্বগা লোয়ননা থাজিনখি। হিরমসিগীদমক লোইশঙ অসিদা কয়ারক চৎলুবদা কনানসু থওইবিরকখিদে। মণিপুরদদি ৱানোমদনা করিগুম্বা থবক অমত্তা ওইদ্রে হায়নবা লৈ। তৌইগুম্বসুং ৱানোম্বগী মহুৎতা জয়কুমারনা আর টি আই এক্ট শিজিন্নদুনা মাগী ঈশিং ফংনবা চেরোল অদুগী খোঙ্গুল লিখি। অহানবদা মাই পাকখিদ্রবসু হৌখিবা ইং ২০০৮গী ফেব্রুৱারি তাং ২দা নিংথিনা শেন্লবা ৱাহং কয়া য়াওবা অনিশুবা হায়জ- চেরোল অমমুক আর টি আই এক্টগী মখাদা ষ্টেট পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার ওইরিবা পব্লিক হেলথ ইঞ্জিন্নিয়ারিং লোইশঙগী চিফ ইঞ্জিন্নিয়ারদা পীশিনখি। হিরমসিদা এস পি আই ওগী পাওখুমদা পেন্দবদগী মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা অমুক ৱাকৎখি। মমৈথংদা মে তাং ৯দা লোইশঙ অসিনা পীরকখিবা পাওখুম অমদা জয়কুমারগী য়ুমদা থুনা ঈশিং শন্বা য়ানবা হিজম লৈরক্কী পাইপ শেমজিল্লি হায়রকখি। অসুম্না মে তাং ১৫দা ঈশিং পাইপ শন্নখি। অদোম্না সরকারদা নত্রগা সরকারগী করিগুম্বা লোইশঙ অমদা চেরোল অমা লানখৎলুবদা করিসু থওইবিরক্তরবদি আর টি আই এক্ট কী মখাদা চেরোল অদু কমদৌখ্রে হায়না থিগৎপা য়াই।

---

[১] ভেনকাটেশ নায়ক ''ফ্রিইং অপ ইদুকেসন ফোর চিলড্রেন'' সি অইচ আর আইনা ফোংদোকখিদ্রিবা ৱারোল ।

[২] ষ্টেটমেন্ট পাওচেগী ষ্টাফ রিপোর্টরনা ইং কুমজা ২০০৬কী জানুৱারি ২৭ দা ''য়্যোটি ভাসুগী মীরৈবাক্কী খোংচৎ ১৪দা শুপ্নগী লুপা লাখ ১৮ লোম তিংখি'' হায়বা পাও ।

[৩] জয়কুমার ৱাহেংবমগী আর টি আই এক্সপরিন্সশিংদগী মাই পাকপ্নবা থৌদোক অমা ।

# ৰাহৌদোক

লৈঙাক-ৰায়েল থৌদাদা মীয়াম্না শরুক য়াবা হায়বসি গনতন্ত্র অমা মায় পাকহনবগী থৰায়নি। লৈবাক্কী মীকোকশিং ওইনা ঐখোয়না মীখল মতমদা শরুক য়াবখক্তা নত্তনা নুংতিগী থোক্লিবা পোরম-পোমীৎ য়াৎপা, ৰায়েল পথাপশিং অমদি য়াইফ-থৌরাংশিং শেম্নবগী ৰারেপ লৌবদা লোয়ননা কান্নবা থৌরাংশিং অমদি থবক-থৌরম কয়াবু থবক ওইনা পাঙথোরকপদা ঐখোয়না শরুক য়াবা মথৌ তাই। মীয়াম য়াওশিনবা হায়বসি লৈঙাক-ৰায়েল থৌদাদা মগুণ হাপকৎপগী মথক্তা সরকারগী মথৌ-মঙমশিংদা তরু-তরুবা অমদি শীংথানবা হেনগৎহল্লি। তৌইগুম্বসুং লৈঙাক-ৰায়েল থৌদাদা মীয়াম্না করম্না থাঙ্গেশেংনা শরুক য়াগদগে ? মতৌ করম্না ৰারেপ কয়া লৌখ্রবগে হায়বসি মীয়াম্না করম্না খঙগদগে ? মতৌ করম্না কদায়দা খাজনাগী শেনফমশিং চাদিং তৌবগে ? নৎত্রগা মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাংশিং নিয়ম চুম্না লৌখৎলিব্রা নৎত্রগা সরকার অসিনা কয়াম পূকচেল শেংনা থবক তৌরিবগে অমসুং ৰারেপশিং লৌরকপদা কয়াম চুম্না পাঙথোকপগে হায়বসি মীচম মীয়াম্না কমদৌনা থিদোক্কদগে? মখোয়না ফজনা থবক তৌরি হায়রগদি সরকারগী থৌমীশিং অসি করম্না মীয়ামগী পাওখোল্লোই ওইহনগদগে ?

মীয়ামগী শেল চাদিং তৌরিবা নৎত্রগা মীয়ামগীদমক মথৌ তৌরিবা সরকারগী লোইশঙশিংদগী ঈ-পাউ লৌথোক-লৌশিন য়াবগী হক পীরবদি, মপু মীয়াম্না লৈঙাকপদা শরুক য়ারি হায়বগী খুদম অমনি। ইং কুমজা ২০০৫ মে থাদা রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট (আর টি আই এক্ট) শেমখিবগী খুদুং ইন্না ভারত পূম্বগী মীকোকশিংনা হৌজিক্তি ঈ-পাও লৌথোক-লৌশিন য়াবগী হক লৈরে। আর টি আই এক্টনা শকখঙলিবদি ভারতকুম্বা মীয়ামগী লৈঙাক চৎনবা লমদা সরকারদা লৈরিবা ঈ-পাও পূম্বা পোলোইদদি মীয়ামগীনি। মীয়ামদা মরীক চুম্বা ঈ-পাউ ফংহনবা হায়বসি চুম্না মথৌ তৌরিবা সরকার অমগী অচম্বা মথৌদাংগী শরুক অমনি, মরমদি সরকারগী ফম্নাইবশিংনা মীয়ামগী শেলনা করি তৌরিবগে অমদি মীয়ামগী মিংদা কৈদৌরিবগে হায়বসি খঙনবা মীয়ামগী হক অমা লৈ।

সরকারনা মীকোকশিং (সিটিজেন)গা লোয়ননা ঈ-পাও খঙমিন্নবনা মীয়ামগী লৈঙাক্কী মথৌ-মঙমশিং পাঙথোকপদা ফগৎহল্লি অমদি কান্নবা পী হায়বসি আর টি আই এক্টনা শকখঙই। অরোনবা হায়বসি অরিবা মতমগী পোৎ অমা ওইরক্লবনি, আর টি আই এক্টকী মখাদদি মীখলদা খনখ্রবা মীয়ামগী মীহুৎশিং হায়বদি এম পিশিং অমসুং এম এল এশিংনা সরকারদগী ঈ-পাও লৌবা য়াবগুম্না হৌজিক কনাগুম্বা মীকোক অমদশু ঈ-পাউ পীদবা য়াদ্রে। অনৌবা ৰায়েল পথাপ অসিনা কেন্দ্রদা লিংলিবা সরকারগী পব্লিক অথোরিটিশিং কোনশিনবতা নত্তনা ষ্টেট[4], দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্তা অমদি লম-লমগী লৈঙাক চূপ্পি পায়রিবা লূপশিংদসু চৎনহল্লে। মসিগী ৰাহন্থোক্তি ইন্দিয়া পূম্বদা লৈরিবা খুঙ্গং, পানা (দিষ্ট্রিক্ট), সহর মচা নৎত্রগা পাক চাউরবা সহর খূদিংমক্কী মীকোকশিংনা মীয়ামগী লৈঙাক-লূপশিংদা লৈরিবা ঈ-পাওশিং তানবা ঙম্লে।

ঙসি ফাওবদা ভারত্তা সরকার পূম্বগী লূপশিংনা মথৌ-মঙম পাঙথোকপদা অরোনবা থম্বা হায়বসি মচৎ অমা ওইরি, অদুবু আর টি আই এক্টকী মতেংনা লীক্লম অসি হোংদোকপা হৌরক্লে। ওফিশিয়েলস সেক্রেট এক্ট, ১৯২৩ (লোয়শঙগী অরোন-অথুপ ঙাক্লবা এক্ট ১৯২৩)গী মতুংইন্না ঈ-পাউ পীথোকপা হায়বসি চৈরাক ফংনিংঙাই মরাল অমা ওইরবসু, হৌজিক আর টি আই এক্টনা সরকার মনুংদা অরোন-অথুপ লৈহন্দনবা হোৎনরি। সরকারনা পায়শিল্লিবা ঈ-পাউ মীয়াম্না শীজিন্নবা পীথোরকপসি য়াম্না তাঙনা থোকই, মসি মহৌশানা পব্লিক অথোরিটি ওইরিবশিংগী মরক্তা কনাগুম্বা ফম্নাইবশিংদা খঙলাক-খংজিন ওইনা লাকপা ৰাখলদগী ওইগল্লি। তৌইগুম্বসুং আর টি আই এক্টনা হৌজিক্কী মীকোক পূম্বদা পীরিবা হক অসিদি মখোয়গী পুন্সিদা হকথেংনরিবা লৈঙাক-ৰায়েল থৌদা তৌরিবা (গর্ভনেন্স) অমদি চাওখৎ-থৌরাংগী ৰাফম কয়াগী মতাংদা ৰাহং হংবা অমসুং পাউখুম ফংনবা দাবী তৌবা য়ারে। ফম্নাইবশিংগীদমক্তদি মখোয়না কূপশিন্নবা হোৎনরিবা শেঞ্জা-থুমজাগী

[4] জম্মু এন্দ কাশ্মিরগীদি অখন্নবা লৈঙাক পথাপকী থাক অমা লৈবনা মসি চৎনরোই। জম্মু এন্দ কাশ্মির ষ্টেট অসিগী ওইনদি আর টি আই এক্ট ২০০৪ লৈজৈ। মসি হান্নগী ফ্রিদম ওফ ইনফোর্মেসন এক্ট ২০০২দা য়ুম্ফম ওইবনি। জম্মু ১সুং কাশ্মিরগী মীয়াম্না মখোয়গী রাজ্যগী এক্ট মখাদা রাজ্য সরকারদগী ঈ-পাও লৌবা ঙমই। অদুবু কেন্দ্র সরকারগা মরী লৈনবা ৰাফমদদি আর টি আই এক্ট ২০০৫ অদুমক শিজিন্নরগা কেন্দ্র সরকারদগী ঈ-পাও লৌবা য়াই।

থৌওংশিং অসি এক্ট অসিনা য়াম্না শাথীনা খোঙলৌ-পল্লৌবা ওইহল্লে । ঈ-পাউ লৌথোক-লৌশিন য়ারকপনা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোন, শেন্মীৎলোন অমদি খুন্নাই চাওখৎ-থৌরাংশিং অমুক হিংগৎহনবদা তেংবাংবতা নত্তনা পোরম-পোমিৎ য়াৎপদা লৈরিবা অশোনবশিং উৎথোকপদা মতেং ওইগনি।

## ঈ-পাউ ফংনবা হক্কীদমক চত্থরকখিবা ঈহৌ :

ইং কুমজা ১৯৯০গী অদুৱাইদগী মীয়ামগা খূৎশম্নরিবা লূপশিং অমদি খুন্নাই লূপ কাঙলুপ কয়ানা তেমবানগদবা (ইফেক্টিভ) মওংদা ঈ-পাউ ফংনবা লৈবাক্কী ওইবা ৱায়েল-পথাপ অমগীদমক ঈহৌ তৌরকখ্রে। অদুমকপু মদু ইং কুমজা ২০০২ খক্তদা কেন্দ্র সরকারনা মাঙলোমদা খোঙথাং অমা থাংজিল্লকখিবদগী অরোইবদদি ফ্রীদম ওভ ইনফোর্মেসন এক্ট, ২০০২ (এফ ও আই এক্ট) শেল্লকখি। লাইবক থীবদি, হায়রিবা এক্ট অসি কৈদৌঙৈদসু চৎনরকখিদে অমদি অনৌবা ৱায়েল পথাপ অসিগী মখাদা মীয়াম্না কৈদৌঙৈদসু মখোয়গী হক ফংবা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক ইং কুমজা ২০০৪ দদি মীখলদা নৌনা কারককখিবা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এল্লাইয়ন্স (য়ু পি এ) সরকারনা ঈ-পাও ফংনবগী হক অসি হেন্না "খূমাঙ চাওশিনবা, শরুক য়ামিন্নবা য়াবা অমসুং ৱাহন্থোক পীবা" ওইহনগনি হায়না ৱাশকখি। য়ু পি এ সরকারগী ৱাশক অদু য়েংশিন্নবা নেসনেল এদভাইজরি কাওন্সিল (এন এ সি) শেমগৎখি লোয়ননা নেসনেল কেম্পেন ফোর পীপল্স রাইট টু ইনফোর্মেসন (এন সি পি আর আই)দা মরুওইবা মীশকশিং য়াওহনখি।

এন সি পি আর আই, সি ঐচ আর আই অমসুং অতৈ খুন্নাই লূপ কাঙবুশিংনা পীশিন্নখিবা চেরোলশিংদা য়ূন্ফম ওইরগা ইং কুমজা ২০০৪গী আগষ্ট থাদা, এন এ সিনা এফ ও আই এক্টপু শেমদোক-শেমজিন তৌনবা পায়খৎপা য়াবা ৱারোলশিংগী চেবুল অমা সরকারদা পীশিনখি। এন এ সিগী পায়খৎপা য়াবা ৱারোলশিংদা অকনবা মীৎয়েং চিংশিল্লগা ইং কুমজা ২০০৪গী দিসেম্বর থাদা সরকারনা রাইট টু ইনফোর্মেসন বিল, ২০০৪ অসি পার্লিয়ামেন্টদা পুথোরকখি। ইং কুমজা ২০০৫ গী মে ১১দা অরোইবা ওইনা লোক সভানা বিল অসি অয়াবা পীখি অমদি ইং কুমজা ২০০৫ গী মে১২ দা রাজ্য সভাদসু মসি মায় পাক্লা পুথোকখি। ইং কুমজা ২০০৫গী জুন ১৫দা রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট ২০০৫বু প্রেসিদেন্টনা অয়াবা পীখি। লৈবাক পুম্নগী ওইবা চৎনরোল অমা লৈহন্নবা ঈ-পাউ লৌথোক-লৌশিন তৌনবগী কয়াৎশিং খরদি খূদক্তা চৎনবা হৌখ্রে। ইং কুমজা ২০০৫গী ওক্টোবর ১২দগী আর টি আই এক্ট অসি মপুং ফানা চৎনরকখ্রে।

আর টি আই এক্টপু চুম্না চৎনহন্নবা অমদি হেন্না ফবা সরকার অমা ওইহনলক্নবগী শোয়ফদ্রবা খ্বাইদগী অমত্তা ঙায়রবা পান্বেদি ঐখোয় পুম্নমক্না মসিবু য়াম্না তোয়না শীজিন্নবা অদুগা লোয়ননা মসি দায়িত্ব লৈনা অমসুং কান্নবা মওংদা হেন্না হেন্না শীজিন্নবনি। অসিগুম্বা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অসিগী পান্দমদা সি ঐচ আর আইনা য়ুজরস গাইদ (শীজিন্নরিবশিংগী খুৎপায়) অসি পুথোকচবনি। য়ুজরস গাইদসিদা নৈননবা থল্লিবা পান্দমশিংদি : -

(অ) এক্ট অসিনা কনা কনাবু কোনশিল্লিবগে ?

(আ) এক্ট অসিগী মখাদা করি করি ঈ-পাউ লৌথোকলৌশিন য়াবগে ?

(ই) মতৌ করম্না ঈ-পাউ লৌথোক-লৌশিন অসি থাঙ্গৈশেংনা তৌগদগে ?

(ঈ) পাল্লিবা ঈ-পাউ অদু মখোয়দা পীরক্তবদি মীয়াম্না করি তৌগদগে ? লোয়ন-লোয়ননা

(উ) এক্ট অসি ফজনা থবক্তা ওন্থোকপদা মীয়াম্না করম্না য়াওশিনবা লোইননা সরকারবু হেন্না অফবা অমদি দায়ত্ব লৈবা সরকার ওইহনগদগে ?

## অহানবা শরুক : ঈ-পাওগী হক হায়বসি করিনো ?

ঈ-পাও তানবগী হক হায়বসি মখাগী তোঙান-তোঙানবা হকশিং অমদি দায়ত্বশিং অসিনা ওইহল্লকপা তঙাইফদবা মীওইবগী হক অমনি; মদুদি :-

- সরকারগী অমসুং করিগুম্বা ফিভম খরদা - লনাই লুপশিংদগী ফাওবা মীপুম খুদিংমক্না ঈ-পাও পীনবা হায়জনবগী **হক** লৈ।
- অকক্লবা অথিংবা খরা নত্তনা সরকারগী **থৌদাংদি** পীয়ু হায়জরকপা ঈ-পাওশিং পীবনি।
- সরকারগী **থৌদাংদি** মীয়াম্না হায়জরক্ত্রগসু ময়ামদা কান্নগনি হায়না খনবা ঈ-পাওশিং পীবনি।

ভারত লৈঙাক পথাপতা ঈ-পাও ফংনবগী থোইদোক্না শক্তাক্তুনা পনদে, অদুবু মসি মীয়াম লৈঙাক্কী (ডেমোক্রেসি) মথৌ-মঙম পাংথোক্লবগীদমক তঙাই ফদবা মথৌ তাবা হক অমা ওইনা মতম কুইনদগী ভারতকী সুপ্রিম কোর্টনা শকখঙদুনা লাক্লি। থোইদোক্না ঈ-পাও ফংনবগী হক অসি ভারত লৈঙাক পথাপ (১৯শুবা তাংকক)না ঙাক্লৌ পীরিবা নিংতম্না ৱা ঙাংবা অমসুং হিংনবা হককী (২১শুবা তাংকক) শরুক অমা ওইনা সুপ্রিম কোর্টনা শকখঙলে[৫]।

ঈ-পাও লৌথোক-লৌশিন তৌনবগী হক অসিনা ফোংদোক্লিবা ৱাফমদি সরকারগী ঈ-পাও অসি পাইশিল্লিবা সরকারগী লুপ অদুগী নত্তে; সরকারগী ঈ-পাও হায়বসি ময়ামগীনি। অশেংবদি মতমসিগী কনাগুম্বা সরকার নত্রগা লোইশঙ অমত্তনা ঈ-পাওগী মপু ওইদে, হেন্দোক্না হায়রবদা, মীয়ামগী শেল তিংলগা মীয়ামগী মনাইশিং (পব্লিক সর্ভেন্ট)না ঈ-পাও পুথোকপনি, মসিদা মীয়ামগী শেনবুন্দগী শেল থিরি অমদি মসি মীয়ামগী কান্ননবগীদমক থমজিল্লিবনি। মসিগী ৱাহন্থোক্তি সরকারগী থবক খুৎতৌশিং, ৱারেপশিং, পোরম-পোমিৎশিং, ৱারেপ লৌনবগী থৌওংশিংগী মরমদা অমদি থৌদোক খরদদি লনাই লুপশিং নত্রগা মীওইশিংনা পাইশিল্লিবা ঈ-পাও ফাওবা অদোম্না লৌথোক-লৌশিন তৌনবগী হক লৈ।

---

[৫] জটিস কে কে মেথিউগী হকচিনবা ৱায়েন-ৱারোইশিন : বেন্নেৎ কোলমেন এন্দ কোং ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, এ আই আর ১৯৭৩ এস সি ৭৮৩; ষ্টেট ওফ য়ু পি ভর্সেস রাজ নারায়ন, এ আই আর ১৯৭৫ এস সি ৮৬৫, এস পি গুপ্তা ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, এ আই আর ১৯৮২ এস সি ১৪৯.; দি: কে: বাসু ভর্সেস ষ্টেট ওফ ৱেষ্ট বেঙ্গল (১৯৯৭) ১ এস সি সি ২১৬; ইন্দিয়ানে এক্সপ্রেস নিউজ পেপরস (বোম্বে) প্রাইভেট লিমিটেট ভর্সেস ইন্দিয়া (১৯৮৫)১ এস সি সি ৬৪১; অসিনচিংবা ।

ঈ-পাও ফংনবগী হক হায়বসি পনখৈ লৈতবা অরোইবা (এবসোলুট)দি নত্তে। ঈ-পাও অদু পীথোক্লবনা ঙাক-শেনগী মথৌ তাবা কাইফদ্রবা পোফমদা অমাং-অতা থোক্লকপা য়াবনা ঈ-পাও খরদি অদুম খাকচিন্দুনা থমজিনবা য়াই। খুদম ওইনা, লান মতমদা থাজিল্লিবা লান্মী তোঙ্গোলশিংগী ঈ-পাও নত্রগা লৈবাক্কী শেলমিৎলোন থৌশিলগী মতাংদা মখোয়না ফোংদোকত্রিঙৈ মাংজৌননা পীবা পাওতাকশিং হায়বা খুদমশিং অসিদা তঙাই ফদনা মিৎশিং-নাশিংনা শেন্নগদবা করিগুম্বা মতম অমা হৌখিদ্রিফাওবদি ঈ-পাও অদু হায়দোক্তবা হায়বসি ফম্নাইবশিংগীদি তৌদবা য়াদবনি। অদু ওইরবসু, মতম পুন্নমক্তা হংদুনা লৈরগদবা মরু ওইবা ৱাহং অমদি :- অসুম লোৎশিনবদগীদি ঈ-পাও অদু হায়দোকপনা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনিংঙাই ওইরোইদ্রা?

## অনিশুবা শরুক : ঈ-পাও তান্নবগী হককী এক্টনা করম্না ঐঙোন্দা করি কান্নগদগে ?

ভারতকী মীকোক অমা ওইরুবৈ, নহাক্কী ফংফম থোকপা সরকারনা তৌরিবা থবক-থনাশিং অমদি হকশিং অমসুং কান্নবা মচাকশিং অদু শোইদনা ফংনবা নশানা হোৎনবদা নহাক্না আর টি আই এক্ট শিজিন্নবা য়াই। তৌইগুম্বসুং আর টি আই এক্ট অসিমক্নদি হেক্তা অপান্বা খুদিংমক ফংগদবা নত্তে, মসিদি অহানবা খোংথাং অমনি। খুদম ওইনা নহাক্না আর টি আই এক্ট শিজিন্নরগা অনৌবা ইলেক্ট্রিক্কী নত্রগা থরুবা ঈশিং শন্বা ফংদবা য়াই; অদুমকপু মসিদা নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদুদা থবক লৌখৎনবগীদমক দায়ত্ব পুরিবা মীওই অদু কনানো খঙদোকপদা নঙোন্দা মতেং ওইনগনি। মতেং অসিনা নহাক্কী ৱাফমসিদা করি থবক য়াংশিল্লবগে, মরি লৈনরিবা সরকারগী লোইশঙ অদুগী চৎনবিগী মখাদা নহাক্না কয়াম থুনা ফংগদগে অমদি করি মরমগী মতম থেংথহল্লিবনো হায়বনচিংবশিং খঙদোকপা য়াই।

**মীয়ামগী থবক-ইনখাংশিংদা অরোন-অথুপ লৈহন্দবা মীয়াম মাংদা ৱাফংনবা (জান-শুনৱাই)[৬]**

ইং কুমজা ২০০২দা দিল্লিদা লৈবা পরিভর্তন কৌবা লনাই লুপ অমনা দিল্লি রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট ২০০১ শিজিন্নরগা দিল্লিগী নোংপোক থংবদা নৌনা খুন্দা-লৈতাহল্লকপা কোলোনি (লৈকাই) অনিখক পব্লিক্ট ৱার্ক্স (সরকারগী থবক)না শাবগী থিকাগী চে-চাংশিং ফংনবা হোৎনখি, অদুগা মখোয়না মদু শিজিন্নরগা পব্লিক ৱার্ক্স ৬৮গী মরমদা মীয়ামগী ওইবা হিসাব চপখৎপগী (সোসিএল ওদিট) থবক অমা পাইখৎলুবদা য়াম্না মীপাইনিংঙাই ওইবা ফল ফংখি। মীয়ামনা চপখৎপা অদুনা অচৌবা শেঙ্গা-থুমজা অমা ফোংদোরকখি। অয়াম্বা পব্লিক্ট ৱার্ক্সশিং অদু চেদা খক্তদা লৈরম্বা নত্তনা থাঙ্গৈশেংবদদি শারমদে। খুদম ওইনা থিকা ১০গী মখাদা, ইলেক্ট্রিক্না চল্লাইগদবা হেন্দ-পম্প ২৯ খিনফম থোকখি, অদুবু হেন্দ-পম্প ১৪খক খিল্লকখি হায়না মফমদুগী মীওইশিংনা ফোংদোরকখি। লন্বী নাকনগী খোংবানশিংদা অপুনবা হাপফম থোকপা ২৫৩গী শেল পীখিবগী মনুংদা য়োৎকী পান্বৈ ৩০ খক্তা হাপলমখি। লুপা ক্রোর ১.৩গী মমল ওইবা থবক ৬৮গী মথক্তা পারিভর্তননা থিজিনবদা লুপা লাখ ৭০গী মমল ওইগদবা পোৎলম-চৈরমশিং মাংখিবা থেংনখি।

ঈ-পাওশিং অসি লৈরবদা পরিভর্তননা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর, চিফ সেক্রেটরি, সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস) অমদি দিল্লি ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী কন্মিস্নার উন্নদুনা মরাল লৈবশিংবু চৈরাক পীনবা তকশিনখি। ইং কুমজা ২০০৪গী মেদা পরিভর্তননা থারকপা ৱাকৎ-চেরোল অমগী পাওখুমদা দিল্লি হায়কোর্টনা মরাল শিরক্লিবা শেঙ্গা-

---

[৬] পরিভর্তন কন্দক্ট ফাষ্ট অর্বান জান সুনৱাই : http/www.parivartan.com/jansunwais.asp# Parivartan %20 conducts %20 first % 20 Urban % 20 Jansunwai as on 20 March 2006.

থুমজাগী ৱাথোকশিং অদু থিগৎনবা দিল্লি পুলিসতা য়াথং তাউথখি। মসিগী মহয় ওইনা সীমাপুরি কোল্লুপকী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল্লরনা মফমদুদা সরকারনা পাইখৎলিবা মীয়ামগী শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পুন্নমক মপুং ফানা অরোন-অথুপ লৈতনবা য়েংশিনবদা পরিভর্তনদা শরুক য়াবিনবা হায়জরকখি। করিগুম্বা থবক-ইনখাং অমা হৌদ্রিবৈদা চংগদবা শেনবা-থুম্বা অমসুং য়েকথোক্লবা লাইশিং (স্কেটস)গী চে-চাংশিং পীখিনবা লোইননা থবক শুবা লোইরগা য়েংশিন-খোৎচিনবা য়াহন্নবা ইকজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়ারদা পাওতাক পীখি। কাউন্সিল্লর অদুনা থবক-ইনখাং অদুদা অরান-অহুই লৈবশিং পুথোক্লবা মীয়াম অমদি পরিভর্তনদা অয়াবা পীথোকখি অমসুং করিগুম্বা থবক খুৎশু অমগী পীফম থোকপা শেনফমশিং অদু মীয়াম্না থাঙ্গৎলকপা ৱায়েৎশিং লৈখাই তাদ্রি ফাওবা পীথোক্তনবসু খঙহনখি।

থৌদোক কয়াদা ঈ-পাও লৌথোক- লৌশিন তৌনবগী হক শিজিন্নবা হায়বসি মিত্রংগুম্না মথৌ তৌই; থা কয়া ফংহল্লক্রবা খুদোংচাবা কান্নবশিং চয়োল অমা ফাদবা মতমগী মনুংদা ফংহল্লক্তুনা অৱাবা কোকহল্লি, মওং চাদনা শেমখিবা লম্বীশিং নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা ফজনা শেমজিল্লি, থা কয়া চুপ্পা শেংদোকপিরদবা অমোৎ-অকাই পৈশিনফম নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক্তা লৌথোক্লে। লৈবাক্কী মীকোকশিংনা খঙনিংলিবা ৱাহংশিংগী পাওখুমশিং পীদবা য়ারোই হায়বসি খনবদা সরকারগী ফম্নাইবা কয়াগী পুক্লিংদা ৱায়েন পথাপ অসিবু কিবা ফাওনরক্লি। ঈ-পাও লৌথোক-লৌশিন তৌনবগী হক অসি হৈ-শিংনা শিজিন্নবগী পাম্বৈনা ৱাথোক কয়া শংদাইনবা য়াহল্লে। খুদম ওইনা

- রেসন কার্দ পাইরবা মীয়াম্না মখোয়গী ফংফম থোকপা চাকথুং ফংনবা অমসুং মখোয়গী মমিংদা লাকপা চাকথুংশিং শেরান্ননা নাথৈখিদনবা মরি লৈনবা লোইশঙ অমসুং দিলর/এজেন্টশিংদা লৈবা ষ্টোক অমসুং সেলস রেজিষ্টারশিং য়েংশিনবা য়াই।

- থাদরকপা শেনফমশিং চপ-চানা শিজিন্নরিব্রা হায়বসি খঙদোকপদা মমা-মপা ওইবশিংনা সরকারগী তেংবাং ফংবা মহৈ লোইশঙশিংদা পীথরক্লিবা শেনফমশিং অদুগী অকুপ্পা ৱারোলশিংগী ৱাহং হংবা ঙমই নত্রগা মিং চল্লিবশিং অদু শেঞ্জা-থুমজাগী পাম্বৈনা য়াহনখিবা নত্রগা মহৈ-মশিংগীদমক থাদরক্লিবা শেনফমশিং অদু অতোপ্পা হিরমশিংদা হৈনথোকখিব্রা হায়বসি য়েংশিনবা ঙমই।

- করিদা য়ুমফম ওইরগা সরকারনা অয়া-চেশিং(লাইসেন্স), খাজনা তানা থিবা অমসুং অরেম্বা তেংবাং-শেল পীথবগে অমদি কনা-কনানা কান্নবা ফংগদবনো হায়বসি অপিকপা লল্লোন-ইতিক্কী মপুশিংনা খঙদোকপা ঙমই। মখোয়না মসিমসু খঙদোকপা য়াই; মদুদি সরকারনা অয়া-চেশিং/শেল তাবিবা/লেন্না তেংবাং পীবদা ইনগদবা নিয়মশিং অদু চপ-চাবা নিয়মদা য়ুমফম ওইব্রা হায়না।

- থবক ফংদ্রিবা মীওইশিংনা সরকারনা থবক পীনবগীদমক চেনগদবা মতিক-মগুনশিং নত্রগা ঙাইনরিবা মিং পরেংদা মখোয়না পীশিনখিবা হায়জ-চেরোলগী থাক (ষ্টেটস) অমদি ফিভমগী মতাংদা হংবা য়াই।

- সরকারনা তৌবিগদবা থবকশিংগীদমক পীশিনখিবা হায়জ-চেরোলশিং অদু কদাই য়ৌখ্রবগে হায়বসি মীয়াম্না থিগৎপা ঙমই, খুদম - মৈ থানজগে নত্রগা ঈশিং ফংহনবীয়ু হায়দুনা থাখিবা চেরোল অমগী লৈরিবা মওং-মতৌ থিদোকপদা করন্বা ফম্নাইবনা চেবুলশিং অদু শুবগে, মতম কয়াম হৌখ্রবগে অমসুং মখোয়না করি থবক লৌখৎলবগে হায়বশিং য়াওনা ঈ-পাও হংবা য়াই।

খুন্নাইগীদমক ৱাখল খনবা মীওই অমা ওইনা অদোম্না মীয়ামগী মরু ওইবা ৱাফমশিংগী মরমদা ঈ-পাও খঙদোকপা য়াই। অমদি ৱারু-নুংজু থোক্লিবশিংদা সরকারনা করি হায়রিবগে হায়বসিসু খঙনবা হোৎনবা য়াই। খুদম ওইনা অদোম্না খঙদোকপা ঙম্বশিংদি -

➪ সরকারগী লায়েংশঙ অমদা মী কয়া শিখ্রবগে অমদি মসি করি মরমগীদমকনো নত্রগা য়ারে হায়দুনা হাপ্লিবা থৌমীশিং অদুগা চাংদম্নরুবদা লৈফম থোকপা ডাক্তর  অমসুং নর্সশিংগী মশিং কয়া অৱাৎপা লৈখিবননো ?

➪ সরকারগী মহে লোইশঙশিংদা ওজাশিংনা নুংতি গী কাবা-কাদবগী করি ফিভম লৈবগে ?

➪ কৈশুমশঙ অদুগী মী থম্বা ঙম্বগী শক্তিগা য়েংনরুবদা মফম অদুগী কৈশুমশঙশিংদা মী কয়া য়াম্না থমজিল্লিবগে?

➪ মখোয়না অকোইবগী ফিভমদা হকচাংদা শোকহনবা য়াবা মচাকশিং  লৈঙাক-ৱায়েন পথাপনা য়াবা মওংদা হুন্দোক্তে হায়না য়েংশিনবদা য়েংশিন-মী (ইন্সপেক্টর)শিংনা পোৎ-চৈ শাফম (ফেক্টরি)শিং অমসুং পোৎথোক-চাথোক শুংফম (মন্যুফেকচরিং য়ুনিটস)শিংদা কয়াম তোইনা চৎপগে ?

➪ মীয়ামগী শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং চেকশিন্না শেন্নবদা ম্যুনিসিপাল অথোরিটি (খ্বাই কৈথেল লমগী মপী-মপা ওইরিবা) শিংনা থিকাদার কয়া য়াম্না থবক শুবা য়াহনখিদ্রবগে অমদি থবক শুহনখিদ্রবশিং অদুগী মনুংদা মীওই কয়াদা থিকা পীথোক্তুনা মীয়ামগী থবক থনাশিং পাইহনখ্রবগে ?

## অহুমশুবা শরুক : ঐহাক্না কনাদগী ঈ-পাও ফংগদগে।

আর টি আই এক্ট অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুম্নমক শিন-থুংনা চৎনরে, (জম্মু অমসুং কাশ্মীর রাজ্য খকতংদি মসি চৎনদে, মরমদি লৈঙাক পথাপকী ৩৭০শুবা তাংকক্কী মখাদা মাগী অখন্নবা থাক লৈ জৈ)[৭]। আরটি আই এক্ট অসিনা সরকারগী করম্বা লোইশঙশিংদগী ঈ-পাও লৌবা য়াই অমসুং করম্বা লোইশঙশিংদগীনা য়াদবগে হায়বসি ময়েক শেংনা তাকলি। মখা তানা এক্ট অসিনা কোনশিল্লীবা লোইশঙশিংনা মীয়ামগী হায়জ-চেরোলশিং লৌশিন্নবা অমসুং পাওখুমশিং পীনবা অখন্নবা ওফিসারশিং হাপহল্লে। মসিদসু, নহাক্না হায়জরিবশিং অদু ফংনবা অমদি থবক লৌখৎনবা কনানা দায়ত্য লৌগদগে হায়বসি এক্ট অসিনা কোনশিল্লিবা লোইশঙশিং (বোদিজ কোভর) অসিনা অততাই ওইবা ফম্নাইবশিং হাপ্পুনা শিন্নবা দরকার লৈ।

### করম করম্বা লোইশঙশিং (বোদি)শিংবু কোনশিনবগে ?

পব্লিক্ট অথোরিটিশিংনা[৮] পাইশিল্লিবা ই-পাও লৌথোক-লৌশিন য়ানবা হক আর টি আই এক্টনা নঙোন্দা পীরে, পব্লিক্ট অথোরিটি হায়বসিদা মখাদা পীরিবা কাংবুশিং অসি কোনশিল্লি; মদুদি :-

- লৈঙাক পথাপ্না শেমখিবা নত্রগা লিংখৎখিবা লোইশঙ।
- বিধান সভা নত্রগা পার্লিয়ামেন্টনা শেমখিবা নত্রগা লিংখৎখিবা লোইশঙ।
- রাজ্য সরকার নত্রগা কেন্দ্র সরকারশিংগী য়াথং নত্রগা লাওথোক-চেরোল অমনা শেমখিবা নত্রগা লিংখৎখিবা লোইশঙ।
- সরকারদগী মশক থোকপা (সবষ্টেন্সিএল) শেনবুনশিং ফংলিবা সরকারগী নত্তবা লুপশিং য়াওনা রাজ্য নত্রগা কেন্দ্র সরকারশিংনা কন্ট্রোল তৌবা (মপু ওইবা) নত্রগা মশক থোকপা শেন্থং পীথরিবা লুপশিং

'পব্লিক্ট অথোরিটিশিং' হায়বগী শক্তাক - ৱা অসি থাঙ্গৈশেংনা পাক চাওখ্রে; মরমদি হেক ঙল্লিবা মখৈদি কাংবু কয়া ৱায়েন পথাপকী পল্লোন্নুংদা পুশিল্লকপা মথৌ তাই। থবক্তা ওন্থোরকপদদি, সরকারগী লৈঙাক-থৌদা তৌরিবা পুম্বগী লেভেল (থাক)শিং লোইনা কোনশিল্লে। মসিগী ৱাহন্থোক্তি মীয়াম্না করিগুম্বা অমদগী হায়বদি মসি

---

[৭]মথক্কী মরিশুবা খংজিনগদবা ৱাফমদা য়েংশি.

[৮] রাইট টু ইনফোমমেসন এক্ট ২০০৫গী ৱাকক ২(ঐচ) শুবদা য়েংশি: মখা তারকপদা অখন্ননা পন্দবা ৱাকক পুম্নমক আর টি আই এক্ট, ২০০৫দা য়াওরিবশিং অদু ওইনা খঙনগনি।

পঞ্চায়েটশিং, জিল্লা পরিষদশিং, সমিটিশিং/মন্দোল/জনপদ পঞ্চায়েটশিং অমসুং গ্রাম পঞ্চায়েটশিং - ম্যুনিসিপালিটিশিং, ব্লোক দিভলোপমেন্ট ওফিসশিং, সব-দিভিজেনেল ওফিসশিং, দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্তর/দিপুটি কম্মিস্নারগী ওফিস, সেক্রেটরিয়েটকী থাক্তা লৈরিবা সরকারগী লোইশঙশিং, খুৎলাই পাইবা লান্মীশিং, সরকারনা শেনবুন থাদরগা চলাইবা নত্রগা লিংখৎখিবা মহৈ তম্ফমশিং, তাইবং - মহৈকোলশিং (য়ুনিভর্সিটি), পব্লিক্ট, সেক্তর বেঙ্ক অমদি পব্লিক সেক্তর (মীয়ামগী/সরকারগী শরুক) ইন্টর্প্রাইজশিং পুম্নমক অসিদগী ঈ-পাও হেক্তা লৌবা ঙমই।

এক্ট অসিগী য়াম্না শিংথানিংঙাই ওইবা শকওং অমদি সরকারগী শেনবুন (ফন্দ)দগী মশক থোকপা শেন্থং পীথরিবা সরকারগী নত্তবা লুপশিংসু মসিনা কোনশিল্লে। মসিগী ৱাহন্থোক্তি লনাই-লুপ অমদা মীয়ামগী (সরকারগী) পৈশা পীথরগদি, মীয়াম্না য়েংশিন-খোৎচিনগে হায়রকপদা লুপ অদুনা য়াবা তাবনি। তশেংনা থবক ওইনা পাইখৎলকপদা, সরকারগী তেংবাং ফংলিবা, লনাই স্কুল, কলেজ, লায়েংশঙশিং নত্রগা সরকারগী থৌরাংশিং থবক্তা ওন্থোক্লিবা পুকচেল চাওনা কৎথোক্লবা (চেরিটেবল) করিগুম্বা লুপ-খুদম ওইনা পল্লবদা চরা ৱালহনবগী থৌরম পাইখৎলিবা অসিগুম্বা লুপশিংদি আরটি আই এক্টকী মখাদা ঈ-পাও ফোংদোকপা মথৌ তারক্কনি।

### এক্ট অসিনা কোনশিনবা য়াদবা লোইশঙশিং[১]

লাইববক থিবদি আরটি আই এক্টনা মপুং ফানা পুল্লপ কোনশিনবা য়াদবা লুপ খরদি হৌজিকসু লৈরি। এক্ট অসিদা অখন্ননা সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি অমসুং ইন্টিলিজেন্স (অরোন অথুপ শেন্নরিবশিং)কী লুপ ২২গী মমিং পরেং অমা য়াওরিবা অসিগীদি ঈ-পাও পীথোকপগী দরকার লৈতে অমদি অসুম্না রাজ্য সরকারগী মখাদা লৈবা মথক্কী অসিগা মান্নবা লুপশিংবু মখোয়গী কন্ট্রোল মখাদা একজেম্প (কনখৎতুনা থম্বা) তৌরগা থম্নবা অতৈ রাজ্য সরকারশিংদসু মপাঙ্গল পী। অদুমকপু এক্টসিদা তঙাই ফদনা মথৌ তাহল্লিবা ৱাফম অমদি অসিগুম্বা কাংবু (এজেন্সি)শিং অসিদা শেঞ্জা-থুমজা অমসুং মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী ঈ-পাওশিংদি পীথোকপা য়াহল্লি। মীওইবগী হক খোঞ্জাওনবগী মরাল শিরকপা মতাংগী ঈ-পাওদি মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন কম্মিসনগী অয়াবা লৌরবা মতমদতা হায়জ-চেরোল ফংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৪৫নিগী মনুংদা পীগনি।

### ঈ-পাও পাইরিবা লোইশঙ অমগী মনুংদা ঐহাক্না কনাদা হায়জগদগে ?

খ্বাইদগী ফগদবদি পব্লিক অথোরিটি অমগী মনুংদা কনাগুম্বা অমদা নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু পীশিনবদা মহাক্না নঙোন্দা তেংবাংফম থোকই। অদুম ওইনমক মীয়াম্না পব্লিক অথোরিটি অমদা হায়জফম ময়েক শেংহনবগীদমক

[১] ২৪শুবা ৱাকক

আর. টি. আই. এক্টনা মীয়ামগী হায়জ-চেরোলশিং য়েংশিন্নবা তাংদাংবা তোঙান-তোঙানবা মখল অনিগী ফম্নাইবশিংবু ফম থিন্দোক্লে; মখোয় অদুদি :- পব্লিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসার (পি আই ও)শিং অমসুং এসিস্টেন্ট পব্লিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসার (এ পি আই ও)শিং অসিনি। **মণিপুরগীদি ষ্টেট পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার** (এস পি আই ও ) অমসুং ষ্টেট এসিস্টেন্ট ইনফোর্মেসন ওফিসার (এস এ পি আই ও) হায়না খংনৈ।

- **পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসারশিং (মীয়ামগী ঈ-পাওগী ফম্নাইবা) :** কেন্দ্র সরকার, রাজ্য সরকার অমদি মফম মফমদুগী লৈঙাক লুপ (লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসন)গী থাক্তা লৈঙাক-থৌদা (এদমিনিষ্ট্রেসন)গী খুজিং নত্রগা লোইশঙশিং পুন্নক্তা পি আই ওশিং হাপকদবনি। পি আই ওশিং অসিনা হায়জ-চেরোলশিং লৌশিন্নবা অমসুং হিরমসিদা থবক পাইখৎনবগী দায়ত্যনি।[10] মখোয়গী অতোপ্পা মথৌ অমনা হায়জরক্লিবা মীওইশিংদা মখোয়গী হায়জ-চেরোল (এপ্লিকেসন)শিং শেম-শাবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরবা কনাবু মতেং পাংনবনি। লোইশঙ পুন্নমক্কী খঙহন-চে থেৎফম (নোটিস বোর্দ) অমদি মখোয়গী ৱেব সাইটশিংদা পি আই ওশিংগী মমিংশিং অসি খ্বাইনা উনবা থেৎতোক্কদবনি।

- **এসিস্টেন্ট পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার (মীয়ামগী ঈ-পাওগী মথং খনবা ফম্নাইবা) :** এক্ট অসিনা অমুকসু দরকার লৈরিবদি হায়জ-চেরোলশিং অদু মথক-থোংবা থাকশিংদা লৈরিবা মরী লৈনবা পি আই ওশিংদা পুখৎনবা পব্লিক্ট অথোরিটিশিংনা সব-দিষ্ট্রিক অমদি সব-দিভিজনেলগী থাক্তা এসিস্টেন্ট পি আই ওশিং হাপ্পবা হায়রি। চৎন-লিক্লম (সিষ্টেম) অসি থল্লকপনা সরকারগীময়াই লোইশঙদগী য়াম্না লাপথোকখ্রবা, অথাপ্পা লোইয়ালমদা লৈরিবা মীয়াম্না মখোয়গী হায়জ-চেরোলশিং পীশিনবদা অমদি মদু খোঙ্গুল লিরকপদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু হন্থহন্নবনি। এ পি আই ওশিংনা হায়জ-চেরোল অদু ফংবদগী পারগা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা পি আই ও অদুদা পীখৎখিগদবনি। নঙোন্দা থাঙ্গৈশেংনা ঈ-পাও পীনবা এ পি আই ওশিংগী মথৌ লৈতে; মরমদি ঈ-পাও পীবা হায়বসিদি পি আই ওশিংগী তৌদবা য়াদবা অহানবা মথৌনি।[11] অদুমকপু ঈ-পাও অদুনা ইরাই লাইনা ফংবা ঙম্লগদি, মখোয়না নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু হাংদোক্কনি লোইননা হেক ঙম্লিবমখৈ অথুবা মতমদা ঈ-পাও অদু নঙোন্দা পীথোক্কনি।

**হায়জ- চেরোল অমা পীশিন্নবা হোৎনবদা পি আই ওনা নহাকপু ৱানা কোইচেন চেলহল্লোইদবনি।**

সরকারগী লোইশঙ(দিপার্টমেন্ট) মিনিস্ত্রিশিং (শঙলুপ)খরদা হায়জ-চেরোলশিং অদু লৌশিন্নবা অমদি থবক পাইখৎনবা পি আই ও মশিং কয়া হাপ্পি। হায়জরিবা মীওইশিংগীদমক্তদি মসিনা ফজনা চমন্নবা থোকহল্লে, মরমদি পি আই ওশিং অসিনা মখোয়বু ইতৎ তত্তনা পি আই ও অমদগী অতোপ্পা অমদা কোইচেন চেলহল্লি, মসি মখোয়না অচুম্বা মরি লৈনবা পি আই ও অদু ফংদ্রি ফাওবনি। খুদম ওইনা, দিল্লি দিভেলোপমেন্ট অথোরিটি

[10]- ১০শুবা ৱাকক্কী ৫(১)শুবা
[11] - ৫(২)শুবা ৱাকক

(দি দি এ)দা পি আই ও খুদিংগী অখন্নবা থৌদাং/তৌবা ঙন্বা কা থোকপা হিরম (জুরিস দিক্সন) য়েন্থোক্লগা পি আই ও ৪০মুক হাপ্লি। মসিনা মরম অমা ওইরগা ঈ-পাও অদুনা পি আই ওগী তৌবা ঙন্বা কা থোকপা অমদগী হেনবদা চাইথোক্তুনা লৈখ্রবদি হায়জরিবা মীওইশিংবু নমদুনা মখল-মখা কয়াগী হায়জ-চেরোলশিং পীহনবা নত্রগা থিফম থোকপা অহেনবা শেলফমশিং থিহনবা তারকই। মসি এক্ট অসিগী মখাদা য়াহনফম থোক্তে। নৌনা থোকখিবা ৱাথোক অমদা সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কন্মিসননা মসিগী লম্বেল অসি লাল্লে হায়না খঙজিনখ্রে লোইননা মখোয় মখোয়গী অকক্নবা হিরম/তৌবা ঙন্বা কা থোকপা অদুগী মনুংদা লৈবা নত্রগা লৈতবা অমতা থিদনা মখোয়গী পি আই ওশিংনা হায়জ-চেরোল খুদিংমক শোইদনা লৌশিন্নবা দি দি এদা য়াথং পীখ্রে।[12] খ্বাইদগী ফবা ফিদমদদি, পব্লিক অথোরিটিশিংনা হায়জ-চেরোলশিং লৌশিন্নবা "ফম্নাইবা অমখক (সিঙ্গল ৱিন্দো)" লৈহনবা য়াই; অদুগা মশিং য়াম্লবা পি আই ওশিং অদুনা পুন্নমক্কী থবক পাইখৎপা তারবসু লোইশঙ অদুগী মমাংদা পি আই ও অমত্তং ফম্লগা হায়জ-চেরোলশিং পুন্বা লৌশিনগনি।

কেন্দ্র সরকারগী লোইশঙ পুংন্নমক্তা য়ৌখিনবা আর টি আই হায়জ-চেরোলশিং লৌশিন্নবা অমদি পুন্নমকশিং অসি তোঙান তোঙানবা লোইশঙগী মরী লৈনবা পি আই ওশিংদা পুখৎলক্নবা কেন্দ্র সরকারনা লৈবাক শিনথুংনা লৈরিবা পোষ্টেল দিপার্টমেন্ট (চিঠি থাদোক-থাজিন)গী লোইশঙশিং শিনবা থুংনা এ পি আই ওশিং হাপলে। পোষ্টেল দিপার্টমেন্ট অসিগী মনুংদা লৈরিবা এ পি আই ওশিং অসিগী মপুং ফাবা মমিং পরেং অমগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ পর্সোনেল, পব্লিক গ্রিভান্সেস এন্দ পেন্সনসকী আর টি আই ৱেবসাইট (ওফিসিয়েল) http://righttoinformation.gov.in দা য়েংবা য়াগনি ।

[12] - সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কন্মিসন (২০০৬) আপিল নং ১০/১/২০০৫ ফেব্রুৱারি ২৫, সি আই সি ; www.cic.nic.in ; মার্চ ২০, ২০০৬কী ৱারোল

## মরিশুবা শরুক : ঐহাক্না করি-করম্বা ঈ-পাও তানবা ঙম্বগে ?

আর টি আই এক্টনা য়ারিবমখৈ খ্বাইদগী য়াম্না ঈ-পাও ফোংদোক্নবা পুক্লিং থৌগৎলি। তশেংনা থবক্তা ওন্থোরকপদদি মসিগী ৰাহন্থোক্তি পব্লিক্ট অথোরিটি (মীয়ামগী মপী-মপা ওইরিবা)শিংদা লৈরিবা খাকচিলহৌবা ঈ-পাও খরা নত্তনা অয়াম্বা ঈ-পাও মখৈ নহাক্না লৌবা ঙমই; খাকচিলহৌবগী মরমদি মদু ফোংদোক্লুরগা মদুনা মীয়ামগী য়াইফগদবদগী হেন্না মাং-তাকপা থোকহনগনি হায়দুনা ঙাক-শেনবা খক্তনি।

### করম-করম্বা ঈ-পাওশিং লৌথোক-লৌশিন য়াবগে ?

**পব্লিক্ট অথোরিটিশিংনা** তোঙান তোঙানবা মওংদা পাইশিল্লিবা পাকশল্লবা ঈ-পাওশিং লৌথোক-লৌশিন তৌনবগী অয়াবা আর টি আই এক্টনা নঙোন্দা পীরি । খুদম ওইনা, নহাক্না এক্ট অসি শিজিন্নরগা ফংবা য়াবশিংদি ইশিল-খোৎচিল্লিবশিং (রেকোর্দস) খুৎইশিং (মেন্ন্যুস্কৃপ), চেদুপশিং (ফাইলস), ইশিনখিবশিং (ফাইল নোটস), মাইক্রোফিল্ম (প্রমান ওইনবা য়াবা অপিকপা ফিল্মগী রোল), মাইক্রোফিস (অপিকপা নমথোক্লবা ফোতোগী রিল) ফেসিমাইল (হক্লগা য়েকপশিং), ই-মেইলস, ফোংদোকখ্রবা মৎশিং, পাওতাকশিং, পাও-চেদা ফোংলবা ৰাফোংচে (প্রেস রিলিজ), য়েন্থোক-ৰারোল (সার্কুলার), য়াথংশিং, লোগবুকস (খোংচৎকী মরমদা অইবা লাইরিকশিং), য়ান্ন-ৰারোলশিং (কন্ট্রেক্ট), পাওদমশিং (রিপোর্টস), মচা খাইনা খোমজিল্লিবা মচাকশিং (দেটাস) ওইবা য়াই; কম্পুটর অমনা নত্রগা করিগুম্বা খুৎলায় অমনা পুথোক্লবা করিগুম্বা মচাক অমা, ইলেক্ট্রোনিক্কী মওংদা লৈরিবশিং অমদি চৎনরিবা ৰায়েল পথাপ অমগী মখাদা পব্লিক্ট অথোরিটি অমনা হেক্তা ফংবা ঙম্বা লনাই লূপ অমগা মরী লৈনবা ঈ-পাও ফাওবা ওইবা য়াই[১৩]।

আর টি আই এক্টকী মখাদা নহাক্কী লৈজরিবা হকশিংদি :

#### থবক-থনাশিং নত্রগা রিকোর্দশিং হকথেংননা য়েংশিন্নবগী হক :-

তৌরিবা থবক অমা, চে-চাং নত্রগা রিকোর্দ অমা নহাক নশামক্না চৎলগা য়েংগে হায়বা য়াই। খুদম ওইনা থোং অমা শাগৎপগী নত্রগা হেন্দ পম্প (লৈনুংদগী খুৎনা ঈশিং চিংখৎনবা পাম্বৈ) অমা পানখৎপগী থবক অদু শিজিন্নবা য়ানবগী চপ-চাবা থাক অমগী মতুং ইন্না থবক পাইখৎলিব্রা হায়বসি শোইদনবা নশামক চৎলগা য়েংশিন্নবা হায়বা ঙমই। নত্রগা সরকারগী ফাইলশিং অদু নহাক্না য়েংবা ঙমই; অদুবু নঙোন্দা মমল হন্থনবা নহাক্না করম্বা চে-চাং পাম্বগে হায়বসি লেপথোক্লগা অমসুং মদুদগী নহাক্না পাম্বা চে-চাংশিংগী কোপি অদুখক্তং লৌনবা হংবা য়াই।[১৪]

[১৩] - ২(আই) অমসুং ২(এফ)শুবা ৰাকক

[১৪] - ২(আই) (i) শুবা ৰাকক

**অচুম্বনি হায়বগী খুৎনম য়াওরবা (সার্টিফাইদ) চেনাশিং ফংনবা হক :-**

চে-চাংশিং নত্রগা রিকোর্দশিংদগী চপ চাবা মচেৎ অমগী নত্রগা পুল্লপকী শকখঙ-খুৎনম য়াওরবা চেনাশিং নহাক্লা ফংবা ঙমই অমদি রিকোর্দশিং অমসুং চে-চাংশিংদগী শিনগে হায়বা ফাওবা য়াই।[১৫]

**মহুৎ শিনবা (সেম্পলস) নত্রগা নমুনাশিং (মোদেলস)শিং ফংনবগী হক :-**

নহাক্লা নমুনাশিং নত্রগা পোৎচাকশিংগী শকখঙ-খুৎনম য়াওরবা মহুৎ শিনবা মচেৎ খরা পীনবা হংবা ঙমই। খুদম ওইনা, নহাক্কী নয়ুমগী হেক মমাংদা শেল্লে খল্লবা লম্বীগী মহুৎ শিনবা শরুক মচেৎ অমা ফংনবা নহাক্লা হংবা ঙমই। মদুনা থবক্কী য়ান্ন-চেরোল (কন্ট্রেক্ট)দা য়াওরিবা অদুগী মতুং ইন্না চপ-চাবা পোৎচাকশিং শিজিন্নখিব্রা হায়না নহাক্লা য়েংথোকপা (চ্যেক তৌবা) ঙমগনি ।[১৬]

**ইলেক্ট্রোনিক্সকী মওংদা লৈবা ঈ-পাও ফংনবগী হক :-**

ফ্লোপি, দিস্কেটস, টেপস, ভিদিও কেসেট নত্রগা অতৈ ইলেক্ট্রোনিক্সকী মওংদা লৈবা নত্রগা নমথোক্লবা মওংদা (প্রিন্ট)লৈরিবা ঈ-পাওশিং ফংনবগী নহাক্কী হক লৈ। এক্ট অসি কদাইফাওবা পাক চাওনা শেমখিবগে হায়বদা অনৌবা মখলগী টেক্নোলোজিশিং শিজিন্নরক্তুনা থমজিনবা ঈ-পাও ফাওবা লৌনবগী ৱাফম কোনশিল্লি ।[১৭]

**প্রাইভেৎ কম্পেনিশিংগী মতাংদা লৈরিবা ঈ-পাও নহাক্লা পব্লিক্ট অথোরিটিশিংদগী লৌবা ঙমই :**

এক্ট অসিগী মখাদা মীয়ামগী পব্লিক্ট অথোরিটিশিংদগী ঈ-পাও ফংবগী মথক্তা, করিগুম্বা পব্লিক অথোরিটি অমনা লৈবাক্কী চৎন-পথাপ অমগী মখাদা লনাই লুপ অমগা মরি লৈনবা ঈ-পাওশিং পাইরবদি মদু নহাক্লা হায়রিবা পব্লিক অথোরিটি অদুগী খুৎথাংদা ফংবা য়াই। খুদম ওইনা পল্লবদা, উদ্যোক (ইন্দষ্ট্রি) লিংখৎপদা মিনিস্ট্রি ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্ট (অকোইবগী ফিভম অমসুং উমং পান্নবা লোইশঙ)না মখোয়বু ষ্টেট পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দ (তোৎন-তিন্নদুনা মোৎহনববু লাকশিন্নবা রাজ্যগী কাংবু)তা "ইনভাইরোনমেন্ট ষ্টেটমেন্ট (অকোইবগী ফিভমগী ৱাফম) অমা পিশিন্নবা হায়বা মথৌ তারি। মসি উদ্যোক্কী খুজিং অমনা কদায় ফাওবা অকোইবগী ফিভমদা মোৎশিলহনবা হন্থহন্নবা অমদি মচাক-মথুমশিং (রিসোর্স) য়োকখৎনবা হোৎনরিবগে হায়বসি খংনবনি। ৱারোলশিং অসি ফংনবা নহাক্লা আর টি আই এক্ট শিজিন্নবা য়াই। কয়াৎ অসিগী মরু ওইবা ৱাফমদি, ৱায়েন-পথাপকী মতুং ইন্না মশাগী মথৌ তৌহৌদ্রে হায়বসিনা হেক্তা মরম ওইরগা পব্লিক্ট অথোরিটিশিং অদুনা নহাক্লা হায়জরক্লিবা অদু পীদবা ঙমদে। ঈ-পাও অদু মখোয়না ৱায়েন পথাপকী মতুং ইন্না খোমজিলহৌদ্রবদি, আর টি আই এক্টকী মখাদা মখোয়না চৎলগা ঈ-পাও অদু অমুক খোমজিল্লুবা মথৌ তাই অমদি মসি নঙোন্দা অমুক পীরকফম থোকই। ফিদমসিনা তাক্লিবদি মখোয়সু মখোয়না খোমজিল্লিবা ঈ-পাওগী মতুং ইন্না মখা তাবা মথৌ তৌগদবনি।

---

[১৫] - ২(আই) (ii) শুবা ৱাকক

[১৬] - ২(আই) (iii) শুবা ৱাকক

[১৭] - ২(আই) (iv) শুবগী ৱাকক

## লৌথোক-লৌশিন য়াদবা করিগুম্বা ঈ-পাও লৈত্রা ?

পাক-শন্না লৈরিবা ঈ-পাও কয়া লৌথোক-লৌশিন ঙম্লবগী হক অদু আর টি আই এক্টনা নঙোন্দা পীরে হায়দুনসু, নহাক্না ঈ-পাও লৌথোক-লৌশিন তৌবা ঙমদবা ফিভম খরদি হৌজিকসু অদুমক লৈরি; মসি য়াম্না চেকশিন্নিংঙাই ওই, মিৎকুপ নাহুম শিংদবা য়াদে। অসিগুম্বা ঈ-পাওশিং নঙোন্দা পীথোক্কদবদগী সরকারনা 'অথিংবা' (একজেম্পসন) থমই; মসি মীয়ামদা খংহল্লুবনা মরম ওইরগা মীয়ামগী ফগদবা অদুদগী হেন্না মাং তাকপা থোকহনগনি। লৈঙাক পথাপনা য়াবা মওংদা নঙোন্দা পীরোইদবা ঈ-পাওশিংগী অকক্লবা ৱাফমশিং অসি আর টি আই এক্টনা ফজনা পল্লি;[১৮] মমিং ওইনা

(অ) ফোংদোক্লুবনা লৈবাক্কী ঙাক-শেন (নেসনেল সেক্যুরিটি) ভারতকী সাইন্টিফিক (বিজ্ঞানিক) নত্রগা শেলমিৎলোন (ইকনোমিক)কী ওইজবা নত্রগা মীরৈবাক অমগা লৈনরিবা মরীশিংদা মাং-তাক্কদবা নত্রগা মরাল অমা লংশিনবা থোক্কদবা লংজিন ওইরবা ঈ-পাওশিং।

(আ) করিগুম্বা ৱায়েনশঙ নত্রগা ৱায়েন-থৌদাশঙ (ত্রাইবুনেল) অমনা ফোংদোকতনবা থিংলিবা ঈ-পাও নত্রগা হায়দোক্লুবনা ৱায়েনশঙবু উশিৎ-থওইদবা ( কন্টেম্প ওফ কোর্ট) ওইহল্লক্কদবা ওইরবা;

(ই) ফোংদোক্লুবনা বিধান সভা নত্রগা পার্লিয়ামেন্টগী লৈজরিবা থোইদোকপা মগুন শোকহনগদবা (ব্রিচ ওফ প্রিভিলেজ) গী মরম ওইহল্লবা;

(ঈ) ঈ-পাও অদুনা লল্লোন-ইতিক্কী অরোন-অথুপ(কনফিদিন্সিয়েল)কী ঈ-পাও, লল্লোন-ইতিক্কা মরী লৈনবা অরোনবা ৱাফমশিং, মীওইবগী ৱাখলগী পোথোক(ইন্টেল্লেকচুয়েল প্রোপর্টি) ওইরবা নত্রগা মসি পীথোক্লুবনা অহুমশুবা কাংবু অমগী অতোপ্পগা চাংদম্নবগী খোংথাংদা অমাংবা ওইরক্কদবা(খুদম ওইনা পব্লিক অথোরিটিদা মসি পীথোক্লিবা কম্পেনি) মরম অমা ওইরবা;

(উ) মীওই অমগী মরমদা লৈরিবা ঈ-পাও ওইরবা মরমদি মহাক্না অতোপ্পা মীওই অমগা লৈনবা অচেৎপা লনায় মরি (ফিদুসিয়ারি)গা মরী অমা লৈনবা (মদুদি ডাক্তর/অনাবা নত্রগা উকিল ৱাকৎলিবা মীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী);

(ঊ) মীরৈবাক্কী সরকার অমনা থাজনা অরোনবা ওইনা পীরক্লিবা ঈ-পাও,

(ঋ) ফোংদোক্লুরগা মীওই অমগী পুন্সি নত্রগা হকশেলদা খুদোংথিবা নংগদবা ওইরবা;

(ঌ) ফোংদোক্লুরগা মরাল লৈবা মীওই অমা চৈরাক পীবা নত্রগা চিংননিংঙাই ওইবদা নত্রগা ক্রিমিনেলগী থিজিন-হুমজিনবগী খোংথাংদা অকাইবা থোক্কদবা ওইরবা;

(এ) ৱারেপ অমা লৌরগা ঈ-পাও অদু থাদোক্কদবা ওইরগসু মন্ত্রি-মন্দল (কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরস)না খন্নখিবা ৱাফমশিংগী রিকোর্দ য়াওনা কেবিনেটগী চে-চাংশিং

(ঐ) পীনবা হায়জরক্লিবা ঈ-পাও অদুনা লনাই পুন্সিগী ঈ-পাও ওইবা, মদু পীথোকখ্রগা করিগুম্বা মীয়ামগী থবক থৌশিল অমত্তদা করিসু তৌনিংঙাই লৈত্রবা নত্রগা মদুনা মীওই অদুগী লনাই অরোনবা হিরমদা তম্বা ঙমদবা শিংনরকপা ওইরক্কদবা ;

---

[১৮] - ৮(১) অমসুং ৯শুবা ৱাকক

(ও) পীথোক্লুরগা মদুনা সরকার অদুদগী হেনবা কনাগুন্বা লুপ অমগী কোপিরাইটস (স্বৰ্তা) অদুদা অকাইবা থোক্লক্কদবা ওইরবা;

অখাকপা নত্রগা অথিংবা (একজেম্পসন)শিং অসি শুক্কাই কায়বা য়াদে হায়বা(এবসোলুট)দি নত্তে। নহাক্না ফংনবা হায়জরিবা ঈ-পাও অদু থোইদোকপা অথিংবা অমনা কোনশিনজরবা ফাওবদসু, ফোংদোক্লগা মীয়ামগী য়াইফবনা ঙাকশেন্দুনা অথিংবা থম্বগী কান্নবদগী হেন্না লুন্বা ওইরবদি, মদু অদুমক পীথোক্কদবনি। মসিবু মীয়ামগী য়াইফবনা নমহৎপা (পব্লিক ইন্টরেষ্ট ওভরাইদ) হায়না খঙনৈ। মসি পীথোকপা য়াদে হায়দুনা থিংলিবা ঈ-পাও পুন্বদা চৎনগনি।[19] খুদম ওইনা হৌখ্রবা মতমদা, লৈবাক অসিগী শক্তম অমদি ঙাক-শেনগী য়াইফনবগী মিৎয়েংদা (নেসনেল এন্দ সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট) ঙাক্তুনা থম্বগী মখাদা মীরৈবাক্কী কম্পেনিশিং অমসুং ভারত সরকারগী মরক্তা লৈবাক্কী ঙাক-শেলগী মতাংদা থবক্কী য়ান্নখিবা চেনাশিং লৌথোক-লৌশিন তৌবা য়াখিদে। তৌইগুন্বসুং থবক্কী য়ান্নখিবশিং অদু খংনবা ফৌমাই চাবিশিংনা তৌফম থোক্তবা ইথিল পীখিবা অমদি (কিকবেক) পীখি হায়বগী মরালশিং শিরক্লবদি থবক্কী য়ান্নখিবা অকুপ্পা ৱারোলশিং অদু খংবদা হেন্না চাওবা মীয়ামগী কান্নবা অমা লৈরে। লৈবাকসিনা শিজিন্নখ্রবা শেনফমগী কান্নবা (ভেল্যু) অদু চপ চানা ফংবা ঙম্ব্রা, খ্বাইদগী ফবা খুৎশু-খুৎলাই খনখিব্রা নত্রগা খনখিদব্রা অদুগা ৱারেপ লৌনবগী থৌরম পরিংদা মরু ওইবা মীশিংনা শেঞ্জা-থুমজাগী থৌওং তৌখিব্রা হায়বসি খাজনা থিরিবশিং (টেক্স পেয়র)না খঙনবগী হক লৈ। এক্ট অসিদা ঙাক-শেন অমদি লানম্থোং শিনবগী (ষ্ট্রাটেজিক) থবক্তা য়াইফনবনি হায়দুনা থোইদোকপা অথিংবা শিজিন্নদুনা ঈ-পাও অসি পীদবদি য়াদে, মরমদি মসি ফোংদোকপদা মীয়ামগী হেন্না চাওনা কান্নবা অমা লৈ।

> **পার্লিয়ামেন্টনা ফংলিবা ঈ-পাও অদুমক নহাক্নসু ফংবা ঙমই :**
>
> আর টি আই এক্টকী মখাদা ঈ-পাও লৌথোক-লৌশিন তৌবগী ৱারেপ্লবদা হিমাই চুল্লিবা পাদম (গাইদিং প্রিন্সিপল) অদুদি রাজ্য বিধান সভা নত্রগা পার্লিয়ামেন্টতা পীদবা য়াখিদ্রবা করিগুন্বা ঈ-পাও অদু নঙোন্দসু পীদবা ঙমদে।[20] মরম অসিনা থোইদোকপা অথিংবা লৈরবা ফাওবদসু, ঈ-পাও অদুনা বিধান সভা নত্রগা লোক সভাদা পীখ্রবা ওইরবদি মদু নঙোন্দসু পীফম থোকই।

করিগুন্বা মতম্অদা, অথিংবা ঈ-পাও অদু অতৈ অয়াম্বা পোৎ-চৈশিংগী মতৌগুম লোৎশিন্দুনা থম্নবগী পুন্সি পন্দুপ অমা লৈ অমদি মসি মতম পুন্নমক্কী ওইনা থিংদুনা থমগদবা নত্তে। করিগুন্বদা, মতম খরবু হৌখ্রবদি পাও অদু ফোংদোকপনা তুংদা মখা তানা করিগুন্বা মখল অমত্তগী অমাংবা থোকহনদে। খুদম ওইনা ঙসি মালেমগী থাক্তা ভারতকী শেল-থুমগী ফীরেপ লৌবদা অকাইবা থোকহনবা ঙম্লিবা লৈবাক্কী শেলমিৎলোনগী ঈ-পাও অসি চৎথরিবা লিক্লমসিদা চহি ১০ নত্রগা ২০গী মতুংদা করিসু কান্নদবা (সেন্সিটিভ ওইদবা) ওইরকপা য়াই। মতম অমা নত্রগা অতৈ মতম অমদা ঈ-পাও অদু অমা নত্রগা অমদগী হেনবা অথিংবশিংনা কোনশিল্লিন্বা ওইজরগসু করিগুন্বা থৌদোক, ৱাথোক নত্রগা হিরম অমগী মরমদা লৈবা ঈ-পাও অদু চহি ২০গী মতুংদদি মসি ফংনবা হায়জবা হায়বসি আর টি আই এক্টনা নঙোন্দা অয়াবা পীরি।[21]

[19] - ৮(২) শুবা ৱাকক্কী মখাদা লমায় ২৯দা য়াওরিবা "মীয়ামগী য়াইফনবনা করম হায়না নমহৎপা" অদু য়েংসি

[20] - ৱাকক ৮(১)গী মখাদা

[21] - ৮(৩) শুবা ৱাকক্কী মখাদা

## মঙাশুবা শরুক : করম্বা ঈ-পাওবু সরকারনা মশানা মরোমদোম হৈনিংনা (প্রোএক্তিভ) ফোংদোক্কদগে ?

আর টি আই এক্টকী মতুং ইন্না কনাগুম্বা অমনা অতম্ননা হায়জরুবা লৈত্রবা ফাওবদসু, পব্লিক্ট অথোরিটিশিংনা মখোয় মশাগী ওইনা য়াম্না হৈনিংনা ঈ-পাও পাকশন্না ফোংদোকপা নত্রগা মখোয় মশাগী মরোমদোম ওইনা (সুমোতো) লাওথোকপা মথৌ তাই। মসি য়াম্না মরু ওইবা কয়াৎ অমনি মরমদি ঈ-পাও খরদি খুনাইসিদা য়াম্না চাওনা কান্নবা পী অমদি মরু ওই হায়বসি এক্টসিনা শকখঙলি; মদুদি কনাগুম্বা অমনা অতম্ননা হায়জরুবা লৈত্রগসু সুমাইনা চাং নাইনা লাওথোকফম থোকই। শন্দোক্লা হায়রবদা, মসিনা শকখঙলিবসি মনুং-মপান ফাওনা উহনবা (ত্রান্সপরেন্সি) অয়াম্বদি মহৌশানা মীয়ামগী য়াইফনবনি অমসুং মরম অসিনা মীয়ামগী মপী-মপা শক্লিবশিংনা হেক ঙম্বদা য়ারিবমখৈ মীয়ামদা ঈ-পাও য়াম্না পীথোক্লবা হোৎনফম থোকপনি।

### লৈঙাক-থৌশিলদা শরুক য়াহনবদা অমদি অশোয়-অঙাম য়েংশিনবদা কান্নবা ঈ-পাও :

আর টি আই এক্টগী ৪শুবা ৱাকক্তা মীয়ামগী পব্লিক্ট অথোরিটি পুম্নমক্লা কাংলুপ ১৭কী ওইবা ঈ-পাওশিং[২২] মতম মতমগী অনৌবা হাপচিল্লগা চাং নাইনা ফোংদোকপা[২৩] মথৌ তাহল্লি। মসিনা শোইদনবা লাক্লরিবদি লৈবাক্কী মীকোক (সিটিজেন)শিংনা মতম লৈবা খিবিক্তা মকোক মরুপানবা (ওথেন্তিক), কান্নবা অমসুং মরী লৈনবা ঈ-পাও ফংহনবা হায়বসিনি। ফোংদোকফম থোকপা মপুং ওইবা ঈ-পাওশিং অদুদি মখাগী হিরমশিং অসিদনি ।

**লোইশঙ অদুগী শকওং কয়াৎ (ষ্ট্রকচর ওফ দি ওর্গেনাইজেসন) :** মসিগী পাংথোকফম থোকপা মথৌ-মঙমশিং (ফংসন) অমদি তৌগদবা মথৌশিং, মাগী ফম্নাইবশিংগী লৈরিবা শক্তিশিং অমদি তৌগদবা মথৌশিং, মাগী থৌমীশিং (ইমপ্লোয়ি)গী মমিং-মথা পুন্থা য়াওবা কোর্ব্বাক (দাইরেক্তরি) অমা, থৌমী খুদিংমক্লা ফংলিবা থাগী খুৎশুমলশিং।

***খুদমদি*** :- লোইশঙ অদুগী য়েকথোক্লবা লুপকী শক্তম (ওর্গেনাইজেস্নেল চার্ট), লোইশঙ (দিপার্টমেন্ট) অদুদা থৌপুরিবা ফম্নাইবশিং (ওফিসার)গী মমিং-মথাশিং, থবক তৌহল্লিবা ফম্নাইবা খুদিংমক্কী মথৌ-মঙমশিং অমদি শক্তিশিং অমসুং মখোয়না ফংলিবা তলব।

---

২২ - ৱাকক ৪(১)শুবা

২৩ - ৱাকক ৪(২)শুবা

**মথৌ-মঙম পাংথোকপগী থৌরম পরিং (প্রোসেস ওফ ফংস্নিং) :-** ৱারেপ লৌবদা ইনগদবা থৌওং-পরেং (প্রোসিদ্যুঅর), চৎনবিশিং অমদি নিয়মশিং (রুলস এন্দ রিগুলেসন্স), কাইফদবা পরমশিং (নোর্মস), পব্লিক্ত অথোরিটিশিংনা পাইরিবা চে-চাংশিংগী কাংলুপশিংনি।

**খুদম ওইনা পল্লবদা :-** করম্না চিঞ্জাক য়েন্ন-চে (রেস্নিং কার্দ), অহলশিংদা পোৎথা-শেল (পেন্সন) পীবগী থৌরাংশিং কমদৌনা চৎথবগে নত্রগা ভিসা কন্মাইনা পীবগে হায়বগী সরকারগী নিয়মশিং। তশেংবদি, পব্লিক্ত অথোরিটিশিংনা নুংতিগী মথৌ-মঙম তৌবদা লমজিংলিবা অদুগুম্বা তঙাই ফদবা ৱায়েন-পথাপ, চৎনবিশিং, মনুংগী ওইবা য়াথংশিং (ইন্টর্নেল ওর্দর), মেমোশিং অমদি য়েন্থোক-চেরোল (সার্কুলার)শিং অদুনি।

**লোইশঙ অদুগা মরী লৈনবা থৌরাংশিং (স্কিম) অমসুং শেল-থুমগী অকুপ্পা ৱারোলশিং :-** পব্লিক্ত অথোরিটি পুম্নমক্কী চংগদবা শেন্বা-থুন্বা [ মখোয়না শিল-লাংলিবা থবক-থনাশিং (এক্তিভিটি) অমসুং থৌরাংশিং অমদি মদু থবক্তা ওন্থোকপগী মতাংদা লৈরিবা করিগুম্বা পাওদমশিং য়াওননি], লেম্না পীবা থৌরাংশিং (সবসিদি প্রোগ্রাম) য়েংশিন্নবগী মওং-মতৌশিং (মসিদা অসিগুম্বা থৌরমশিংগী কান্নবা ফংলিবা মীওইশিংগী অকুপ্পা ৱারোলশিং অমসুং কাইথোকখ্রবা শেনবুনশিং য়াওরে)গী মথক্তা লোইশঙ অদুনা অয়াবা পীখ্রবশিং নত্রগা শিন্নখিবশিং (অথোরাইজেসন), শেল তাথোকপিখিবা পুম্নমক্কী কান্নবা ফংখিবশিংগী মমিং-মথা অসিনি।

***খুদমদি :-*** শিজিন্নখ্রবা চাদিংগী খোৎতোল্লবা শেনবা (এক্সপেন্দিচর ইষ্টিমেটস) পব্লিক্ত অথোরিটিশিংনা ফংখিবা শেনবুনশিং (ফন্দ) অমসুং শেন্থংশিংগী (গ্রান্ট) অকুপ্পা ৱারোলশিং, লাইরবগী পনখৈ মখাদা হিংলিবা মীওইশিংগী মমিংশিং (বিপিএল), খুঙ্গং চাওখৎনবগী থৌরাংশিং (রুরেল দিভলোপমেন্ট) পাইখৎপগী চাং নাইনা অনৌ-অনৌবা শিন্দোক্লিবশিং, শোইদনা থবক ফংহন্নবগী থৌরাং (ইমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি স্কিম)গী মখাদা কান্নবা ফংখ্রবা মীওইশিংগী মচা খাইবা ৱারোলশিং, খুৎ-শা হৈবগী শিনফম পাইখৎনবা অয়াবা-চে (ইন্দষ্ট্রিয়েল লাইসেন্স) ফংখ্রবশিং লোইননা পঞ্চায়টশিংদা পীথবা শেন্বা-থুন্বাগী চে-চাংশিং পনবা য়াই।

**খন্ন-নৈনদুনা শিন্দোক-শিনজিন তৌবগী অকুপ্পা ৱারোল :-**

মীয়াম্না পোরম-পোমিৎ শেন্বদা নত্রগা মখোয়বু থবক্তা ওন্থোকপদা শরুক য়ানবগী খুদোংচাবশিং লোইননা য়াওশিনবা য়াবা কাংবু (বোর্দ), খোংবুশিং (কমিটি), থোইদোকপা লুপ (কাউন্সিল) অমসুং পাওতাক পীনবা কাংলুপশিং (এদভাইজরি গ্রুপ)শিং খঙহনবা।

***খুদমদি :-*** অকক্লবা ৱাফম (ইসু) অমা পাইখৎনবা শেন্বা ম্যুনিসিপালিটি অমসুং পঞ্চায়টশিংগী খোংবুশিং, পার্লিয়ামেন্টরি কমিটিজ, থিজিন-হুমজিন্নবগী কাংবু, লোইশঙগী পোৎ-চৈ লৈনবগী কাংবুশিং (দিপার্টমেন্টেল পর্চেজ কমিটি), লোইশঙগী ফমথোন পীনবগী খোংবুশিং (দি পি সি) নত্রগা শিনলোন-শিন্থা পাউতাক পীনবা কাংবুশিং (টেক্নিকেল এদভাইজরি কমিটি) পনবা য়াই।

**ঈ-পাও লৌথোক-লৌশিনগী মরী লৈনবা মচা খাইবা অকুপ্পা ৱারোলশিং** (দিটেলস রিলেটেদ টু এসেসিং ইনফোর্মেসন) :- লোইশঙ অদুদা লৈরিবা মখল পুন্নমক্কী চে-চাংশিংগী নত্রগা থন্নিবা ঈ-পাওগী অকুপ্পা ৱারোলশিং, ঈ-পাও লৌথোক-লৌশিন তৌবদা মীকোকশিংদা ফংবা য়াবা খুদোংচাবশিং লোইননা পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার (মীয়ামগী ঈ-পাওগী ফম্নাইবা)শিংগী ফমথোলশিং অমসুং মমিং-মথাশিং অসিনি।

***খুদমদি*** **:-** মীয়ামগা উন্নবগী মতম অমদি নুমিৎশিং, লাইরিক থন্ফম (লাইব্রেরি) অমসুং পাফম কাগী হাংগদবা মতমশিং অমদি আর টি আই এক্টপু থৌপান্নদুনা (এদমিনিষ্টর)না থবক শুরিবা উন্নবা য়াবা ফম্নাইবা পুন্বগী মমিংশিং।

মাংজৌননা, কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগী থাকশিংদা লৈরিবা পব্লিক্ট অথোরিটি কয়ানা ৪শুবা ৱাকক্কী ঈ-পাউশিং অসি মখোয়-মখোয়গী ৱেভসাইটশিংদা অমসুং অতৈ অতোপ্পা পান্থৈ মখল কয়াগী খুৎথাংদা ফোংদোক্ল খ্রবনি। ভারত সরকারনা আর টি আইগী লমজং (পোর্টেল) ওইনা থাঙ্গৎলিবা ৱেভসাইট অদু থিরগা য়েংলবদি কেন্দ্র নত্রগা রাজ্য সরকারশিংগী মখাদা লৈরিবা শঙলুপ/লোইশঙ(মিনিষ্ট্রি/দিপার্টমেন্ট)শিংগী হৈনিংনা ফোংদোক্লিবা ৱাফমশিং নহাক্না লৌথোক-লৌশিন য়াগনি, ৱেভসাইট অদুদি http://w.w.w.rti.gov.in অসিনি।

পব্লিক অথোরিটিশিংনা শুকশোই শোইদনা পাংথোক্কদবা ৱাফমদি ৪শুবা ৱাকক্কী ঈ-পাও পুন্নমক পাক-শন্না ফোংদোক্কুনা মীয়ামদা ফংহনবা অসিনি। মসিদা মখোয়না পুন্নমক খোমজিন-তাশিল্লগা অমসুং থমফম তাবুনুংদা থমজিনবা অদু খক্তনা য়ারোই। মসিদি পাক-শন্না ফোংদোকপা দরকার লৈ লোইননা মসি মীচম মীয়াম্না ইরাই লাইনা খঙজ-উজনবা মওংদা- খুদম ওইনা হায়রিবা ই-পাও অদু লোইশঙ অমগী খঙহন-চেরোল থেৎফম (নোটিশ বোর্দ)শিংদা থেৎতোকপা, পাও-চেশিংদা ফোংদোকপা, সরকারগী ৱেভসাইটশিংদা থাঙ্গৎপা, মীয়ামদা ফোংনা পাওজেন্দুনা লাওথোকপা অমদি লমদমশিংদুগী মফম মফমগী ওইবা লোনশিংদা শোইদনা ফোংদোক্লবা হোৎনগদবনি।[২৪] তঙাইফদনা মিকুপতুদা ফোটোকোপি নত্রগা নমথোক্লবা পোৎ অমা ওইনা পীনবা হায়জরক্লবদি, খুদক্তা য়েংহন্নবা নত্রগা পীথোকখিনবা শেম-শাদুনা পুথোকপা ঙম্নবা কম্পুটর অমা নত্রগা চে-চাং অমগী মওংদা লৈরিবা ঈ-পাও অদু পি আই ও খুদিংমক্তা লৈগদবনি।[২৫]

## অচুম্বা ৱারেপ লৌবদা পুক্লিং থৌগৎপা ঈ-পাও (ইনফোর্মেসন দেট প্রোমোটস একাউন্টেবল দেসিজন-মেকিং):

মীয়ামগা মরি লৈননা পোরম-পোমিৎশিং (পোলিসি), থৌরাং (প্রোজেক্ট) অমদি থৌশিল (স্কিম) সরকারনা চাং নাইনা শেমই। আর টি আই এক্টতা দরকার লৈরিবদি হায়রিবা পোরম-পোমিৎশিং শেম্বদা নত্রগা ৱারেপশিং লাওথোকপদা পব্লিক্ট অথোরিটিশিংনা মরি লৈনবা অচুম্বা ৱাফম পুন্নমক অদুসু ফোংদোক্কদবনি হায়না আর টি আই এক্টনা হায়রি । মসিগী ৱাহন্থোক্তি ৱারেপশিং অদু অচুম্বদা যুমফম ওইরগা শেমখিব্রা হায়বসি লৈবাক্কী মীকোকশিংনা নিংথিনা হেন্না মিৎয়েং চংবা অমদি পোরম-পোমিৎশিংগী থৌশিল পরিংদা হেন্না থৌনা লৈনা

২৪ - ৱাকক ৪(২) (৩) অমসুং (৪) শুবা

২৫ - ৱাকক ৪(৪)শুবা

য়াওশিনবা ঙম্নবনি।[২৬] মসিদা খুদম ওইনা পনবা য়াবদি, মৈ পুথোক্লবা নত্রগা দাম শানবা লনাই লম লৌশিনবগা মরী লৈনবা করিগুম্বা খুজিল থৌরাং (প্লান)শিংগী নত্রগা লাইরবা মুৎথৎনবা নৌনা শেম্বা পোরম-পোমিৎশিং অমসুং থৌশিলশিংগী অকুপ্পা ৱারোলশিং ফোংদোক্কনি।

হৌজিক্তি পব্লিক্ত অথোরিটিশিংনা, মখোয়গী ৱারেপশিংনা মরম ওইরগা অৱা-অনা নংহনগদবা মীওই পুম্বদা মদুগী মরমশিং পীফম থোক্লে।[২৭] খুদম ওইনা য়াইফ-থৌরাং অমগী মখাদা মীকোক অমদা হান্না পীরম্বা কান্নবা অমা পীরোই হায়বগী ৱারেপ অমা লৌবা তারবদি, পব্লিক্ত অথোরিটিশিংনা মখোয়না করিগী অসুম্না তৌরিবনো হায়বগী মরমশিং শন্দোক্লা পীরগা মদুনা শোকহল্লিবা মীওইশিংদা ৱারেপ অদুগী মতাংদা অখন্নবা ইরগা পীগদবনি। অসিগুম্বা করিগুম্বা ৱাফমদা, ৱারেপশিং অদু মওং-মরিল চুম্না লৌখিব্রা হায়বসি মীয়াম পুম্নমক্না থিজিনবা ঙম্নবা ৱারেপ অদু ফোংদোক্কদবনি।

### ৪শুবা ৱাকক্কী ঈ-পাওগীদমক নহাক্না শেল তিংফম নত্রগা কুইনা ঙাইফম থোক্তে।

মরোমদোম হৈনিংনা পাক-শন্না ঈ-পাও ফোংদোকপা হায়বসি সরকারনা লেম্না পাংথোক্কদবনি হায়বসি আর টি আই এক্তা কন্না হায়রি । মসিদা অকক্লবা হায়জ-চেরোল পীশিনবা নত্রগা হায়জবগী শেল তিংবা মথৌ তাদে। মরমদি মসি হায়জ-চেরোল অমা পীশিনবা ওইনা লৌরোই, নহাক্না ঈ-পাও অদু ফংবদা নুমিৎ ৩০নি ঙাইফমসু থোক্তে। ঈ-পাও অসি নঙোন্দা খুদক্তা পীগদবনি। নহাক্না করিগুম্বা চেনাশিংগী পৈশা পীবা য়ানবা নহাক্না মদুগী মমল হংবদি য়াই, তৌইগুম্বমসুং য়েংশিন-খোৎচিনবদদি পৈশা তিংলোই। পব্লিক্ত অথোরিটিশিংনা নঙোন্দা হায়জ-চেরোল অমগা লোইননা শেল পীননবা হায়রক্লবদি, নহাক্না হায়জ-চেরোল অমত্তা পীশিনবগী দরকার লৈতে হায়বসি শোইদ্রে হায়বগী অচুম্বা খঙদোক্লবা নহাক্না মখোয়দা কেন্দ্র অমদি রাজ্যগী ইনফোর্মেসন কম্মিসনশিংদা থিদোক্লবা হায়গদবনি।

---

[২৬] - ৱাকক ৪(১) (সি) শুবা
[২৭] - ৱাকক ৪(১) (দি) শুবা

## তরুকশুবা শরুক : ঐহাক্লা ঈ-পাও ফংনবা করম্না হায়জগদগে ?

সরকারনা মশা মথন্তা হৈনিংনা ফোংদোকচবা ঈ-পাও নত্তবা অকক্লবা ঈ-পাও নহাক্লা লৌবা পাল্লবদি, খুদম ওইনা নখোয়গী লোক সভা মীহুৎ অদুনা মহাক্কী লোক সভা মফমদুগী চাওখৎনবা শেনবুন (এম পি লোকেল এরিয়া দিভেলোপমেন্ট ফন্দ) অদু করম্না শিজিন্নরিবগে, নহাক্কী য়ুমথংনবদা লৈরিবা ইরম-নালা অমদি লম্বেল শেমজিন-শাজিনবদা পৈশা কয়া য়াম্না কাইথোকখ্রবগে হায়বসি নহাক্লা খঙবা পাল্লবদি নত্রগা শঙলুপ (মিনিস্ত্রি) অমগী লোইশঙ নৌহৌননা ফজনা শেন্নগী থিকা অদুগী চেরোল অমা নহাক্লা য়েংনিংলবদি, পব্লিক অথোরিটি ওইবা অমদা ই-পাও অদু পীনবা অকক্লবা অইবা হায়জ-চেরোল অমা থাজিন্নবা হক অদু নঙোন্দা আর টি আই এক্টনা পী।[২৮]

### ১বা খোংথাং : ঈ-পাও অদু পাইরিবা পব্লিক অথোরিটি ওইরিবা অদু মশক খঙদোকপা।

নহাক্লা পাল্লিবা ঈ-পাও অদু করম্বা পব্লিক্ট অথোরিটিনা পাইরিবগে খঙদোকপা হায়বসি অহানবা নহাক্লা পাংথোকপা মথৌ তাগনি। নহাক্লা মদু কনানো হায়বা খঙদোকপা ঙমদ্রবদি নহাক্লা ঈ-পাও অদু লৈরমগনি খনবা ওইথোকপা য়াবা পব্লিক্ট অথোরিটিশিংগী মমিং পরেং অমা শেমদোকউ অমদি মদু লৈরমগদবা মানবা খ্বাইদগী নক্লবা অমা খল্লু। মসিদা নহাক্লা ফংনিংলিবদু লাল্লম্বা য়াই হায়না য়াম্না ৱারুবগী মথৌ তাদে, মরমদি আর টি আই এক্টনা দরকার লৈরিবসিদি নহাক্লা পীয়ু হায়জরুবা ঈ-পাও অদু নহাক্লা হায়জ-চেরোল পীশিল্লুবা লোইশঙ অদুদা লৈরমদ্রবা ফাওবদসু মখোয়না হায়জ-চেরোল অদু নঙোন্দা হন্দোরক্লোই, তৌইগুম্বসুং মদুগী মহুৎতা হায়জ-চেরোল অদু মরী লৈনবা পব্লিক্ট অথোরিটি অদুদা নুমিৎ ৫ (মঙা)নিগী মনুংদা থংদোকখিনবগী (ট্রান্সফার) মখোয়গী থৌদাং অমা লৈ।[২৯] নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু থংদোকখিবা তারগদি, অহানবা পব্লিক্ট অথোরিটি অদুনা থংদোকখিবা (ট্রান্সফার) অদুগী মরমদা নঙোন্দা অইবা চেরোল ওইনা খঙহল্লক্নি। অনিশুবা পব্লিক্ট অথোরিটি অদুনা নহাক্লা হায়জখিবা ঈ-পাও অদু মশাগী ওইবা নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা পীবা হায়বসি মহাক্কী তৌদবা য়াদবা মথৌ (রেসপোন্সিবিলিটি)নি।

***খুদম ওইনা :*** নখোয়গী য়ুমল্লোন্নবা নাকলগী লৈরক (বাইলেন) অমা শেন্নবা শেল কয়া য়াম্না কাইথোকখ্রবগে হায়বসি নহাক্লা খঙনিংলগদি, নখোয়গী মফম অদুগী লম্বী অমসুং মীয়ামগী শেমগৎ-শাগৎপগী (পব্লিক ৱার্ক্স) লেংথোং য়ারিবা লমদমদুগী ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (লন্নাই লৈঙাক চৎনরিবা অদুগী অপুনবা খুৎপু) অদুদা হায়জ-চেরোল অমা নহাক্লা পীশিনবা তাবনি নত্রগা নহাক্কী নৌনা শমগদবা ইলেক্ট্রিক (মৈ)গী পীশিনখিবা হায়জ-চেরোল অদুগী ফিবম কমদৌরিবগে হায়বা খঙনিংলগদি, নহাক্লা ইলেক্ট্রিসিটি লোইশঙদা নত্রগা প্রাইমারি হেলথ ক্যার সেন্টরশিংদা ফংলিবা লেম্না অনা-লায়েংবগী মখল-মখাগী থবক-থনাশিংগী অকুপ্পা ৱারোলশিং খংনিংবা তারবদি, নহাক্লা হকশেল লোইশঙদা হায়জ-চেরোল অমা পীশিনবা তাই।

---

[২৮] - ৬(১) শুবা ৱাকক

[২৯] - ৬(৩) শুবা ৱাকক

## ২শুবা খোংথাং : পব্লিক্ত অথোরিটিশিংগী মনুংদা নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু কনাদা পীশিনগদগে খঙদোকপা ।

নহাক্না পামলিবা ঈ-পাও অদু পাইরিবা পব্লিক্ত অথোরিটি অদুবু নহাক্না অমুক্তং মশক খঙদোক্লবদি, হায়জ-চেরোল অদু কনাদা পীশিনগদগে হায়বসি নহাক্না ৱারেপ লৌবা দরকার লৈ । লোইশঙ খুদিংমক্কী ফম থিন্দোকখ্রবা পি আই ও অমদি এ পি আই ওশিং অদুগী মমিং পরেং অমা মরী লৈনবা লোইশঙ অদুগী ৱেবসাইটতগী নত্রগা লোইশঙ অদুদা হকথেংননা চৎলগা অমদি মখোয়দা লমজিং-লমতাকপিনবা হংলগা নহাক্না ফংবা ঙমগনি।[৩০] নহাক্না খঙজিনগদবা ৱাফম অমদি নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু নহাক্না এ পি আই ও অমদা পীশিল্লুরবদি, নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদুদা পাওখুম অমা হল্লক্লুবগী মতমগী পনখৈ অসি নুমিৎ ৩০নিদগী ৩৫নিদা হেনগৎখ্রগনি। আর টি আই এক্টনা দরকার ওইরিবদি লোইশঙ খুদিংমক্না পি আই ও অমদি এ পি আই ওশিংগী মমিং পরেং অমা ইলেক্ট্রোনিক নত্রগা নমথোক্লবা মওংদা থমফম থোকই।

হায়জ-চেরোলশিং লৌশিন্নবা অমসুং থবক লৌখৎনবা আর টি আইগী মখাদা কোনশিল্লিবা পব্লিক্ত অথোরিটি খুদিংমক্না পি আই ওশিংগী ফমদৌ থিন্দোকপা মথৌ তারবসু, তশেংনা থবক ওইনা পাংথোকপদা লৈরিবা পাওদমদি পব্লিক্ত অথোরিটি খরদি হৌজিকসু পি আই ওশিং লাওথোক্কদবা ৱাৎলি অমদি মসিদা যুমফম ওইরগা মখোয়না ঈ-পাও লৌগে হায়জরকপা হায়জ-চেরোল/ৱাকৎ-চে কয়া নাথৈরি। নহাক্না অসিগুম্বা ফিভম অমা মাইয়োক্নরবদি ৱারু অদুগী মতুং ইন্না চুনবা সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কম্মিসন নত্রগা ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা নহাক্না হকথেংননা ৱাকৎপা য়াই অমসুং পি আই ওশিং অদু থুনা হাপ্পিনবা দাবি তৌবা য়াই (৮শুবা শরুক্তা হেন্না কুপ্পা ৱারম য়েংসি)। হায়রিবা ইনফোর্মেসন কম্মিসনশিং অসিনা দরকার লৈবা সেন্ট্রেল নত্রগা ষ্টেট ইনফোর্মেসন ওফিসারশিং হাপনবগী শক্তি লৈ ।[৩১]

## ৩শুবা খোংথাং :- অশেংবা পাদম লাকপা হায়জ-চেরোল অমা ইবা (ড্রাফ ক্লিয়র ফোক্কস এপ্লিকেসন)

ইংলিস, হিন্দি নত্রগা নখোয়গী লম অদুদা চৎনরিবা লোয়শঙ লোন (ওফিসিয়েল লেঙ্গুয়েজ) অদুদা নহাক্না হায়জ-চেরোল অমা খুৎই নত্রগা ইলেক্ট্রোনিক্কী মওংদা ইবা য়াই।[৩২] নহাক্কী হায়জ-চেরোল অমা ইথোকপা মতমদা, য়ামনা মরু ওইবা ৱাফমদি নহাক্না হায়জরিবদু য়াম্না ময়েক শেংনা অমদি ৱাহন্থোক লৈবা অশম্বা মওংদা ইয়ু। মসিদা খ্বাইদগী মথৌ তারিবদি নহাক্না হেক ঙল্লিবমখৈ নহাক্কী হায়জরিবদু অকক্লবা ওইহল্লু; মদুদি নহাক্না পাল্লিবা ঈ-পাও অদুতং নহাক্না ফংগনি অমদি নহাক্না পামদবা চে-চাংশিং অদুনা পোৎলুম অমা ওইহন্দনবা লোইননা মদুগীদমক নহাক্না শেল তিংদবা য়ানবা মওংদনি। য়াম্না মরু ওইবদি পি আই ও অদুনা নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু খঙবদা চমমৈ, ময়েক শেংদে হায়বগী মীংদা চেরোল অদু হন্দোরক্তনবা নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদুদা অকক্লবা হিরমশিংদমক পন্দুনা ইগদবনি হায়বসি য়াম্না মরু ওই।

[৩০] - অমরোমদা, পি আই ও অমসুং এ পি আই ওশিংগী মমিং পরেং ইং ২০০৬কী মার্চ ২০দা ফোংদোকখিবা খঙদোক্লবা ভারত সরকারগী ৱেব সাইট http://www.rti.gov.in দা য়েংবা য়াই

[৩১] - ১৯(৮)(এ) (ii) শুবগী মতুং ইন্না

[৩২] - ৬ (১) শুবগী য়েংসি

নহাক্না ঈ-পাও পাল্লিবদু করি মরমগীনো হায়না শন্দোক্লা তাকপগী মথৌ তাদে।

এক্তসিদা য়াম্না থাঙ্গৈশেংনা পল্লিবদি ঈ-পাওগী অকক্লবা শরুক অমা করিগীদমক নহাক্লা খঙবা পাল্লিবনো হায়বসিগী মরমশিং নহাক্লা পীবগী মথৌ তাদে।[৩৩] নহাক্কী হায়জ-চেরোলদা নহাক্লা পাল্লিবা ঈ-পাও অদু করিদা শিজিন্নবগীদমকনো নত্রগা করি মরমগী পাল্লিবনো শুকহায় হায়দনা নহাক্লা করিগুম্বা মখলগী ঈ-পাও অমা পীয়ু হায়জবা ঙমই। মসিনা খঙহল্লিবা অশেংবা ৱাফমদি ঈ-পাওগী হক হায়বসি **নহাক্কী হকনি** অমসুং নহাক্লা হায়জরিবদু চুমই হায়না মরম পীদুনা নহাক্লা অমুক হায়বগী দরকার লৈতে। অরোনবা হায়বসিদি হৌজিক্তি অচুম্বনি হায়না উৎপা তাবনি। হৌজিক্তি ঈ-পাও পীরোই হায়রবদি মদু কৈদৌবগী পীরোইদৌরিবনো হায়বগী মরম পীবগী মথৌ তাই।

রাজ্য সরকার খরনা পীথোক্লবা দাবি তৌজবা লৈরবসু, হায়জ-চেরোলশিং শেম-শাবদা শিজিন্নগদবনি হায়বা অকক্লনা অখন্নবা মওং-মতৌ (ফোর্ম) অমত্তা এক্ত অসিনা অতম্লনা পীদে। য়ামনা ময়েক শেংবদা, কেন্দ্র সরকারগী রাইট টু ইনফোর্মেসন (রিগুলেসন ফি এন্দ কোষ্ট) রুল ২০০৫ দসু হায়জ-চেরোলশিংগী অকক্লবা নমুনা পীথোক্তে। মসিগী মখা তারকপদা, হায়জ-চেরোলশিং অদু অকক্লবা নমুনা অমদা শেম-শানবা রাজ্য সরকার খরনা ময়েক শেংনা হায়খ্রে, তৌবতবু মদু অকক্লবা মওং অমদদি নত্তে।[৩৪] শিংথানিংঙাই ওইবা কন্মিসননা পীখিবা ৱায়েন ৱারোইশিন (রুল) অমদা ঈ-পাও ফংনবা হায়জ-চেরোল অমা হায়বসি তঙাই ফদনা চেজম অমদা ওইরবসু মদু চৎনবা য়াবা হায়জ-চেরোল (ফোর্মেল এপ্লিকেসন) অমা ওইনা লৌগদবনি হায়বসিনি। লৈঙাক থৌশিলগী হিরমশিংগীদমক সরকারগী লোইশঙশিংনা মওং মতৌ অমা পীথোকপদি য়াই; তৌইগুম্বমসুং মসিনা ফোটো কোপিগী মওংদা নত্রগা চেজমদা পীরকপা য়াবা খুৎনা ইবা হায়জ-চেরোলশিংদা অথিংবা পীবদি য়াহল্লোইদবনি।[৩৫]

## ৪শুবা খোংথাং : নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু পীশিনবা

হায়জ-চেরোল অদু শেম-শাবা লোইরবা মতুংদা নহাক্লা মখাগীশিং অসিদা মদু পীশিনবা মথৌ তাই; মদুদি :

- নহাক্লা পাল্লিবা ঈ-পাও অদুগী লৈফম ওইরিবা পব্লিক্ত অথোরিটি অদুগী (এস) পি আই ও অদুদা নত্রগা
- নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু মরি লৈনবা পি আই ওশিংদা য়ৌহনখিনবগী থৌদাং লৈবা, নহাক্কী অনকপদা লৈবা সব-দিষ্ট্রিক্ত নত্রগা সব দিভিজিনেল থাক্তা লৈরিবা এ পি আই ও অদুদা,

নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু নহাক নশানা খুৎথেংননা নত্রগা দাগঘরগী খুৎথাংদা, ফেক্স নত্রগা ই-ম্যেল ওইনা নহাক্লা পীশিনগনি। নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু নহাক্লা চিথি ওইনা থারবদি নহাক্লা মসি রেজিষ্টার তৌরগা নত্রগা অন্দর সার্টিফিকেৎ ওফ পোষ্টিং (য়ু সি পি)গী মখাদা থাগদবনি । অদু ওইরবদি নহাক্লা দাগঘরদা চিথি ওইনা থাখিবগী প্রমান লৈরে অমদি পি আই ওনা হায়জ-চেরোল অদু শুকফং ফংখিদে হায়না চেনবা ঙল্লরোই। নশামক্লা নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু পিশিল্লুবা তারবদি, মতম লৈবা খিবিক্তা হায়জ-চেরোল অদু ফংলে হায়বা চেনিং নত্রগা খুৎনম অমা শোইদনা পীনবা হায়গদবনি (রিসিপ্ত ক্লার্কতা অদুম পীশিল্লু)। ফংলে হায়বগী চেনিং অদুদা হায়জ-চেরোল অদু করি নুমিৎতা অমসুং করন্বা মতমদা ফংবনো, মসি কদাইদা অমসুং কনানা লৌশিনখিবনো হায়বদু তাকহল্লক্ক দবনি।

---

[৩৩] - ৬ (২) শুবা ৱাকক

[৩৪] - মহারাষ্ট্রা অমসুং গুজারাট আর টি আই ফি রুলসনা মচাক শুনবু য়াওরগদি অচন্বা চেজমদা ইবা হায়জ-চেরোলশিং চৎনবা য়াহল্লি।

[৩৫] - ইং ২০০৬, ফেব্রুৱারী ৮দা এন দি টি ভিগী 'স্লম দ্বেল্লর ৱিন্স রাইট টু ইনফোর্মেন্সন' হায়বা NDTV.com দা য়েংবা য়াই।

হায়জ-চেরোল অমগী মখা তাবা থবক লৌখৎত্রিঙৈ মাংওইননা হায়জ-চেরোল অদুগী থিফম থোকপা পৈশা শেঞ্জং (ফি) পীদবা য়াদে হায়বসি আর টি আই এক্টতা য়াওরি। কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারশিংনা তোঙান তোঙানবা থিফম থোকপা পৈশাগী চাংদা (৩শুবা চেহাপতা অকুপ্পা ৱারোল য়েংসি) লেপ্পী। নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু নহাক নশামক্কা খুৎথেংননা পিশিনবদা, পি আই ও নত্রগা এ পি আই ও অদুনা খুদক্তা মদু ফংলে হায়বগী চেনিং অমা মহাক্না নহাক্কী হায়জ-চেরোল ফংবগী মতম, নুমিৎ অমদি হায়জ-চেরোল অদুগী থিফম থোকপা পৈশা মহাক্না ফংলে হায়বা খঙহনদুনা পীরক্কদবনি। লোইশঙ খরদদি পি আই ওনা থিফম থোকপা পৈশা মখোয়না ফংলে হায়নিংদবসু লৈবা য়াই, অদুবু নহাকপু অতোপ্পা কাদা থাদুনা পৈশা থিহনবা (টি আর ককহনবা)গী অয়াবা পীবসু য়াই। অসিগুম্বা করিগুম্বা মতাং অমদা, নহাক্না করিগুম্বা পৈশা পিখিবগী ফংলে হায়বগী চেনিং অমা লৌরকপদি শোইবা য়াদে। অতোপ্পা মওংদা নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু নহাক্না চিথি ওইনা থারবদি, থিফম থোকপা পৈশা অদু দিমান্দ দ্রাফ, বেঙ্কর চ্যেক নত্রগা মণিওর্দর (মণিপুরদা চৎনদ্রি) ওইনা নহাক্না পীবা য়াই, তৌইগুম্বসুং নহাক্না শেল ওইনা থিরগদি নহাক্কী পৈশা অদু ফংলে হায়বগী চেনিং (রিসিপ) অমা নঙোন্দা থারকপা, হায়জ-চেরোলদুদা ইশিল্লকপা মথৌ তাই।

হায়জ-চেরোলগী অচংবা থিফম থোকপা পৈশাশিং (নত্রগা ঈ-পাও লৌবগী অহেনবা পৈশাশিং) থিনবগীদমক করিগুম্বা মওং অমা আর টি আই এক্টনা অকক্লনা পীদে। পৈশা থিবগী মওং-মতৌশিং অসিদি কেন্দ্র নত্রগা রাজ্য সরকারশিংনা শেম্বা ফি রুলস (অচংবা থিফম থোকপা শেঞ্জংগী নিয়মশিং) শেম্বদা পনবনি (অকুপ্পা মরোলদি ৩শুবা চে হাপতা য়াওরি।) পৈশা থিবগী থৌওং মখলশিং অসি রাজ্য খরনদি পনখৈ পী; মদুদি নহাক্না দিমান্দ দ্রাফ, বেঙ্কর চেক নত্রগা শেল ওইনা খক্তং পীবা ঙমগনি হায়না খঙহল্লি। ফিদম্লফমগী ওইনদি নন-জুদিসিয়েল ষ্টাম্পস অমসুং পোষ্টেল ওর্দরস য়াওনা পাক-চাওনা লৈরিবা অপাম্বা খঞ্জনবগী লম্বীশিংদগী নহাক্না অপাম্বা খনবা ঙমফম থোকপনি। অচংবা থিফম থোকপা পৈশা নহাক্না করম্না থিগদগে হায়বসিদা চিংনরবদি নখোয়গী সরকারনা শেম্বা নিয়ম-নিতিশিং অদু চুম্না হায়না নহাক্না য়েংথোকপা তাই অমদি/নত্রগা পি আই ও নত্রগা এক্ট অসিবু থবক্তা ওন্থোকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা থৌবু/ লোইশঙ অদু উন্নবা য়াই মরমদি মখোয়না নহাকপু মতেং পাংবিগনি।

### লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীওইশিংদি ফি থিরোই[৩৬]

আর টি আই এক্টকী মখাদা কনাগুম্বা লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীওই (বি পি এল) অমনা ৱাকৎলোই(এপ্লিকান্ট) ওইরবদি করিগুম্বা অচংবা থিফম থোকপা শেঞ্জং (ফি) অমত্তা পীররোই । ঈ-পাও লৌনবগীদমক হায়জবদা, বি পি এলগী চেতাক (কার্দ হোলদর) পাইরবশিংগীদি প্রমান ওইনবা মখোয়গী বি পি এলগী শক্তাক-চে অদুগী চেনা অমা নত্রগা মখোয়গী মমিং য়াওবা বি পি এলগী মিং পরেংদগী শৎতোকপা শরুক (এক্সত্রেক) নত্রগা মতিক থোকপা ফম্নাইবা অমগী খুৎনম পীরবা প্রমান-চে অমা হাপ্পগী দরকার লৈ। অতোপ্পা মওংদা হায়রগা, ইশানা হায়জ-চেরোল অমা পীশিনবা মতমদা, বিপিএলগী থাক্কী ৱাকৎলোইশিংগী লৈরিবা হক অমদি পি আই ও অদুনা মখোয়গী হায়জ-চেরোল মথক্তা মখোয়গী বি পি এলগী থাক অদু শকখংলে হায়বগী প্রমান ওইবা একনোলেজমেন্ট অমা পীরক্কদবনি। বি পি এল থাক্তা হিংলিবশিংনা পীশিল্লিবা মখোয়গী হায়জ-চেরোল অদুদা পি আই ও অদুনা মদু ফংলে হায়না শকখঙনবগী প্রমান ওইনবা খুৎনম অমা থল্লক্লগা মদুবু ফংবা হায়বসি বি পি এল ৱাকৎলোইশিংগী হক অমনি।

[৩৬] - ৭(৫) শুবা ৱাকক

## আর টি আইগী মখাদা শিজিন্নবা য়ারবা হায়জ-চেরোলশিংগী নমুনা *

নহাক্না হায়জ-চেরোল অমা ইবদা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফমদি নহাক্না পাম্লিবা ঈ-পাও অদু মপুং ফানা শেংনা খঙহনবা ঙম্নবা নহাক্কী ৱাহংশিংদা নহাক্না ইরিবা ৱাহৈশিং অদু ৱাকোই য়াওদনা ইগদবনি। য়ামদ্রবদা পি আই ও অমনা নহাক্না পাম্লিবা ঈ-পাও অদু নঙোন্দা পীবা ঙম্নবা নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদুদা মরি লৈনবা মচাকশিং মতিক চানা য়াওহনগদবনি। আর টি আই এক্টকী মখাদা হায়জ-চেরোল অমা হায়বসি মখাদা পীরিবা অসিগা হাইরপ মান্নবা য়াই; মদুদি

### রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্টকী সেক্সন ৬(১)গী মখাদা চে-চাং পীবিনবা হায়জ-চেরোল

To,

The State Public Informatoin Officer
Office of the Deputy Commissioner, Imphal East District✦
Government of Manipur Porompat - Imphal

| | | |
|---|---|---|
| ১ | হায়জরিবা মীগী মিং | তখেল্লম্বম দেমোনা চনু |
| ২ | অপোকপগী মিং | তখেল্লম্বম সনাহল মীতৈ |
| ৩ | লৈফম | কোংবা উচেক্কোন মোরিবা, পি ও - শিংজমৈ, পি এস - ইরিলবুং পিন নম্বর - ৭৯৫০০৮ |
| ৪ | খঙনিংলিবা ঈ-পাওশিং | উচেক্কোন নোংচুপ গ্রাম পঞ্চায়ৎতা পায়খৎলিবা এন আর ই জি এসকী মতাংদা মখাগী চে-চাংশিং অসি পীবিনবা হায়জরি।<br>ক) ইং ২০০৮-০৯ গী ওইনা সেঙ্কসন তৌরবা ডিষ্ট্রিক্ট প্লানগী মনুংদা পঞ্চায়ৎ অসিদা পায়খৎলিবা এন আর ই জি এস থবকশিংগী ডিটেল প্রোজেক্ট কোসকী কোপিশিং পীবিয়ু।<br>খ) ইং ২০০৯-১০দা পায়খৎকদবা ৱার্ক প্রোগ্রাম লেপ্পুখিবা গ্রাম সভা মীতিং অদুগী প্রোসিদিংস কোপী অমা পিবীয়ু।<br>গ) ইং ২০০৮-০৯ দা শীন্নীশিংনা থবক শুখিবগী অমসুং খুৎশুমল ফংখিবগী মাষ্টর রোলশিংগী ফোতো কোপী অমমম পীবিয়ু। |
| ৫ | ঈ-পাও থারকফম | তখেল্লম্বম দেমোনা চনু<br>তখেল্লম্বম সনাহল মীতৈ, কোংবা উচেক্কোন মোরিবা<br>পি ও - শীংজমৈ, পিন নম্বর -৭৯৫ ০০৮ |
| ৬ | পাম্লিবা ঈ-পাওগী মওং মতৌ | সার্টিফাইদ কোপী |
| ৭ | ৱাকৎপগী ফী পীবগী মওং | শেল ওইনা লুপা ১০/- পীরে। |

হায়জরিবা মীওইগী খুৎনম

তারিক / ইম্ফাল ........................ ........................

* মসি হায়জ-চেরোলগী ইচম চম্বা নমুনা অমনি। নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদুদা করি করম্বা অকুপ্পা ৱাফমশিং য়াওহনগদগে হায়বসিদি নহাক্না ঈ-পাও হংলুরিবা পব্লিক্ট অথোরিটিদুগী পি আই ও অদুগা তান্নরগা অশেংবা খঙদোকপনা হেন্না ফগনি হায়বসি সি ঐচ আর আইগী ৱাখল্লোননি।

✦ নহাক্না এস পি আই ও অদু তশেংনা চিংনরবদি অসুম্না মাগী ওফিস ওইনা হাপ্পা য়াই।

নত্রগা

টু

দি সেন্ট্রেল পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার/সেন্ট্রেল এসিস্টেন্ট পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার)
(লোইশঙ অদুগী মমিং ইবা)

(থিকানা হাপ্পা)

1. Full Name of the Applicant কবিতা জোশি (হায়জরিবা মীগী মপুং ফাবা মিং)
2. Address (লৈফম) :- ১০৫শুন্দর নগর, ২শুবা ফ্লোর, নিয়ু দিল্লি - ১১০০০৩
3. Phone Number (ফোন নম্বর) :- (০১১) ২৪৩৬৭৪৮৯ (মণিপুরদদি ফোন হাপ্তুবনা ফৈ)
4. Application submission date :- মার্চ ১০, ২০০৬ (হায়জ-চেরোল পীশিনবা নুমিৎ)
5. Name of the Department :- পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (লোইশঙগী মমিং)
6. Details of Information requested :- (পীনবা হায়জরিবা ঈ-পাওগী অকুপ্পা ৱরোলশিং)

ঐগী যুম মমাংগী লম্বী অসি করিগী চপ চানা লৈত্রিবনো হায়বসি ঐনা খঙবা পামই ? হায়বগুম্বা ময়াম্না হংনবা ৱাহং ইরোইদবনি মসিনা হেন্না চমন্নবা পাওখুম অমা ফংলকপসু য়াই; মসিগী মহুৎতা

(অ) আই আই টি ফ্লাই ওভর অমসুং এদচিনি অনিগী তাইনবদা লৈরিবা ঔরোবিন্দো মার্গ অসি শেমজিন-শাজিন্নবা হৌখিবা চহি অনি অসিদা শেল কয়াম কাইথোকখ্রবগে!

(আ) লম্বেল অসি চপ চানা শেম্নবা হোৎনবদা (ফিক্সিং) তশেংনা লুপা কয়া কাইথোকখ্রবগে ?

(ক) থবক অসিগীদমক থিকা লৌখিবা মীওই অদু কনানো ?

(খ) থিকা অদুদা অসুম্না শাগদবনি হায়না পীখিবশিং (টেন্দর স্পেসিফিকেসনস) অদু করি করি ওইখিবগে ?

(গ) করম্বা মতমদা লম্বেল অসি শেম্বা লোইখিবগে ?

(ঘ) থিকা অদুদা অসুম্না শাগদবনি হায়না পীখিবশিং অদুগী মতুং ইন্না থবক অসি শুবা লোইরে হায়না শকখঙ খুৎনম পীখিবা (ভেরিফাইদ) ফম্নাইবা অদুগী মমিং অমদি ফমথোন করিনো ?

7. Period for which information is requested :- (হায়জরিবা ঈ-পাও অদুগী মতম) :- জানুৱারি ২০০৫দগী হৌজিক ফাওবগী)
8. Form of Information Requested :- পীনবা হায়জরিবা ঈ-পাওগী মওং কোপি/থবক ওইনা য়েংশিনবা/রিকোর্দশিং য়েংবা/রিকোর্দশিংগী সার্টিফাইদ কোপি/সার্টিফাইদ সেম্পল
9. Details of Fee payment(শেল থিবগী মরোল) :- রিসিপ নং....... মার্চ ১০, ২০০৬
10. Does the applicant fall below the proverty line (হায়জরিবা মীওই অসি লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈব্রা) :- লৈ / লৈতে (লৈরগদি বি পি এল কী চেরোল অদু হাপচিনবা)

Signature of the Applicant
(হায়জরিবা মীওইদুগী খুৎনম)

## ৫শুবা খোংথাং : ৱারেপ অমা লৌরকপা ঙাইশি

পি আই ও অদুনা নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু অমুক্তং ফংখ্রবা, থিফম থোকপা শেঞ্জংগা কোন্ননা মপুং ফাখ্রবা, মসিগী থবক অসি য়ারিবমখৈ ঙমজবী থাক্তা থুনা থবক লৌখৎপা হায়বসি মহাক্কী মথৌনি; তৌইগুম্বসুং মহাক্না হায়জ-চেরোল অদু হেক ফংবা নুমিৎতগী পারগা নুমি ৩০নিদগী হেন্না থেংথবদি য়াদে।[৩৭] কনাগুম্বা এ পি আই ও অমনা হায়জ-চেরোল অদু থংদোরকপা ওইরগদি পীরিবা মতমসিদা অতোপ্পা নুমিৎ মঙানি অমা হাপচিনগনি।[৩৮] তৌবতবু পীয়ু হায়জরক্লিবা ঈ-পাও অদুনা কনাগুম্বা মীওই অমগী পুন্সি অমদি মনিং মখা তম্বগী মতাংদা শোইফদ্রবা মরু ওইবা ৱাফম ওইরগদি, পুং ৪৮গী মনুংদা ৱারেপ অমা লৌফম থোকই।[৩৯] খুদম ওইনা, এরেষ্ট ৱারেন্ট নত্রগা এরেষ্ট মেমো য়াওদনা কনাগুম্বা মীওই অমবু পুলিসনা ফাখ্রবদি, মহাক্কী ইমুং-মনুং নত্রগা মরুপ-মপাংশিংনা নত্রগা কনাগুম্বা থার্দ পার্টি অমনা ওইরবসু মহাকপু কদাইদা লৈবগে হায়বসি পুলিসকী পি আই ও অদুদগী খঙনবা হংবা ঙমই অমদি নুমিৎ নিনিগী মনুংদা (ছুটি নুমিৎসু পাগনি) পাওখুম অমদি পীগদবনি। অসিগুম্বা হায়জ-চেরোল অমা ইবা মতমদা, নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু লৌথোক লৌশিন তৌবদা পি আই ও অদুনা মতম থেংথদনবা হায়রিবা হায়জ-চেরোল অদু নহাক্না করিগীদমক "পুন্সি অমদি মনিং-মখা তম্বগা" মরী লৈনৈ হায়না খল্লোইদৌরিবনো হায়বগী শন্দোক-ৱারোল অমা হায়জ-চেরোল অদুদা য়াওহনবা হায়বসি অফবা থবক খুৎথা অমনি।

---

[৩৭] - ৭(১) শুবা ৱাকক

[৩৮] - ৫(২) শুবা ৱাকক

[৩৯] - ৭(১) শুবা ৱাকক

## অহানবা ফ্লো চার্ট :- হায়জ-চেরোলগী খোংথাং পরিং

**১বা খোংথাং**
খংনিংল্লিবা ৱাফমশিং অদু মুন্না খল্লু; ৱাহং অমা শেন্মু - ঈ-পাও অসি লৈরমগদবা পব্লিক্ট অথোরিটি অমদি পি আই ও অদু খঙদোকউ ।

**২শুবা খোংথাং**
নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু ইথোকউ অমদি মদু পি আই ও অদুদা হায়জ-চেরোলগী থিফম থোকপা পৈশাগা কোন্ননা পীশিল্লু

পব্লিক্ট অথোরিটিশিংদা লৈতবা ঈ-পাও পি আই ও অদুনা মরী লৈনবা পব্লিক্ট অথোরিটি অদুদা নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা হায়জ-চেরোল অদু থংদোকখিগনি। মদুগী পাও নঙোন্দা অইবা ওইনা খঙহল্লক্কনি।

- এস পি আই ও অদুনা লৌশিল্লু যাদ্রবদি রেজিষ্টার পোষ্টতা থিফম থোকপা ফিগা কোন্ননা থাজিনখো নত্রগা

- ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা ৱাকৎলু

**৩শুবা খোংথাং**
নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু য়াবিবা নত্রগা য়াবিদবা হায়বসি নুমিৎ৩০নিদি পি আই ওগী মখুৎতা লৈ।

**১বা ওইথোকপা য়াবা পাম্বে**
হায়জ-চেরোল অদু য়াদ্নুনা লৌশিনখিবা

পি আই ও অদুনা নঙোন্দা অইবা ওইনা হায়রক্কদবশিং :
অহেনবা শেনফম থিরনবা
থিফম থোকপা ফি অদু অমুক হন্না খন্নবিনবগী হক্কা মরি লৈনবা ঈ-পাও, ঈ-পাও লৌথোক-লৌশিনগী মওং অপিল তৌনবগী মরি লৈনবা নমথোল্লুবা ফোর্ম অমসুং অপিল্লেট অথোরিটিগী অকুপ্পা ৱারোলশিং।

বি পি এলগী থাক্তা হিংলিবা মীওইশিংগী (লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈরিবশিং)দি থিফম থোকপা শেঞ্জং অমত্তা পীরোই।

পব্লিক্ট অথোরিটিশিংনা অপীবা মতমগী মনুংদা ইনফম থোকপশিং ইন্দ্রগদি ঈ-পাও অদু লেম্না পীগনি।

**২শুবা ওইথোকপা য়াবা পাম্বে**
হায়জ-চেরোল অদু য়াদদুনা লৌশিন্দ্রবা (অপীবা মতমগী মনুংদা ৱারেপ অমত্তা পীরক্তবদি মদু য়ারক্তে হায়না লৌরগনি অমসুং নহাক্না আপিল তৌবা য়াই।

পি আই ওনা নঙোন্দা অইবা ওইনা খঙহল্লক্কদবশিংদি :-
- হায়জ-চেরোল অদু য়াদ্রবা
- করিগুম্বা অপিল তৌগে হায়বগী অকক্লবা মতম
- আপিল তৌরুগদবা মথক থোংবা মীওই (আপিল্লেট) অদুগী অকুপ্পা ৱারোলশিং

ঈ-পাও হেন্না খঙনিংবগীদি লমাই ৪৪শুবদা পীরিবা আপিল তৌনবগী শেম-শাবগী ফ্লো চার্ট অদু অমুক য়েংবা কান্নগনি।

## তরেৎশুবা শরুক : ঐহাক্কী হায়জ-চেরোলদা ৱারেপ অমা কমদৌনা লৌরকপগে ?

নহাক্না পামজরিবা অদুগী মতাংদা থবক লৌখৎলকপদা পি আই ও অদুনা খুদক্তা লেপথোকপা মথৌ তাগদবা ৱাফমদি নহাক্না পীনবা হায়জরিবা ঈ-পাও অদু :-

(অ) লোইশঙ অদুদা লৈব্রা অমসুং লৈত্রগদি অতোপ্পা পব্লিক্ট অথোরিটি অমদা মসি থংদোকপগা (ত্রান্সফার) লোইননা থংদোকখিব্রা অদুগী মরমদা নঙোন্দা অইবা খঙহন-চে (নোটিস) অমা পীবা;

(আ) অহুমশুবা কাংবুগা (থার্দ পার্টি) মরী লৈনবা অরোনবা ঈ-পাও ওইব্রা অমদি মরমসিনা ৱারেপ অমা লৌদ্রিঙৈদা ৩শুবা কাংবু অদুগা তান্ন-তিক্লবগী মথৌ তাব্রা লোইননা;

(ই) পীবা য়াদবগী অথিংবা মরম লৈব্রা (ইকজেম্পসন) অমসুং মসি ফোংদোকপদা মীয়ামগী য়াইফগদবা করিগুম্বা অমা লৈব্রা ?

### ঈ-পাও অদুনা থার্দ পার্টি (অহুমশুবা কাংবু) অমা চেন্নরবদি কমদৌবা ?

মহৌশানা হায়জ-চেরোল লৌশিল্লিবা পব্লিক্ট অথোরিটিশিং অদুগা মরী লৈননা সরকারনা শেমগৎলকপা ঈ-পাওশিং অদু মীয়াম্না ফংনবা হায়জ-চেরোলশিং থানৈ। অসিগুম্বা থৌদোকশিংদা, হায়জখ্রিবা অদু পাংথোক্ল বা থৌরম পরিং (প্রোসেস) অসিদা হায়জরিবা মীওই অমদি পব্লিক্ট অথোরিটি হায়বা কাংবু অনিখক য়াওরি। অদুমকপু, করিগুম্বা মতমদা হায়জরোইশিংনা অতোপ্পা অহুমশুবা কাংবুগা মরি লৈনবা য়াবা ঈ-পাও হংবসু লৈ। খুদম ওইনা, মায়োক্নবা লম্বা (রাইভেল) কম্পনি অমনা পীশিনখিবা টেন্দর (থিকা থবক্কী নিলাম-চে) নত্রগা নহাক্কা থবক শুমিন্নবা নমান্নবা অমদগী নখোয়গী এম পিদা ইবা চিঠি অদু নহাক্না য়েংথোকপা পাল্লবদি, কম্পেনি অমসুং নহাক্কী নমান্নবা অদু অহুমশুবা কাংবু অমনি।

মতম খুদিংমক্তা নত্রগসু, করিগুম্বা মতমদা হায়জ-চেরোলশিং অদুগী মরমদা অহুমশুবা কাংবুশিং অদুগা খন্নবা হায়বসি আর টি আই এক্টনা দরকার ওই। অহুমশুবা কাংবু অমগা খন্নগদবা মথৌ তারকপা মতাংদি :-

- ঈ-পাও অদু পীথোক্লগে হায়না পি আই ও অদুনা খল্লক্লবা অমসুং
- অহুমশুবা কাংবু অদুনা "অরোনবা ওইনা" পব্লিক্ট অথোরিটি কাংবুদা পীখিবা নত্রগা অহুমশুবা কাংবু অদুগা মরী লৈনবা ঈ-পাও ওইরবা অমসুং
- ঈ-পাও অদু অরোনবা ওইনা থার্দ পাটি (অহুমশুবা কাংবু) অদুনা খল্লবা অসিনি।

অরোইবগী চংদ-য়াদবা মতাং অসি য়াম্না মরু ওই। ঈ-পাও কয়া অমদি থার্দ পাটিগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়জরগসু, অহুমশুবা কাংবু অদুনা অরোনবা ওইনা খল্লমগদবা ঈ-পাওদি থৌদোক মশিং খরখক্তগীনি। লেম্না পীবা শেন্থং (সবসিদি)শিং নত্রগা অয়াবা (পার্মিট) ফংলিবা মীগী মমিংশিং, সরকারগী থিকা (কন্ট্রেক্ট) নত্রগা

খোংবু (কমিটি)শিংদা চে থাজিনখিবশিং অদুগুম্বা ঈ-পাওদি অহুমশুবা কাংবুশিং চেন্নজরবসু, থার্দ পাটিগী অরোনবা ঈ-পাও য়াওদে অমদি মরমসিনা অহুমশুবা কাংবু অদুগা লোইননা খন্নবগী মথৌ তাদে।

মথক্তা পনখিবা হিরম অহুমগী চাংয়েং অসিদা অপেনবা পোল্লবদি, ঈ-পাও অদু পীথোক্কদ্রা হায়বসিগী মতাংদা থার্দ পাটি অদুগী খন্নবিরক্লবগী হক লৈরে। ফোংদোক্কদৌরিবা অদুগী মতাংদা চেরোল অমা পীশিল্লক্লবা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা খঙহন-চেরোল অমা অহুমশুবা কাংবু অদুদা পি আই ওনা থাবা দরকার লৈ।[৪০]

খঙহন-চেরোল ফংবা নুমিৎতগী পারগা থার্দ পাটিনা অইবা চেরোল অমা পীশিন্নবগী মতম অসি নুমিৎ ১০নি ফংই।[৪১] পাওখুম অমা নত্রগা করিগুম্বা অমা ফংদ্রগদি, হায়জ-চেরোল ফংবা নুমিৎতগী হৌরগা নুমিৎ ৪০নিগী মনুংদা ঈ-পাও অদু পীথোক্কদ্রা নত্রগা পীথোক্লোইদ্রা হায়বসিগী মতাংদা পি আই ও অদুনা ৱারেপ অমা লৌবা য়ারে।[৪২] ৱারেপ অমা লৌদ্রিঙৈ মমাংদা, অহুমশুবা কাংবু অমনা করিগুম্বা ৱারোল অমা পীশিল্লকপ্রা হায়বসিগী মতাংদা পি আই ও অদুনা ৱাখল অমদি খন্থগনি। অদুমকপু, থার্দ পাটি অদুনা ৱায়েৎশিং থল্লক্লবা ফাওবদা মদু একজেম্পসন লৈতবা (অথিংবা অমনা কনখৎপিবদা কোনশিনখিদবা) থোক্লবদি ঈ-পাও অদু পি আই ও অদুনা অদুমক পীথোক্কদবনি। অসিগুম্বা থৌদোক অমগী মতাংদদি থার্দ পাটি অদুনা ৱারেপ অদুগী মায়োক্তা লোইশঙ অদুগী অপিল্লেট অথোরিটি অমসুং নত্রগা ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা অমুক হন্না ৱাকৎপা ঙমই (হেন্না কুপ্পা ৱারমদি ৮শুবা শরুক্তা য়েংসি)।

## ঐহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু পি আই ওনা অয়াবা পীরগদি কমদৌবা ?

ঈ-পাও অদু নঙোন্দা পীনবা পি আই ওগী ৱারেপ অমা লৈরগদি, ৱারেপ অদুগী খঙহন চেরোল অমা নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা পি আই ওনা নঙোন্দা থারক্কনি। নহাক্না পীনবা হায়জখ্রিবা ঈ-পাও অদু লৌবদা তশেংনা পীনিংঙাই ওইবা করিগুম্বা অহেনবা থিফম থোকপা শেনফমশিংগী মতাংগী পাওতাকসু খঙহন-চেরোল অদুদা য়াওহল্লক্কনি লোইননা আপিল্লেট অথোরিটিগী অকুপ্পা ৱারোলশিং, মতমগী পনখৈ অমসুং করিগুম্বা অতৈ মওং-মতৌ নত্রগা থিফম থোকপা অপুনবা শেনফম তিংহন্নবগী মতাংদা লৌবা ৱারেপ অদুদা অমুক হন্না হায়জনবগী নহাক্কী লৈরিবা হক অদুসু নঙোন্দা খঙহল্লক্কনি।[৪৩] খঙজিনগদবদি আর টি আই এক্টকী মখাদা পীরিবা মতমগী পনখৈশিং অদুগা চুন্নবা পি আই ওনা মথৌ তৌদ্রবদি ঈ-পাও অদু নঙোন্দা মমল তিংদনা লেপ্পা পীগনি।[৪৪]

কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারশিংগী ওইনা ঈ-পাও লৌথোক-লৌশিন তৌবদা চংগদবা তোঙান তেঙানবা অহেনবা থিফম থোকপা শেনজংশিং পুন্নমক লাওথোক্কুনা খঙহল্লে(অকুপ্পা মরোলদি ৩শুবা চেহাপতা য়েংশি।) পি আই ওনা থাদোরকপা খঙহন-চেরোল অদুদা করিগুম্বা অহেনবা থিফম থোকপা শেনফম (এদিস্নেল ফি)শিং মতৌ করম্না খোৎপগে হায়বগী শন্দোকপা ৱারোল অমা য়াওহল্লকপা দরকার লৈ।[৪৫] খুদম ওইনা, এ ফোরগী অপুনবা চেনা লিশিং অমগী ঈ-পাও নহাকনা পীনবা হায়জখ্রবদি, অমসুং এ ফোর পাক চাওবা চেনা অমা পীবগী

---

[৪০] - ১১(১) শুবা ৱাকক
[৪১] - ১১(২) শুবা ৱাকক
[৪২] - ১১(৩) শুবা ৱাকক
[৪৩] - ৭(৩) শুবা ৱাকক
[৪৪] - ৭(৬) শুবা ৱাকক
[৪৫] - ৭(৩) (এ) শুবা ৱাকক

পীথোক্লবা মমল অসি চেনা অমদা লুপা ২ ওইরবদি, অপুনবা মমলগী শেনজং অদু পি আই ও অদুনা ১০০০ x ২ = লুপা ২০০০ হায়না উৎপা মথৌ তাগনি। ঈ-পাও অদু পীনবা থবক লৌখৎপদা (প্রোসেস), খোমজিনবদা নত্রগা থিদোকপগীদমক পি আই ওনা নঙোন্দগী অহেনবা থিফম থোকপা শেল লৌনবগী শক্তি লৈতে।

নঙোন্দা থারক্লিবা ৱারেপকী খঙহন-চেরোল অদুদা নঙোন্দা ঈ-পাও অদু খুৎশিন্নবা ঙম্লবা খোৎতোক্লবা থিফম থোকপা শেলফম অদু পীরক্লবা পি আই ওনা নঙোন্দা হংলক্কনি। রাজ্য খরদদি, খুদম ওইনা মহারাষ্ট্রগুম্বদদি দাগঘরগী খুৎথাংদা ঈ-পাও থারকপগী অচংবা মমল অদুসু খোৎতোক্লগা থিফম থোকপা শেলফমদা য়াওহল্লি।[৪৬] তৌইগুম্বসুং, ঙম্লবদি নহাক নশামক চৎলগা ঈ-পাও অদু লৌশিল্লুবদা নঙোন্দা অথিংবা করিসু লৈতে। নিংশিংগদবদি, নহাক্না করিগুম্বা চে-চাংশিং অদুগী চেনাশিং লৌনবা হায়জদ্রিঙৈ মমাংদা থিফম থোকপা শেলফম অমা থিরগা (খুদমদি, কেন্দ্র সরকারগী ফি রুলসকী মখাদা পুংদা লু: ৫ ওই।[৪৭]) ঈ-পাও অদু নহাক্না য়েংশিন্নবগী হক অদুসু লৈ। চে-চাংশিং য়েংশিলহৌবনা চংগদবা শেনজং ককথবা য়াই, মরমদি করম্বা চে-চাংশিং নহাক্না তশেংনা মথৌ তাবগে হায়বগী ৱারেপ লৌবদা য়েংশিন্নবগী মতম অদু নহাক্না শিজিন্নবা য়াই। ঈ-পাও পীথোরক্লবগীদমক লৈরিবা নুমিৎ ৩০নিগী মতমগী পনখৈদগী খঙহন-চেরোল থারকপা অমদি অহেনবা থিফম থোকপা শেনফম থিনবগী মরক্তা লৈরিবা মতম অদু য়াওহল্লোই।[৪৮]

লাইবক থিবদি, রাজ্য সরকার খরদি অহেনবা থিফম থোকপা শেলফমদগী য়াম্না হেন্না নমদুনা শেল লৌখৎপা(লিভি) য়াওরে। ঈ-পাও অদুগী অহেনবা থিফম থোকপা শেনফমদগী কা হেন্না ৱাংমনখ্রে হায়না নহাক্না নিংলবদি, নহাক্না লোইশঙ অদুগী অপিল্লেট অথোরিটিদা নহাক্না অমুক হন্না হায়জবা নত্রগা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা ৱাকৎপা ঙমই (অকুপ্পা ৱারোলদি ৮শুবা শরুক্তা য়েংশি)। বি পি এলগী থাক্তা হিংলি হায়বগী প্রমান নহাক্না পুথোকপগী অচুম্বা ৱাফমগা ওন্ন-তৈনবদা ঈ-পাও পীনবগীদমক পি আই ওনা নঙোন্দগী পৈশা পীনবা হায়রবদি, মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন কম্মিসন অদুদা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎনবগী নহাক্কী হকসু লৈরি।

### ঈ-পাও ফংনবগীদমক য়াম্না পাক-চাওনা হায়জবা করিসু অকাইবা লৈতে[৪৯]

আর টি আই এক্টদা অতম্লনা য়াওরিবদি করিগুম্বা মদুনা পব্লিক্ট অথোরিটিশিংগী মচাক-মথুমশিং মপা চানদবা মওংদা থৈদোকহন্দ্রবা নত্রগা রেকোর্দ অদুদা মাং-তাকপা থোক্লোইদবা ওইরগদি, নহাক্না হায়জরিবা মওং অদুমক্তদা ঈ-পাও পীফম থোকই ।[৫০] লাইবক থিবদি লোইশঙ খরনা কয়াৎ অসিবু লান্না শিজিন্নরগা লৈবাক্কী মীকোকশিংনা ঈ-পাও লৌথোক-লোশিন তৌবদা য়াহন্দবা ওইনা থোকহল্লি। মসিগী ৱাথোক অসি সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা (সি আই সি) ৱাকৎ অমা থারকখিবা অদুদা মরু ওইবা ৱাফম অমা ওইখি। দিল্লিগী মপুং ওইবা থৌরাং পোরম (মাষ্টর প্লান) অদুগী শেমদোক-শেমজিনগা মরী লৈনবা ঈ-পাও অদুগীদমক মিষ্টর সর্বাজিৎ রোইনা দিল্লি দিভেলোপমেন্ট অথোরিটি (দি দি এ)দা হায়জরকখিবনি। মাষ্টর প্লান অদুগী ড্রাফ (মাংওইননা ইথোকপা) অদুদা মীয়ামদগী লৌখিবা

---

[৪৬] - মহারাষ্ট্রা আর টি আই রুলস ২০০৫গী ৱাকক মরিশুবা

[৪৭] - সেন্ট্রেল আর টি আই (রিগুলেসন ওফ ফি এন্দ কোষ্ট) এমেন্দমেন্ট রুলস ২০০৫ গী ২শুবা ৱাকক

[৪৮] - ৭(৩)শুবা ৱাকক্কী (এ)

[৪৯] - সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কম্মিসনগী (২০০৬) আপিল নং ১০/১/২০০৫গী ৱারোল মার্চ ২০, ২০০৬ তা লৈখিবা সি আই সি ফেব্রুৱারি ২৫ গী www.cic.gov.in দা য়েংসি

[৫০] - ৱাকক ৭ (৯) শুবা

ৱাফংনবগী ৱারোলশিং (হিয়ারিং) অমদি বোর্দ ওফ ইনক্বারি(থিজিন হূমজিনবগী খোংবু)গী পাওখুম অদু লৌননবা মহাক্লা অকক্লনা হায়জরকখি। মসিদা দি দি এগী মচাক-মথুমশিং মতিক-মপা চান্নদবা মওংদা থৈদোকহনখিবা য়াই হায়না খঙহল্লকপা য়াওনা মখল মখা-কয়াগী মরমশিংদা যুমফম ওইরগা দি দি এনা ঈ-পাও অদু খাইদোকপা য়ানিংদে। মিষ্টর রোই অমসুং দি দি এদগী ৱারোল কয়া তারবা মতুংদা, মসি য়াম্না পাক-চাওমনখ্রে হায়দুনসু ঈ-পাও লৌবা য়াহন্দবা হায়বসি আর টি আই এক্টনা পব্লিক্ট অথোরিটি অমত্তদা অয়াবা পীদে হায়না সি আই সিনা হায়খি। ইরাই লাইনা লৌবা য়ানবা মওং অমদা ঈ-পাও পীনবা মসিনা ইচম চম্না পব্লিক্ট অথোরিটিশিংদা অয়াবা পীবতনি। পাওখুমশিংদু য়েংনবা খুদোংচাবা অমগা লোইননা মিষ্টর রোইদা পীখিনবা অমদি মহাক্লা মশক খঙদোক্লবা পামই হায়না খন্দোক্লবা চেনা পুল্বা চুমই হায়বগী খুৎনম য়াওরগা (সার্টিফাইদ কোপিজ) মঙোন্দা পীখিনবা য়াথং অমা সি আই সিনা দি দি এদা পীখি।

## ঐহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু পি আই ও অদুনা য়াদে হায়না লংথোরক্লবদি কমদৌবা ?

এক্ট অসিগী মতুং ইন্না ঈ-পাও পীথোকপা য়ারোই হায়বা থওইনা অথিংবা লৈরবা অমসুং পি আই ওনা অথিংবা অসি লৌথোক্লগা ঈ-পাও অদু পীথোকপনা মীয়ামগী হেন্না কান্নগদবা করিসু লৈতে হায়না খল্লবদি নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু লংথোরকপা ঙমই। মসি নত্তবা অতৈ মরমগীদি আর টি আই এক্টনা হায়জ-চেরোল অমত্তদা ঈ-পাও পীদনবগী ৱাফম অমত্তা পন্দে (অকুপ্পা ৱারোলগীদমক ৪শুবা শরুক্তা য়েংশি ) । খুদম ওইনা ঈ-পাও অদু পাল্লিবগীদমক মতিক চাবা অফবা মরম অমত্তা নহাক্লা পীদে নত্রগা ঈ-পাও অদুনা সরকার নত্রগা ফম্নাইবা অমদা চোপহনবা থোকপা য়াই হায়বসিনা নঙোন্দা ঈ-পাও পীদবগী মরম ওইবা য়াদে। ঈ-পাও লৌনবগী হক লৈরিবনা নহাক্কীনি; ঈ-পাও পীরোইদবগী মরম থিরগা হায়গদবনা ফম্নাইবশিংগীনি।

### ‘‘মীয়ামগী য়াইফনবনা’’ অথিংবশিং করম হায়না নমহৎপা

ঈ-পাও পীনবা থারকপা হায়জ-চেরোল অমদা কনখৎতুনা অথিংবা অমা লৈ হায়রবা ফাওবদসু, এক্ট অসিগী ৮(২)শুবা ৱাকক্লা দরকার লৈরিবদি মদু কনখৎতুনা অথিংবা থমজিল্লগা ঙাক-শেন্দুনা থম্বগী কান্নবা অদুদগী হায়দোকখিবনা মীয়ামগী হেন্না য়াইফগদবা ওইরবদি, সরকারগী লুপ (পব্লিক বোদি) কাংবু অদুনা ঈ-পাও অদু হায়দোকপা য়াই। মীয়ামগী য়াইফগদবা কান্নবা (পব্লিক ইন্টরেষ্ট) হায়বা ৱাতা অসি এক্টসিগী মফম কদাইদসু শন্দোক্লা তাক্তে। মসিগী ৱাহ্মোক্তি লৈ মরমদি মীয়ামগী য়াইফগদবা কান্নবা হায়বসি মতমগী খোংলৈ তুংইন্না অহোংবা নাইগনি অমদি মসি থৌদোক খুদিংগী ওইরক্লিবা অকক্লবা ফিভম-মতমগী মখাসু পোনগনি। মসিনা মরম ওইরগা পব্লিক্ট অথোরিটিশিংনা হেন্না অখন্ননা পল্লবদা লোইশঙগী আপিল্লেট অথোরিটিশিং অমসুং লোইশঙশিংগী পি আই ওশিংদা নত্তনা ইনফোর্মেসন কম্মিসনশিংনা কেস (ৱাথোক) খুদিংমক্তা অমমমতংগী ওইবা মশক মওং (ইন্দিভিজুয়েল মেরিটস)শিং অদুদা খন্নবা মথৌ তাগনি। ঈ-পাও পিবা য়ারোই হায়বা কনখৎতুনা অথিংবা লৈব্রা হায়না য়েংবা মথৌ তাই অমসুং অথিংবসি লৈরল্লবসু, মসিবু নমহত্তুনা ঈ-পাও পীথোকপনা মীয়ামগী কান্নগদ্রা হায়বসি য়েংলগা ৱারেপ লৌবা তাই। খুদম ওইনা অথিংবা অসি নমহৎতুনা ঈ-পাও পীথোকপনা পব্লিক একাওন্টেবিলিটি হেনগৎহনব্রা, মীওইবগী হক হেন্না ঙাক-শেনবা ঙমফম থোকপ্রা নত্রগা শোয়-ঙামদনবগী খুদোংথিবশিং মীয়ামদা খংহনবা ঙম্ব্রা হায়বসি য়েংবা তাই।

নুমিৎ ৩০নিগী মতমগী পনখৈ মনুংদা পি আই ও অদুনা নহাক্কী হায়জবা অদু লৌদ্রে হায়বগী মহাক্কী ওইবা ৱারেপ অদুগী অইবা খঙহন-চেরোল অমা নঙোন্দা পীফম থোকই।[৫১] ৱারেপকী খঙহন-চেরোল অদুনা হায়গদবা ৱাফমশিংদি :-

(অ) য়ানিংদদুনা লৌদবগী মরমশিং, মসিদা মরী লৈনৈ হায়রিবা কনখৎতুনা থিংজিনবগী মতাংদা লৈরিবা ঈ-পাও অমদি পি আই ওনা ৱারেপ অদু লৌরকপদা খল্লিবা মরী লৈনবা করিগুম্বা ৱাফমশিং য়াওহল্লক্কনি।

(আ) ৱারেপ অদুদা নহাক্লা আপিল (অমুক হায়জবা) তৌবা ঙম্নবগী মতম;

(ই) নহাক্লা অমুক হন্না হায়জরুনবা আপিল্লেট অথোরিটি অদুগী মমিং অমসুং লৈফমগী অকুপ্পা ৱারোলশিং য়াওবা করিগুম্বা ৱারেপ অমা লৌবগী করিগুম্বা খঙহন-চেরোল অমা পি আই ও অদুনা নঙোন্দা পীরক্ত্রবদি, মসি য়ানিংদবনি (দিম রিফ্যুজ) হায়না লৌরগনি।[৫২] অদুদগীদি লোইশঙ অদুগী আপিল্লেট অথোরিটিদা নহাক্লা অমুক হায়জবা (আপিল) নত্রগা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা ৱাকৎ অমা থাবা য়ারে (৮শুবা শরুক্তা অকুপ্পা ৱারোল য়েংসি)।

## নহাক্লা মচেৎ-মকাই ফোংদোকপা (পার্সিয়েল্লি দিসক্লোজ) ঈ-পাও ফংবা য়াই[৫৩]

করিগুম্বা মতমদা একজেম্পসন তৌখ্রবা (কনখৎতুনা অথিংবা থম্বদা কোনশিনখ্রবা) হায়দোক্লবদা অকাইবা থোকপা ঈ-পাও (সেন্সিটিভ) খরা অমদি করিগুম্বা অমাং-অতা অমত্তা থোকহনবা লৈতনা ফোংদোকপা ঈ-পাও খরা অনিমক পুন্না চে-চাং অমদা য়াওবসু লৈগনি। অসিগুম্বা মতাংশিংদদি, ঈ-পাও লৌথোক-লৌশিন তৌবদা অকাইবা লৈতবা শরুকশিং অদুদি অদুমক পীথোক্কদবনি। মসিবু মচেৎ-মকাই ফোংদোকপা হায়না খঙনৈ। থবক ওইনা পাংথোরকপদা, পি আই ও অদুনা ঈ-পাও অমগী শরুকশিং অদুগুম্বা পরেংশিং নত্রগা পন্দুপশিং অদুদি খাকচিলহৌগনি নত্রগা অতৈ অতোপ্পশিং নত্তনা হায়জখিবা চে-চাংশিং খরা অদুতা পীথোরক্কনি হায়বগী ৱাহন্থোক পীরি। পি আই ও অদুনা ঈ-পাও অদু মচেৎ-মকাই ওইনা পীথোক্লবা ৱারেপ লৌরবদি, নহাক্লা পীনবা হংখিবা ঈ-পাও অদুগী মচেৎ-মকাই ফোংদোকপা অদুখক্তং নহাক্লা ফংলগনি, ৱারেপ অদুগী মরমশিং, ৱারেপ অদু লৌবগী অকুপ্পা ৱারোলশিং, পীগদবা থিফম থোকপা শেলফমশিং অমদি ৱারেপ অদু অমুক হন্না খন্নবিনবা হায়জনবগী লৈরিবা নহাক্কী হক হায়বা ৱারমশিং অসি মহাক্লা নঙোন্দা খঙহনফম থোকই।

---

[৫১] - ৭(৮) শুবগী ৱাকক

[৫২] - ৭(২) শুবা ৱাকক

[৫৩] - ১০শুবা ৱাকক

## ৮শুবা শরুক ঐহাক্না পীবিনবা হায়জখিবা ঈ-পাও অদু ফংদ্রবদি কমদৌবা ?

লাইবক থিবদি, অচৌ-অশাংশিংগী লোনচৎতা হৌজিকসু খংহন্নিংদবগী হৈনবী অমা য়াম্না কন্না লৈরি লোইননা ঙসিদি আর টি আইগী হায়জ-চেরোলশিংবু করিসু নত্তবদা মরম ইচা চাদনা পি আই ওশিংনা য়াম্না তোইনা লংশেক্লি। খুদম ওইনা পল্লবদা ঈ-পাও অদু মখোয়গী মখুৎতা লৈত্রগসু অরৈবা মফমদা হায়জ-চেরোল অদু য়ৌহনখিনবগী দায়ত্ব অমা লৈন-লৈনা পি আই ওশিংনা মখোয়গী মখুৎতা চে-চাং লৈতে হায়দুনা হেক্তা লংশেকই। মসিদা ঈ-পাও পীবা য়াদে হায়বগী অথিংবা লৈ হায়না শেরান-তুরান হায়জিল্লি। করিগুম্বা খরদনা পি আই ও অদু লোইশঙদা লৈতে নত্রগা ছুতি লৌখ্রে হায়দুনা হায়জ-চেরোলশিং অদু লৌশিল্লু য়াদে।

অসুম্না মথৌ নিংথিনা পাংথোরক্তবা য়াই হায়বসি মাংজৌননা খংলদুনা, আর টি আই এক্টনা মমল ইতিং তিংদনা অমসুং ইচম চম্না ৱাকৎলোই মীয়াম্না আপিল তৌরগা অমসুং ৱাকৎলগা সরকারগী ফম্নাইবশিং অমদি পব্লিক অথোরিটিশিংগী ৱারেপশিং নত্রগা থবক ফজনা তৌদবশিং অদু তকখৎনবা কয়াৎশিং এক্ট অসিদা হাপলি। মরী লৈনবা লোইশঙ অদুদা লৈরিবা মথক থোংবা ফম্নাইবা (আপিল্লেট অথোরিটি হায়না শিজিন্নরিবা) অমদা ঈ-পাও পীনবা হায়জরক্লিবশিংনা অমুক হন্না হায়জবা ঙমই নত্রগা রাজ্য পুম্নমক্তা নত্রগা কেন্দ্র সরকারদা লিংখৎলিবা অনৌবা ইনফোর্মেসন কম্মিসনশিংগী মনুংদা চুনবা অমদা ৱাকৎপা ঙমই।

### আপিলগা ৱাকৎপগা করি খেন্নে ?

পি আই ও অমগী ৱারেপ অমনা পেন্দবা পোকহল্লবদি হায়জরক্লিবা মীওইশিংনা, চপ মান্নবা পব্লিক আথোরিটি অদুগী মনুংদা লৈবা পি আই ও অদুদগীদি ফমথোন্দা হেন্না চাওবা আপিল্লেট অথোরিটি অমদা **অমুক হন্না হায়জবা** (আপিল) ঙমই । পি আই ও অমদি নঙোন্দগী ৱারোলশিং তারবা মতুংদা, পি আই ও অদুনা অচুম্বা ৱারেপ লৌখিবরা হায়বসিগী মতাংদা আপিল্লেট অথোরিটি অদুনা ৱারেপ অমা লৌরক্কনি। আপিল্লেট অথোরিটি অদুগী য়াথংনা নহাকপু পেলহনবা ঙমদ্রবদি, ইনফোর্মেসন কম্মিসন্দা নহাকনা সেকেন্দ আপিল তৌবা (অনিরকশুবা অমুক হায়জবা) য়াই ।

অতোপ্পা মওং অমদনা, আর টি আই এক্টগী মখাদা ঈ-পাও লৌথোক-লৌশিন তৌবগী মতাংদা **করিগুম্বা হিরম অমগা** মরী লৈনবা ৱাফমদদি, মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন কম্মিসন অদুদা **ৱাকৎ অমা** হকথেংননা থাঙ্গৎপা ঙমই, খুদম ওইনা, মতম পনখৈ অমগী মনুংদা ঈ-পাও পীরক্তবা, মরম চাদবা থিফম থোকপা শেলফম পীনবা হায়রক্লবা, লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈবা (বিপিএল) মীওই অমা ওইরুবগী ফংলিবা হক থৌশাদদুনা নঙোন্দা থিফম থোকপা শেলফম অমা (ফি) কোকপিরক্লবা, নহাক্না পীনবা হায়জখ্রিবা অদুগী রেকোর্দ অমা মাং-তাকহনখ্রবা,

হায়জরুদ্রবসু মশানা ফোংদোকফম থোকপদুগী মরমদা অরানবা ৱারেপ অমা লৌরক্লবা। ৱাকৎ অমা থাঙ্গখৎপদা লোইশঙদুগী আপিল্লেট অথোরিটিবু নহাক্না নাথৈরম্বা য়াই, তৌইগুম্বসুং মসি ৱাকৎ (কমপ্লেন) অমনি হায়না মিংথোনবদি য়াম্না মরু ওই মরমদি মসি নত্রবদি নহাক্না খঙহল্লক্লিবা ৱাফম অদু ইনফোর্মেসন কম্মিসননা অপিল তৌরকপা ওইনা লৌখিবসু য়াই লোইননা লোইশঙদুগী আপিল্লেট অথোরিটিদা হান্না চৎলুনবা নঙোন্দা হায়রকপা য়াই।

## পাংথোকপা য়াবা অহানবা লম্বেল (ওপসন) :- আপিল (অমুক হন্না হায়জবা) অমা থাসি

আপিল তৌবগী খোংথাং অসি এক্টসিগী ১৯শুবা ৱাকক্কী মখাদা য়াই অমসুং খোংথাংসিদা খোংফম অনিখক পীরিবসি য়েংশিনসি; অহানবনা আপিল্লেট অথোরিটিদা অমুক হন্না হায়জবা অমসুং অনিশুবদনা নৌনা লিংখৎলিবা ইনফোর্মেসন কম্মিসনশিং অসিগী মনুংদা অমদা অমুক হন্না হায়জবা। পি আই ও অমগী ৱারেপ অমবু নৌহৌনা অমুক য়েংশিনহনবদা ৱায়েলশঙদা ৱাকৎলুববুদি আর টি আইগী আপিল তৌবগী মওং অসিনা পৈশা চংহন্দে অমসুং হেন্না থুনা মহয় ফংহল্লি।

### আপিল্লেট অথোরিটিদা অহানবা অপিল তৌবা :

লোইশঙ খুদিংমক্তা, পি আই ও অদুদগী ফমথোন্দা মথক থোংবা ফম্নাইবা অমবু আপিলশিং অদু তানবা ফমথোন থিনদোক্লে । মহাকপু আপিল্লেট অথোরিটি হায়না মিংগৌগনি। নহাক্না ফংবা পি আই ওগী অহানবা ৱারেপ অদুদা (দিসিজন) নত্রগা হায়জ-চেরোল লংথোরকপগী খঙহন-চেরোল অদুদা মরী লৈনবা আপিল্লেট অথোরিটি অদুগী অকুপ্পা মরোল য়াওহল্লক্কদবনি :- মদুদি য়াথং ৱারেপ অদু অমুক হন্না য়েংশিলহন্নবা নহাক্না কনাদা অমুক চৎপা য়াগদগে হায়বসি নহাক্না খঙনবনি। খঙহন-চেরোল অদুদা অৱাৎ-অপা থেংনরবদি, নহাক্না পি আই ও অদু হকথেংননা উন্নগেরা নত্রগা পব্লিক্ত অথোরিটি অদুগী ৱেবসাইটতা য়েংগেরা অমা তৌবা য়াই অমদি মসিদা আপিল্লেট অথোরিটি অদুগী অকুপ্পা মরোল খংবা য়াই।

নহাক্না আপিল্লেট অথোরিটিদা অপিল তৌবা য়াবগী মরমশিংদি :-

(অ) লৌরক্লিবা ৱারেপতুনা নহাকপু ৱাহল্লবা, পেলহন্দ্রবা,

(আ) চুনবা মতমগী পনখৈ মনুংদা ৱারেপ অমত্তা লৌরক্ত্রবা,

(ই) হায়জ-চেরোল অদুগী থবক পাইখৎলিঙৈদা নহাকপু থার্দ পাটি (অহুমশুবা কাংবু) অমগুম্না খন্নরক্লবা অমসুং পি আই ও অদুনা লৌরক্লিবা ৱারেপ অদুদা নহাক্না পেন্দ্রবা;

পি আই ওদগী নহাক্না ৱারেপ অদু ফংখিবা (নহাক্না ৱারেপ অমদি ফংফম থোকই) নুমিৎ অদুদগী পারগা নহাক্না আপিলগী চেরোল অদু নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা আপিল্লেট অথোরিটিদা থাজিনবা দরকার লৈ। অদুমকপু

হায়রিবা মতমসিদা নহাক্না শোইখ্রগসু হায়রিবা মতমগী পনখৈ মনুংসিদা অচুম্বা মরমশিংদা নহাকপু অপিল তৌনবগী লম্বেলদা অথিংবা পীরকপনি  হায়না আপিল্লেট অথোরিটিনা খল্লগদি, নুমিৎ ৩০নি লোইখ্রবা মতুংদসু মহাক্না নহাকপু অপিল তৌহনবা য়াই ।[৫৪]

মরী লৈনবা আপিল্লেট অথোরিটিদা নহাক্না অপিল তৌবগী চেরোল অমা অইবা ওইনা পীশিনবা মথৌ তাই। নহাক্না মরী লৈনবা আপিল্লেট অথোরিটিদা চে থারমদাইদা য়েংশিনগদবদি নখোয়গী রাজ্য সরকারনা মসিগীদমক অসুম্না তৌগদবনি হায়বা নমুনা অমা লৈব্রা হায়না নহাক্না থিদোক্কদবনি (মণিপুর সরকারগীদি লৈতে)। আপিলগী চেরোলশিংবু নহাক্না মখোয়দা হকথেংননা খুৎশিন্নবা নত্রগা  ডাগঘর/কুরিঅরগী খুৎথাংদা থাজিনবা য়াই। সিদগী হেনবা অমদি, মরী লৈনবা আপিল্লেট অথোরিটি অদুদা য়ৌহনখিনবগী মথৌ অমা তৌফম থোক্লিবা মরী লৈনবা পব্লিক্ত অথোরিটি অদুগী এসিস্টেন্ট পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার (এ পি আই ও) অদুদা নহাক্না অপিল তৌবগী চেরোল অদু থাজিনবসু কাইদে।[৫৫]

### ৱাকৎ নত্রগা অপিল তৌবগী চেরোল অমদা য়াওহনগদবা ঈ-পাও *:

অপিল তৌবগী চেরোল অমা শেম-শাবদা নখোয়গী রাজ্য সরকারনা থওইনা পীবা নমুনা লৈরবসু লৈত্রবসু, তঙাইফদনা য়ামদ্রবদা আপিল অমদা য়াওফম থোকপশিংদি।

(অ) চিঠি য়ৌরকফম অমা (পোষ্টেল এদ্রেস), টেলিফোন নম্বর অমদি ই-ম্যেল য়াওবা নহাক্কী নমিং অমসুং পাও হোদোকফমগী অকুপ্পা মরোল; (টেলিফোন ১সুং  ঈ-মেইল লৈত্রবসু করিসু কায়দে)

(আ) কনাগী ৱারেপকী মায়োক্তা নহাক্না অমুক হন্না হায়জরিবনো  হায়বসিদা পি আই ও অদুগী মমিং অমদি লৈফম

(ই) নহাকনা আপিল তৌরিবদুগী মায়োক্তা লৈরিবা ৱায়েন য়াথং অদুগী অকুপ্পা ৱারোল (নম্বর য়াওহনগদবনি)।

(ঈ) নহাক্না করিগুম্বা পাওখুম  অমত্তা ফংখিদবনা মরম ওইরগা আপিল তৌবা ওইরবদি (য়ানিংদবা মানবা) হায়জ-চেরোল অদু ফংলিবগী খুৎনম, করি নুমিৎতা মদু পীশিনখিবনো অমদি পি আই ও অদুগী মমিং ১সুং লৈফম য়াওনা নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদুগী অকক্লবা ৱাফমশিং য়াওহনগদবনি,

(উ) নহাক্কী কেস অদুগী শুগাইনা তাক্লবা অচুম্বা ৱাফমশিং,

(ঊ) নহাক্না তৌহন্নিংলিবা থবক (মহয়) অমদি অৱা-পোৎথা (রিলিফ) অদু পামই হায়বগী মতিক চাবা মরমশিং; খুদম ওইনা নঙোন্দা অথিংবা লৈবদগী ঈ-পাও পীরক্তবা ওইরগদি অথিংবদু মরম চাদে হায়বগুম্বগী মরম পীগনি।

(ঋ) নহাক্না হায়রিবদু নশানা চুমই হায়না (ভেরিফিকেসন) হায়জবা, খুদম ওইনা "হায়জ-চেরোলসিদা য়াওরিবা ঈ-পাও পুন্বা ঐগী লৌশিংগী থাক্তা অচুম্বনি অমদি অশেংবনি হায়না ঐনা খুৎনম পীজরি" হায়বা ৱারোল অমত্তং;

---

[৫৪] - ৱাকক ১৯(১)শুবা

[৫৫] - ৱাকক ৫(২)শুবা

*রাজ্য সরকার খরগীদি আপিল থানবা মাংজৌননা পীথোক্লবা নমুনা লৈ।

(৯) নহাক্কী আপিল অদুগী ৰারেপ লৌবদা মতেং পাংবা য়াই হায়না নহাক্লা খঞ্জবা কান্নগদবা করিগুম্বা অতৈ ঈ-পাওশিং নত্রগা মরমশিং

*আপিল অমগী খঙহন-চেরোল শেম-শাবদা মসিদা য়াওরিবশিং অসি মহৌশানা তঙাইফদবা ৰা-মচং অদুখক্তনি। নহাক্কী আপিল অদুদা করি করি য়াওহনগদগে হায়বদুদি নহাক্লা নখোয়গী ইনফোর্মেসন কন্মিসন নত্রগা আপিল্লেট অথোরিটি অদুদা হংদোক্লগা চুম্না খঙদোকপনা ফৈ নত্রগা নহাকনা মরী লৈনবা নিয়মশিং য়েংশিনবসু কাইদে।

আপিল্লেট অথোরিটি (নত্রগা ইনফোর্মেসন কন্মিসন) অমদা আপিল অমা থাবদা হায়জরিবা মীওই অমদগী করিগুম্বা মখলগী শেলফম অমত্তা লৌনবগী অয়াবা আর টি আই এক্টনা পীদে। লাইবক থিবদি, মহারাষ্ট্রা[৫৬] অমসুং মধ্য-প্রদেশ[৫৭] কুম্বা রাজ্য খরদা আপিল অমা থাবগী শেল লৌনবা সরকারনা নিয়ম অমা পুথোক্লি। পৈশা থিদবনা মরম ওইরগা আপিল অমবু লংথোকপা নত্রগা শেল পীনবা হায়জিল্লকপসি আইনগী ওইবা ৰাফম নত্তে। করিগুম্বা অদোমগী রাজ্য সরকারনা আপিল ফি পীনবা হায়রক্লবদি ৰাফমদু খন্নবা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন কন্মিসন নত্রগা নখোয়গী হায়-কোর্টতা চৎপা য়াই নত্রগা মদুগী মতাংদা অফ-ফত্তা নৈন্নবা নখোয়গী বিধান সভাদা ৰাফম অদু পুথোক্লবা হোৎনবা য়াই।

ইচম চম্বদি, নহাক্কী আপিল অদু ফংলবা মতুংদা আপিল্লেট অথোরিটি অদুনা নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা মহাক্কী ওইবা ৰারেপ অমা পীফম থোকই। পীরিবা মতমগী পনখৈ অসি শাংদোকপা কাইদে, তৌবতবু আপিল্লেট অথোরিটি অমদগী ৰারেপ অমা ফংনবগী খ্বাইদগী শাংবা মতম অসি নুমিৎ ৪৫নিনি। অহেনবা মতম লৌবা তারবা অমদি নুমিৎ ৩০নিগী মতম পনখৈ লান্থোকখ্রবদি, মতম শাংদোক্লিবগী মরমশিং অদু আপিল্লেট অথোরিটিনা অইবা ওইনা থমজিনগনি অমদি মহাক্লা মাগী ওইবা অরোইবা ৰারেপ[৫৮] পীরকপদা মরমশিং অদু নঙোন্দা খঙহল্লক্কনি।

## আপিল্লেট অথোরিটিশিংনা মহৌশানা আপিলশিংদা করম্না খুৎ থাবগে ?

আপিলশিংবু অচুম-অরান লেপ্পদা আপিল্লেট অথোরিটিশিংনা ইনগদবা য়েংশিনবগী খোংথাং অমত্তা আর টি আই এক্টনা পীথোক্তে। মহৌশানা, অদুমকপু, খ্বাইগী ময়ামগী চৎনবীদা আপিলগী ৰারেপ লৌবদি ইচম চম্না এক্ট অদু চুম্না চৎনরিব্রা হায়বগী অচুম্বা থিদোকপা নত্তনা নঙোন্দা মাংনবা/শোক্লবগী মচাক ওইহল্লোইদবনি। করিগুম্বা আপিল অমদা হায়জ-চেরোল অমবু লংথোরকপগী থৌওং অমবু চুমই হায়না প্রমান তৌগদবদি পি আই ও অদুনি। মসিগী ৰাহন্থোক্তি, করিগুম্বা ৰাচুম-ৰারেপ্পবা (হিয়ারিং) অমদা পি আই ওশিংবু অহানবদা মখোয় মশাগী ৰারমশিং শন্দোক্লা হায়নবা হংগনি । মখোয়না মশা ঙাকথোক্লবা কেস অমা শেন্নবা মতমদুখক্তদা মখোয়না লাল্লি হায়না নহাক্লা করম্না খনবগে হায়বসি হায়রনবা নহাকপু কৌরক্কনি। করিগুম্বা কেস অমদা আপিল্লেট অথোরিটি অদুনা অচুম্বা ৰাফম পুন্নমকপু মহাক্কী ৰাখল লৌশিং থাদদুনা অমুক হন্না খন্থবা মথৌ তাই অমসুং পি আই ওগী থৌওং অদু চুল্লিব্রা হায়না লেপথোক্কনি। ঈ-পাও অদু ফোংদোক্লবগী মতাংদা খন্নবদা শরুক য়ারিবা কাংবুশিং নহাক, পি আই ও অমসুং থার্দ পাটি (অহুমশুবা কাংবু)শিং পুন্নমক করিগুম্বা ৰারেপ অমা লৌদ্রিঙৈ মাংজৌননা ফোংদোক্লিংবা ৰাফমশিং তাবিনবগী হক লৈ।

[৫৬] - মহারাষ্ট্র রাইট টু ইনফোর্মেসন রুলস - ২০০৫ গী ৫শুবা ৰাকক

[৫৭] - মধ্য-প্রদেশ রাইট টু ইনফোর্মেসন (ফিজ এন্দ আপিল) রুলস, ২০০৫গী ৭অমসুং ৮শুবা ৰাকক

[৫৮] - ৰাকক ১৯(৬)শুবা

আপিল্লেট অথোরিটি অদুনা নহাক্কী আপিল অদু য়ানিংলবা অমদি ঈ-পাও অদু নঙোন্দা পীগদবনি হায়বগী ৱারেপ লৌরগদি, ৱারেপ অদু অইবা ওইনা নহাক অমসুং পব্লিক্ট অথোরিটি অদুদা খংহনগদবনি। আপিল্লেট অথোরিটিনা নহাক্কী আপিল অদু লংথোরক্লবদি (রিজেক্ট) নঙোন্দা পীবা ৱারেপ অদুগী খঙহন-চেদা নহাক্না কেন্দ্র নত্রগা রাজ্যগী ইনফোর্মেসন কমিস্সন অনিগী মরক্তা কনাদা আপিল তৌগদগে হায়বগী মতাংদা নহাক্কী লৈরিবা হক অদুগী অকুপ্পা মরোলশিং য়াওহল্লক্কনি।

খঙজিনগদবদি, আর টি আই এক্টপু থওইদে হায়বগী প্রমান লৈরবা ফাওবদসু, আপিল্লেট অথোরিটিনা ফম্লাইবশিংদা চৈরাক পীনবগী শক্তি অসি আর টি আই এক্টনা পীদে। ইনফোর্মেসন কমিস্সনখক্তনা চৈরাকশিং পীবগী শক্তি লৈ। মসিগী ৱাহন্থোক্তি, আপিল্লেট অথোরিটিনা নহাক্কী মীচংদা ৱারেপ লৌরবসু চৈরাক পীহন্নবগী মতাংদদি, নহাক্না আপিল্লেট অথোরিটিদা কেস অদু ইনফোর্মেসন কমিস্সনদা শিন্নবিনবা অদুমক হায়নবা য়াই। নত্রগনা নহাক্না চৈরাক পীনবগী মতাংখক্তদা ৱাকৎ অমা ইনফোর্মেসন কমিস্সনদা লানখৎপা য়াই।(অকুপ্পদি লমাই ৪১দা)

## ইনফোর্মেসন কমিস্সনদা তৌবা অনিশুবা আপিল

আপিল্লেট অথোরিটিগী ৱারেপ্তা নহাক্না নুংঙাইত্রবা নত্রগা পেন্দ্রবদি কেন্দ্র নত্রগা রাজ্যশিংদা নৌনা লিংখৎনরক্লিবা ইনফোমের্সন কমিস্সনশিংদা অনিশুবা আপিল অমা থানবগী অতোপ্পা লম্বেল অমা আর টি আই এক্টনা নঙোন্দা পীরি। আপিল্লেট অথোরিটিগী ৱারেপ অমগী মায়োক্তা ইনফোর্মেসন কমিস্সনদা অনিশুবা আপিল অমা থাবা হায়বসি ৱারেপ অদু ফংখিবগী তশেংবা নুমিৎতুদগী নত্রগা ৱারেপ অদু লৌখিবা নুমিৎতদগী পারগা নুমিৎ ৯০নিগী মনুংদা তৌহৌগদবনি। অদুমকপু, হায়রিবা মতম অসি লোইখ্রবা মতুংদা আপিল তৌবা য়াহন্নবা ইনফোর্মেসন কমিস্সনগী মনিং তম্বা শক্তি লৈজে।[৫৯]

### অরোন-অথুপ লৈহন্দনবা হোৎনবদা মাংজিল থারিবা - ইনফোর্মেসন কমিস্সন

কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারগী থাকশিংদা, মনিং মখা তম্বা অমসুং মশা মথন্তা পল্লেপচবা ঙম্বা ইনফোর্মেসন কমিস্সনশিং আর টি আই এক্টকী[৬০] মখাদা লিংখৎপা মথৌ তাই। নৌনা ফম থিন্দোক্লবা ইনফোর্মেসন কমিস্নারশিংনা লুচিংগদবা অনৌবা কমিস্সনশিং মফম খরদা লিংখৎনরকখি। অদুবু মখোয় পুন্বা অপীবা নুমিৎ অমগী মনুংদা ওইখিদে। (অকুপ্পদি ৪শুবা চেহাপতা) মীয়াম্না ঈ-পাও লৌথোক-লৌশিন তৌবদা আর টি আই এক্ট অসি মতিং লৈবা(ইফেক্টেভ) খুৎলাই অমা ওইহনবদা ইনফোর্মেসন কমিস্সনশিং অসিনা তৌগদবা মরু ওইবা অচৌবা থৌদাং কয়া লৈ। অখন্ননা ইনফোর্মেসন কমিস্সন খুদিংমক্না য়ারিবা লেংথোংশিংদি :-

[৫৯]- ১৯(৩) শুবা ৱাকক

[৬০]- ৩শুবা বসুং ৪শুবা পন্দুপ। জম্মু অমসুং কাশ্মির রাইট টু ইনফোমেসন এক্ট, ২০০৪বু ইকুই কুইদ্রিঙৈদা নৌনা শেমদোক শেমজিন তৌদুনা ইনফোর্মেসন কমিস্সন লিংখৎলগা ৱায়েন পথাপ অসিগী মখাদা আপিলশিং অমসুং ৱাকৎশিং লৌখৎপা য়াহনখ্রে।

***ꯔাকৎ অমদি আপিলশিং পাইখৎপা :*** এক্টসিগী মখাদা দরকার তাবা ঈ-পাওশিং অদু মপুং ফানা ফংদ্রগদি, লৈবাক্কী মীকোক (সিটিজেন) পুন্নমক্না ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা ꯔাকৎপা নত্রগা আপিল তৌনবগী হক লৈ। ꯔারেপশিং অদু অথিংবা থল্লে হায়দুনা পীররোইদবা ঈ-পাওনি হাইরবা ফাওবদসু নৌনা য়েংশিল্লগা, করিগুম্বা চে-চাং অমা য়েংনবগী হক য়াওনা ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক পাংথোক্লবা শক্তিশিং লৈ। মখোয়না মপাঙ্গল কন্না অমদি খুৎপাই চেৎনা লৈরিবা শক্তিশিংনা এক্ট অসিবু ঙাক্লবা পব্লিক্ট অথোরিটিশিংবু মথৌ তৌহনবা; মসিদা ঈ-পাওশিং পুথোরক্লবগী য়াথং তাউথবা, পি আই ওশিং হাপ্পা, লিশিন-থমজিল্লিবশিং (রিকোর্দ), থৌরম পরিংশিং ফগৎহনবা, ꯔাকোংশেল(কমপেন্সেসন) থিহন্নবগী কয়াৎ অমদি লম-হেনবগী চৈরাক-শেল (ফাইন) থিহনবশিং[৬১] য়াওরি।

***থবক্তা ওন্থোক্লিবশিং কুপ্না শেন্নবা (মোনিটরিং ইমপ্লিমেন্টেসন) :-*** চহি খুদিংগী লোইশিল্লকপদা চুনবগী মতুং ইন্না কেন্দ্র নত্রগা রাজ্যগী ইনফোর্মেসন কম্মিসন অদুনা পার্লিয়ামেন্ট নত্রগা রাজ্যগী এসেমব্লি মীহুৎশিংগী মমাংদা থমগদবা চহিগী ওইবা পাওদম অমা পুথোকফম থোকই। পাওদম খুদিংদা মচং ওইবা হায়জ-চেরোল অমসুং আপিলশিংগী মশিং মাচা (ষ্টেটিষ্টিক্স) শিংদা নত্তনা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবগী ꯔারোলগা লোইননা হেন্না ফগৎনবগীদমক পাইখৎপা য়াবা হিরমশিং য়াওহনগনি। কম্মিসনগী চহিগী পাওদমশিং অসি পব্লিক্ট অথোরিটি খুদিংমক্না কম্মিসনগী জুরিকদিক্সন (তৌবা ঙম্বা কা থোকপগী) মখাদা চুম্না তৌব্রা তৌদব্রা হায়বসিদা য়ুমফম ওইরগা পীখৎপনি।[৬২]

***মীওইবগী হকতা অখন্নবা মীৎয়েং :-*** এক্ট অসিনা ইন্টেলিজেন্স অথোরিটি অমসুং সেক্যুরিটি এজেন্সি খরদদি কনখৎতুনা অথিংবা থমই। তৌবতবু মখোয়গা মরি লৈনবা শেঞ্জা-থুমজা তৌবগী অমসুং মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী মরাল শিরকপদদি আর টি আইগী মখাদা ঈ-পাও লৌবা য়াহল্লি। অদুনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগা মরি লৈনবা অসিগুম্বা মতাংদা হায়জরকপা পুন্নমকপু ইনফোর্মেসন কম্মিসনশিংনা থবক লৌখৎফম থোকই।

হৌজিক ফাওবদা লিংখৎলিবা কম্মিসনশিংনা মখোয়দা শিন্নরিবা পাদমগী মখা পোন্না মথৌ পাংথোক্লরি। আর টি আই এক্টপু মতিং লৈনা নিংথিনা তেম্বানবা (ইফেক্টিভলি) মওংদা থবক্তা ওন্থোকপা শোইহন্দনবা হোৎনবদা মখোয়গী চং থোকপা থৌদাং অমা লৈ। লোইন-লোইননা মখোয়না নিংথিনা ইফেক্তিভ ওইবা মওংদা থবক তৌরি হায়বসি শোইহন্দনবা মীয়াম্না কুপ্না য়েংশিনবা মথৌ তাই।

মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা নহাক্না আপিল তৌবদা অইবা ওইনা থাজিনগদবনি। কেন্দ্র সরকারগী পব্লিক্ট অথোরিটিশিংগা মরী লৈনবা ꯔাফমশিংদদি, নহাক্কী আপিল অদু সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা থাজিনবা দরকার লৈ। রাজ্য সরকারগী পব্লিক্ট অথোরিটিশিংগা মরী লৈনবা ꯔাফমশিংগীদমক্তদি, নহাক্কী আপিল অদু চুনবা রাজ্যগী ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা থাজিনবা মথৌ তাগনি। পঞ্চায়েৎকী মায়োক্তা তৌবা আপিলশিংগীসু মরী লৈনবা রাজ্য ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা থাগনি।

---

[৬১] - ২০শুবা ১সুং ১৯(৮)শুবা ꯔাকক

[৬২] - ২৫শুবা ꯔাকক

ইনফোর্মেসন কন্মিসনশিংদা আপিল অমা তৌবদা করি ঈ-পাও য়াওহনবা মথৌ তাবগে হায়বগী মতাংদা কেন্দ্র সরকার অমদি রাজ্য সরকার খরনা নিয়ম (রুলস)কয়া পুথোক্লরক্লে। চংদবা য়াদবা ঈ-পাওশিং অদুগী মথক্তা (লমাই ৩৫দা পীরিবা আপিল নমুনা য়েংসি) আপিল অদুগী মায়োক্তা লৈরিবা খঙহন ৱারেপ/য়াথংশিংদা ইশানা খুৎনম পীবা (সেল্ফ এত্তেস্টেদ) চেনাশিং অমদি নহাক্কী আপিল অদুদা য়াওরি হায়না পাওদম্লিবা অতৈ অতোপ্পা চে-চাংশিংগী চেরোলশিং য়াওনা নহাক্কী আপিলবু মতেং পাংবা য়াবা চে-চাংশিং হাপচিনগনি।

সেন্ত্রেল অমসুং ষ্টেট ইনফোর্মেসন কন্মিসনশিংনা মরী লৈনবা আপিল রুলসকী মখাদা পীথোক্লিবা খোংথাংশিং অদুগী মতুং ইন্না আপিলশিং অসি লৌখৎলি। কন্মিসনশিং অসিগী লৈরিবা শক্তি অসি এফিদেভিট/ওথ(ৱাশক্কুনা পীবা অইবা ৱারোল) ওইনা ইদুনা পীবা নত্রগা চিনবুংনা হায়বা ৱারোলশিং লৌনবা চে-চাংশিং নত্রগা চেনাশিং য়েংশিন-খোৎচিনবা, আপিল তৌরক্লিবা অদুগী মাইরোং য়ারিবা পি আই ওশিংদগী নত্রগা অহানবা আপিলগী ৱায়েন-ৱারেপ পিখিবা আপিল্লেট অথোরিটিদগী এফিদেভিট লৌশিনবা অমসুং ৱারোল কৌবা লোইননা নহাক্কী ৱাফম তানবগী শক্তিশিং অসিনি।[৬৩] করিগুম্বা পি আই ও নত্রগা আপিল্লেট অথোরিটি অদুগী ৱারেপনা থার্দ পাটি (অহুমশুবা কাংবু) অমগা মরী লৈনরবদি, ইনফোর্মেসন কন্মিসননা ৱারেপ অমা লৌদ্রিঙৈ মমাংদা অহুমশুবা কাংবু অদুগী ৱাফমশিং তাবিনবগী হক লৈ।[৬৪]

## প্রমানগী পোৎলুম[৬৫]

আপিলশিংগী খোংথাং পরিংদা করিগুম্বা ঈ-পাও অমা পীনবা হায়জখিবা হায়জ-চেরোল অমা অরোনবনি হায়না য়ারক্রবদি, মদু চুমই হায়বসি পি আই ও নত্রগা থার্ট পার্টি অদুনা প্রমান পীফম থোকই। থবক পাংথোরকপদা মসিগী ৱাহন্থোক্তি ঈ-পাও অদু ফাজিন্দুনা থম্লিংলিবা মীওই অদু হান্না মচিন হংলবা মতুংখক্তদা নহাক্না কন্মিসনগা ৱা তাথোক-তাশিন তৌনবা মথৌ তাই মরমদি কন্মিসনদা চুমই হায়না উৎফম থোকপদি মখোয় অদু খক্তননি। অদুদগী ৱাচুম-ৱারেপ্পবগী মীফম অমা শিল্লকপদদি, অরোনবা ঙাকপা মথৌ তাই হায়রিবা থার্দ পাটি (অহুমশুবা কাংবু) নত্রগা পি আই ও অদু অহানবদা মখোয়গী কেস অদু থম্নবা কৌবা দরকার লৈ। পি আই ও নত্রগা থরর্দ পাটি (অহুমশুবা কাংবু) অদুগী ৱাফম্না চুমই হায়না কন্মিসননা খল্লবা মতম অদুখক্তদা নহাক্কী কেস থম্বগী মথৌ তাগনি। তানফমদুদা, ঈ-পাও অদু ফোংদোকফম থোকই হায়না নহাক্না ৱায়েৎপা মথৌ তাই।

ইনফোর্মেসন কন্মিসনদা আপিল তৌবগী খোংথাং অসি ৱায়েনশঙ অমদা তৌবগুম্না হেক্তা মওং-মরিল (ফোর্মেল) নাইদবা য়াদে হায়বা ৱা করিসু লৈতে। মসিদা ইনফোর্মেসন কন্মিসনগী মমাংদা নহাক্কী ৱাফম থাঙ্গৎপিনবা উকিল অমা নেক্তবা য়াদে হায়বগী দরকার ওইদে। খোংথাংশিং অসি থোইনা মওং-মরিল নাইবা নত্তে অমসুং খৎন-শাওনদবা মওং ওই। আর টি আই এক্টকী মখাদা কন্মিসন অসি সিভিল কোর্ট (মীয়ামগী ৱায়েনশঙ) অমগী শক্তি লৈজে[৬৬] হায়জরবসু কন্মিসননা ৱায়েনশঙগুম্না মথৌ পাংথোকপগী দরকার লৈতে। আপিল অমা নত্রগা ৱাকৎ অমা লৌখৎলিঙৈ মনুংদা নঙোন্দা নুংঙাইরক্তবা থোক্লবদি নহাক্না ইনফোর্মেসন

[৬৩]- ১৮(৩)শুবা ৱাকক;
[৬৪]- ১৯(৪)শুবা ৱাকক;
[৬৫]- ১৯(৫)শুবা ৱাকক;
[৬৬]- ১৮(৩)শুবা ৱাকক;

কম্মিসনদা খঙহনগদবনি অমদি নহাক্কী ৰায়েৎ-ৰাচুন্নবগী থৌরম চৎথরিঙৈ মনুংদা কনাগুম্বা অমগী মতেং লৌজবসু ঙমহনগদবনি। করিগুম্বা অমবু ওইরো, অমবু ওইরো ইনফোর্মেসন কম্মিসন হায়বসিদি অরোন-অথুপ লৈহন্দনবা হোৎনবদা মাংজিল থাবনি লোয়ননা নহাক্কা উকিল অমা নেল্লক্তে হায়বগী করিসু নত্তবা ৰাফমসিনা মরম ওইরগা কম্মিস্নার অমসুং মাগী থৌমীশিংনা পাও ফোংদোক্লবগী মায়কৈদা থম্লকপা ৰায়েৎশিং থওইদবা, মীরাইবা তৌরোইদবনি।

ইনফোর্মেসন কম্মিসননা আপিল অমদা অচুম-অরান ৰারেপ লৌনবগীদমক আর টি আই এক্টনা অকক্লবা মতমগী পনখৈ অমত্তা পীথোক্তে অমদি পীথোক্লিবা আপিলগী চৎনরোল অমত্তদা হৌজিক ফাওবদি মতমগী পনখৈ অমত্তা য়াওহল্লক্ত্রি। অদুমকপু আপিল্লেট অথোরিটিশিংনা তৌবগুম্না আপিল অমা লোইশিনবদা নুমিৎ ৩০-৪৫ ফাওবা চংহনবা হায়বসি থবক ওইনা পাংথোকপদা খ্বাইদগী ফবা মতমগী লৈখৈ অমনি।

ইনফোর্মেসন কম্মিসন অমনা নহাক্কী আপিল অদু চুম্লিংঙাই ওই হায়না খল্লবদি, কম্মিসন অদুনা নঙোন্দা অইবা ৰারেপ অমা পীবা দরকার ওইগনি। ইনফোর্মেসন কম্মিসন অদুনা পাক-শন্না কোনশিল্লিবা অমদি পায়রিবা শক্তিশিং অদুদি :-

(অ) আর টি আই এক্টকী মখাদা মাগী লৈরিবা মথৌদাংশিং অদু পাংথোকহন্নবগী মাইওনদা চঙ থোকপা খোংথাংশিং লৌখৎনবা পব্লিক্ট অথোরিটিশিংদা য়াথং তাউথবা; খুদম ওইনা নহাক্কা পামই হায়জখিবা ঈ-পাওশিং লৌথোক-লৌশিন য়াহনবা নত্রগা নহাক্কা থিফম থোকপা শেলফমশিং (ফি)গী শেনবুন হন্থহনবা।[৬৭]

(আ) খোংথাংশিং অসি লৌখৎলিঙৈদা নহাক্কা খাংলম্বা য়াবা অৰা-অনাশিংগী করিগুম্বা মাংজখিবশিংগী ৰাকোং শেল পীহন্নবা পব্লিক্ট অথোরিটিশিংদা য়াথং পীবা।[৬৮]

(ই) আর টি আই এক্টকী মখাদা মখোয় মশাগী মথৌ পাংথোকপা ঙমদবা কনাগুম্বা ফম্নাইবা অমা নত্রগা পি আই ও অদুদা চৈরাক ফংহনবা।[৬৯]

নহাক্কী কেস অদু মরম চাদে হায়না ইনফোর্মেসন কম্মিসননা ৰারেপ লৌরবদি মানা নংগী আপিল অদু লংথোরক্কনি।[৭০] কম্মিসন অদুনা মাগী ৰারেপকী খঙহন-চেরোল অদু নঙোন্দা পীগনি অমদি পব্লিক অথোরিটিদসু পীগনি হায়বা অনিসি মনুংদা করিগুম্বা আপিল তৌনবগী হক অদুসু য়াওহনগনি।[৭১] ৰায়েনশঙদা আপিল তৌবা হায়বসি য়াফম থোক্তে হায়না আর টি আইনা হায়জরবা ফাওবদসু, লৈঙাক পথাপকী মতুংইন্না হায় কোর্ট নত্রগা সুপ্রিম কোর্টতা চৎচবা হায়বসি নহাক্কী লৈজবা হক অমনি; মরমদি ঈ-পাওগী হক হায়বসি লৈঙাক-পথাপকী ওইবা তঙাইফদবা হক অমনি হায়না খন্নরবনি।

---

[৬৭]- ১৯(৮) (এ) (i), (ii), (iii) শুবা ৰাককশিংদা

[৬৮]- ১৯(৮) (বি)শুবা ৰাকক;

[৬৯]- ২০শুবা ৰাকক

[৭০]- ১৯(৮) (দি)শুবা

[৭১]- ১৯(৯)শুবা ৰাকক

## পাংথোকপা য়াবা অনিশুবা লম্বেল - ৱাকৎ অমত্তং পীশিনবা :

আপিল্লেট অথোরিটিদা আপিল অমা থারগা অমসুং অদুদগী অমুক ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা চৎপগী মহুৎত্তা, পি আই ও অমগী ৱারেপতা নহাক্না পেন্দ্রবদি নত্রগা এক্ট অসিগী মখাদা পব্লিক্ট অথোরিটি অমনা ঈ-পাও পীনবগী মথৌ পাংথোক্ত্রে হায়না নহাক্না খল্লবদি, নহাক্না ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা হকথেংননা চৎপা য়াবগী লম্বেল অমসু লৈ লোইননা এক্ট অসিগী ১৮(১)শুবা ৱাকক্কী মতুং ইন্না ৱাকৎ অমা লানখৎপসু য়াই। নহাক্না খুদক্তা পি আই ও অদুদা চৈরাক অমা ফংহনগে নত্রগা নশামক্কী ৱাকোংশেল তানগে খল্লবদি মসি কান্নরবা লম্বেল অমনি। আপিল্লেট অথোরিটিদি মসিগী মরমদা য়াথং অমত্তা পীনবগী শক্তি লৈতে, তৌইগুম্বসুং ইনফোর্মেসন কম্মিসনদি মসি পাংথোকপা ঙমই। খোংথাং অসিদা, ইনফোর্মেসন কম্মিসননা ৱারেপ অমা লৌনবগীদমক অকক্নবা মতমগী পনখৈ ৱাৎপদগী শোৎথহৌবা ৱাফম অমা লৈ হায়জরগসু, নহাক্না ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা হকথেংননা চৎপসিনা আপিল্লেট অথোরিটি কানথোকপা য়াই। অপিল্লেট অথোরিটিনা মাগী ওইবা ৱারেপ য়াল্লবদা নুমিৎ ৪৫নিগী মনুংদা পীগনি। করম্বা লম্বেলনা নহাক্কী কেস অদুদা খ্বাইদগী ফগদগে হায়বসি নহাক্না চেকশিন্না ৱারেপ লৌবা তাবনি।

আর টি আই এক্টকী মখাদা ঈ-পাও লৌথোক-লৌশিন তৌবদা নহাক্না করিগুম্বা খুদোংচাদবা অমত্তং-মায়োক্নরবদি, নহাক্না ৱাকৎ অমা লানখৎপা ঙমই[৭২], খুদম ওইনা

(অ) নহাক্কী হায়জ-চেরোল লৌশিন্নবা হায়রিবা অকক্নবা লোইশঙ অমদা পি আই ও অমত্তা হাপত্রবা নত্রগা এসিস্টেন্ট পি আই ও অমনা নহাক্কী হায়জ-চেরোলদু লৌশিল্লু য়াদ্রবা মরম অনিসিগী মরক্তগী অমা লৈবদা নহাক্না হায়জ-চেরোল অমত্তা পীশিল্লুবা ঙমদ্রবা;

(আ) পামই হায়জখিবা ঈ-পাও অমত্তা নহাক্না লৌথোক-লৌশিন তৌগে হায়বদা য়ারক্ত্রবা;

(ই) অপীবা মতমগী পনখৈ মনুংদা নহাক্না হায়জখিবা ঈ-পাও অদু লৌবা য়ারক্ত্রবা নত্রগা নহাক্কী হায়জরিবদুদা করিগুম্বা পাওখুম অমত্তা ফংদ্রবা;

(ঈ) নহাক্না মরম চাদে খনবা থিফম থোকপা শেঞ্জং থিনবা নঙোন্দা হায়রক্লবা

(উ) নঙোন্দা পীরক্লিবা ঈ-পাও অদু মপুং ফাদ্রবা, অরানবা ওইরল্লবা নত্রগা শেরান-তুরানবনি হায়না নহাক্না থাজরবা;

(ঊ) আর টি আই এক্টকী মখাদা ঈ-পাও লৌথোক-লৌশিন তৌবগী মরী লৈনবা মতাংদা নহাক্না ৱারু-নুংজু (প্রোব্লেম) অমা থেংনরবা;

আর টি আই এক্টকী মখাদা থোইদোক্না পন্দ্রবা ফাওবদসু, নিংথিনা তেম্বানবা মওংদা ঈ-পাও লৌথোক-লৌশিন তৌবদা নঙোন্দা অথিংবা পীবগা মরী লৈনবা করিগুম্বা ৱারু-নুংজু অমদা হেক্তা নহাকপু ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা ৱাকৎপা য়াহন্নবা মসিগী অরোইবা কয়াৎ অসি থওইনা পাক-চাওনা য়াওহল্লিবনি। মসিদা য়াওরিবশিংদি, খুদম ওইনা এক্টসিগী মখাদা মশানা নিয়ম চুম্না ফোংদোকফম থোকপা মচাকশিং থবক্তা ওন্থোকপা, পি আই ওশিং ফম থিন্দোকপা, ফম্নাইবশিংদা চুনবা ত্রেইনিং পীবা নত্রগা দরকার লৈবা য়ুজরস গাইদ (থবক তৌরিবশিংগী লমজিং-লমতাক) সরকারনা পুথোকপা ঙমদ্রবা হায়রিবশিং অসিদা পব্লিক্ট অথোরিটি অমনা থবক পাংথোরক্ত্রবা অসিদনি।

[৭২]- ১৮(১)শুবা ৱাকক;

ইনফোর্মেসন কন্মিসনশিংনা আপিল নত্রগা ৱাকৎ অমগী ৱাচুম-ৱারেপ্পবা (হিয়ারিং) তাবা নত্রগা তাদবা, থিজিন-হুমজিন্নবগী অমদি ৱারেপ লৌনবগী চপ-মান্নবা শক্তিশিং লৈ (ইনফোর্মেসন কন্মিসনদা আপিল তৌবগা মরী লৈননা লমাই ৩৭দগী ৪০ফাওবদা য়াওরিবা অকুপ্পা ৱারোলশিং য়েংসি )। শমজিল্লবদা, ইনফোর্মেসন কন্মিসনশিংদা থিজিন-হুমজিন্নবগী অচৌবা শক্তিশিং লৈ মরমদি মখোয় অসি সিভিল কোর্ট অমদা লৈরিবা মান্নবা শক্তিশিং লৈরিবনি।[৭৩] ইনফোর্মেসন কন্মিসননা আপিলশিং লৌশিন্নবগীদমক মতমগী পনখৈ অমত্তা হৌজিক্কী আর টি আই এক্ট অসিদা য়াওদে। ৱাকৎ অমা থিজিল্লবা তুংদা, ইনফোর্মেসন কন্মিসননা নহাক্কী ৱাকৎ অদু চুমই হায়না ৱারেপ লৌরবদি, আর টি আই এক্টবু ঙাক্না চৎহন্নবগীদমক দরকার লৈরিবা মরী লৈনবা পব্লিক্ট অথোরিটি নত্রগা ফম্নাইবশিং অদুগী মথক্তা করিগুম্বা খোংথাং অমা নত্রগা খোংথাং পুন্নমক লৌখৎনবা ইনফোর্মেসন কন্মিসনগী য়াম্না চাওবা অমদি নমদুনা ইলহনবা ঙম্বা শক্তিশিং লৈরে। খুদম ওইনা, নহাক্না হায়জখিবা ঈ-পাও পীথোরক্লবা, হায়জ-চেরোলশিংদা থবক লৌখৎনবা অমদি লৌশিন্নবা পি আই ওশিং হাপ্পা নত্রগা খরা হেন্না শাফবা মওংদা মশানা ঈ-পাও ফোংদোকহন্নবা য়াথং পীবা ঙমই। নহাক্না ৱানা খাংলম্বা য়াবা করিগুম্বা অপন-অরাক নত্রগা অমাং-অতা অমগীদমক ইনফোর্মেসন কন্মিসননা পব্লিক্ট অথোরিটি অমদা ৱাকোংশেল পীহনবা অমদি হায়বা ইন দবা ফম্নাইবশিংগী মথক্তা চৈরাক অমা পীহনবা ঙমই।[৭৪] মসিগা তাইয়োন্নবদা, ইনফোর্মেসন কন্মিসননা নহাক্কী ৱাকৎ অদু চুমদবনি খংলবদি, মানা নহাক্কী হায়জ-চেরোল অদু লংথোরকপা ঙমই। করিগুম্বা মতাংদদি, নহাকনা ভারতকী সুপ্রিম কোর্ট নত্রগা রাজ্যদুগী হায় কোর্টতা আপিল তৌবা য়াই।

## চৈরাক পীনবগী ইনফোর্মেসন কন্মিসনশিংগী শক্তি লৈ

ইনফোর্মেসন কন্মিসন মথন্তনা, হায়বদি আপিল্লেট অথোরিটি য়াওদনা থকশি-খাশি(দিসিপ্লিনারি) ঙাক্তবগী মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা ৱা হায়বা[৭৫] অমসুং নোংমগী লু: ২৫০দগী য়াম্লবদা লু:২৫০০০ ফাওবগী শেল তিংহন্নবগী চৈরাক ফংহনবা য়াবশিং[৭৬] অদুদি :-

- ➪ হায়জ-চেরোল অমা লৌশিল্লু য়াদবশিং
- ➪ এক্টসিদা পীরিবা মতমগী পনখৈ মনুংদা ঈ-পাও পীবা ঙমদবশিং;
- ➪ ঈ-পাও পীনবা হায়জরকপদা অরানবা ৱাখলদা পীনিংদবশিং
- ➪ খঙনা খঙনা চুমদবা, মপুং ফাদবা নত্রগা ফৈরেংননা চৎহনখিবা য়াবা ঈ-পাও পীরকপদা
- ➪ ঈ-পাও পীনবা শেম শাবদা করিগুম্বা মওং অমদা অথিংবা পীরকপশিং

চৈরাক অমা পীদ্রিঙৈগী মমাংদা ফম্নাইবা অমদা মহাক্কী ৱারোল তাবিনবগী খুদোংচাবা পীগদবনি। ফম্নাইবা অদুনা কন্মিসনদা মহাক্তী মরম চানা অমদি চুম্না মথৌ তৌরি হায়না প্রমান পীগনি।

---

[৭৩]- ১৮(৩)শুবা ৱাকক;

[৭৪]- ১৯(৮) শুবা ১সুং ২০শুবা ৱাকক;

[৭৫]- ২০(২) শুবা ৱাকক;

[৭৬]- ২০(১)শুবা ৱাকক;

## পাংথোকপা য়াবা অহুমশুবা লম্বেল :- ৱায়েলশঙদা ৱাকৎপা

ইনফোর্মেসন কম্মিসনগী ৱারেপতা নহাক্না পেন্দবগী তানফম অমা মায়োক্নরবদি, নহাক্না সুপ্রিম কোর্টদা নত্রগা হায়কোর্টতা আপিল অমা থাবা ঙমই। আর টি আই এক্টকী মখাদা করিগুম্বা প্রোসিদিং অমা, হায়জ-চেরোল নত্রগা সুইট(ৱায়েন-ৱাকৎ) অমা ৱায়েনশঙশিংদা খন্নবা হায়বসি আর টি আই এক্টনা অতম্লবা চৈখল (বার) অমা পী।[৭৭] অদুমকপু আর টি আই এক্ট অসি তঙাই ফদবা হক অমবু থবক্তা ওন্থোকহন্নবা লৈবনি হায়বসি নিংশিংগদবনি অমদি লৈঙাক পথাপকী খুদুং ইন্না, মীকোক (সিটিজন)শিংগী তঙাই ফদবা করিগুম্বা হক অমগা মরী লৈনবা মতাংদদি লৈঙাক পথাপকী মতুং ইন্না হায়কোর্ট (২২৬শুবা তাংকক্কী মখাদা) অমসুং সুপ্রিম কোর্ট (৩২শুবা তাংকক্কী মখাদা)না য়েংশিন্নবগী শক্তি লৈরি। লৈরিবা কেস অদুগী মখা পোন্না নহাক্না রাজ্য নত্রগা কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন কম্মিসনশিংগী ৱারেপতা পেন্দ্রবদি টেক্নিকেল্লি (শিন্থা-কাংলোনগী) ওইনা নহাক্না হায়কোর্ট নত্রগা সুপ্রিম কোর্টতা চৎনবগী হক চপ চানা লৈ।

[৭৭]- ২৩শুবা ৱাকক;

## অনিশুবা ফ্লো চার্ট :- আপিল তৌনবগী খোংথাং

পি আই ওনা নঙোন্দা হায়জ-চেরোল লংথোরকপগী খঙহন-চেরোল পীরকপদা

আপিল

পব্লিক্ত অথোরিটি অদুগী আপিল্লেট অথোরিটিদা নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা আপিল তৌবা; হায়জ-চেরোল অদুগী মরমদি
- ৱারেপতুগী খঙহন চেরোলনা নঙোন্দা পেলহন্দ্রবা
- নুমিৎ ৩০নি (নত্রগা শাংদোক্লবা মতমগী মনুংদা) নঙোন্দা ৱারেপ অমত্তা খঙহল্লক্ত্রবা

আপিল্লেট অথোরিটিনা নুমিৎ ৩০-৪৫ ফাওবগী মনুংদা অপিল লোইশিনবা

আপিল্লেট অথোরিটিনা আপিল লৌবা; অইবা খঙহন-চেরোল পীবা; ঙল্লিবমখৈ অথুবা মতমদা ঈ-পাও অদু পীথোক্কনি

নহাক্লা পেন্দ্রবা পি আই ও অদু চৈরাক ফংহন্নিংলবদি অনিশুবা আপিল তৌবা য়াই

আপিল্লেট অথোরিটিনা আপিল লৌদবা; নহাক্লা ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা চৎচগে হায়বগী হক য়াওনা নঙোন্দা অইবা খঙহন-চেরোল পীফম থোকই

ৱাকৎ

রাজ্য নত্রগা কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা হকথেংননা ৱাকৎপা। নহাক্লা ঈ-পাও লৌবদা মখাগী হিরমশিং অসিনা মরম ওইরগা করিগুম্বা প্রোব্লেম অমা মাইয়োক্লরবা মরমদি -
- পি আই ও অমত্তা লৈতবা
- নহাক্কী হায়জ-চেরোলবু পি আই ওনা লৌশিল্লু য়াদ্রবা
- চংথোক-চংশিন য়াহন্দ্রবা
- নঙোন্দা মরম চাদবা ফি পীহল্লবা
- নঙোন্দা অরানবা পাও পীরক্লবা
- ঈ-পাও লৌগে হায়বদা থেংনবা করিগুম্বা অতৈ মরমদা

ৱাকৎপগী মতমগী পনখৈ অমত্তা লৈতে

চে-চাং পুম্বা ইনফোর্মেসন কম্মিসন্না য়েংশিনগনি; পি আই ওনা ঈ-পাও অদু পীদবগী অচুম্বা মরম পীগনি; নহাক নত্রগা অহুমশুবা কাংবু চেন্নরবদি নখোয়গী ৱারোল তাবিনবগী হক লৈ। ৱারেপ অমা পীবগী মতমগী পনখৈ লৈরোই

ইনফোর্মেসন কম্মিসন্না নহাক্কী ৱাকৎ নত্রগা আপিল লৌখৎপা
- হায়জরিবা মীওইদুদা খঙহনবা
- ঈ-পাও পীখিনবগী য়াথং পীবা
- পব্লিক্ত অথোরিটিবু আর টি আই এক্ত ইন্নবা য়াথংশিং তাউথবা

পি আই ওশিংবু ইনফোর্মেসন কম্মিসননা চৈরাক পীবা অমদি লোইশঙ লোনগী (দিপার্টমেন্টেল) ওইবা চৈরাক পীনবা পি আই ওবু শিন্নখিবা

নহাক্কী আপিল নত্রগা ৱাকৎপু ইনফোর্মেসন কম্মিসন্না লংথোকপা অমদি নঙোন্দা মাগী ৱারেপকী খঙহন-চেরোল পীবা

ৱায়েলশঙদা আপিল চৎপা। আর টি আই হায়বসি তঙাইফদবা হক অমনি। মরমসিনা নহাক্লা হায়কোর্ট নত্রগা সুপ্রিম কোর্টতা আপিল অমা তৌবা ঙমই

## মপালশুবা শরুক

## ঈ-পাওগী হক অসি চাওখৎহন্নবা ঐনা করমনা তেংবাংবা ঙম্বগে ?

আর টি আই এক্ত অসিনা ঈ-পাও লৌননবগীদমক ৱায়েল-পথাপকী ওইবা পাদমগী য়ুমফম অমদি থোল্লবনি; তৌইগুম্বসুং অফবা লৈঙাক অমগীদমক লৈঙাক-ৱয়েল পথাপ্পু থবক্তা ওন্থোরকপদা খুৎলাই অমা ওইনা মাই পাক্নবগী লম্বীদি অদোমগী খুৎতা লৈ। ঈ-পাওগী চক (রেজিম) অসিদা লৈবাক মীয়াম্না ঈ-পাও লৌথোক-লৌশিন ঙম্নবগী মীচং অমসুং পাঙ্গল অমা শাগৎপদা লৈবাক শিন্না লৈরিবা পব্লিক্ত অথোরিটিশিংনা মখোয়গী থৌদাংশিং মপুং ফানা পাংথোক্নবা, মখোয়না য়াফম থোকপা লেংথোংশিং শোইদনা য়ানবা মীয়াম্না আর টি আই এক্তপু তঙাই ফদবা ইথৌ অমগুম্না শিজিন্নফম থোকই। অদোমগী মতেংদনা ঈ-পাওগী হক অসি য়াম্না শক্তি লৈবা অমদি চং থোকপা হক অমা ওইহনবা ঙমগনি।

### ঈ-পাও পীনবা হায়জবা :-

সরকারনা চাকথুং ফংহনবদা মীয়ামগা শম্নবগী থৌওং(সার্ভিস দেলিভরি) ফগৎহন্নবা অমদি শেঞ্জা-থুমজা হন্থহন্নবগী খুৎলাই অমা ওইরিবা আর টি আই এক্তপু নিংথিনা ইফেক্তিভ ওইনবা, সরকারদগী ঈ-পাও লৌনবা হায়জবদা মীয়াম্না মসিবু শিজিন্নগদবনি। সরকারনা মীয়ামবু ইকাই খুম্নহনবা অমসুং অচুম্বা থবক তৌহন্নবগীদক মসিনা পুম্নমক্কী শুকশোই শোইদ্রবা লম্বী অমনি। সরকারগী চাওখৎ-থৌরাংশিং (স্কিম) অমদি পোরম পোমিৎশিং (প্লান) ফজনা থবক্তা ওন্থোকহনবদা, সরকারদা শিন্নরিবা দাইত্য (একাউন্টেবিলিটি) দাবি তৌবদা, সরকার মনুংদা লৈরিবা মথোং মরম খঙদবা শিন্দোক-শিনজিন (মিসমেনেজমেন্ট) অমসুং শেঞ্জা-থুমজা পাক্তক্লনা চৎথববু চিংথোক্লবা হোৎনবদা লোইন-লোইননা পুম্নমকসিগী মথক্তা মতৌ করম্না লৈবাক শিন-থুংনা চৎনরিবা খুজিন-থৌরাংশিং (পোলিসি) থবক্তা ওন্থোক্লিবগে অমসুং শেম-শাবগে (দিজাইন) হায়বসিদা ৱাফম অমা ফোংদোকহন্নবা দাবি তৌবদা মীওই কয়ামুক্না অমদি খুন্নাই লুপশিংনা আর টি আই এক্ত অসি হান্ননা শিজিন্নবা হৌখ্রবনি।

### সরকারবু চপখৎপা (মোনিটরিং) :-

নহাক্না পান্লিবা ঈ পাও ফংনবা অমদি পীনবা হায়জবা হায়বসি অহানবা খোংথাং অমনি। ফংলিবা ঈ-পাও অদু নহাক্না কৈদৌনগদগে হায়বসিনা মরুওইবা ৱাফম ওই। খুদম ওইনা শেরান্নবা লৈঙাক থৌশিল (মিসএদমিনিষ্ট্রেসন), শেঞ্জা-থুমজা নত্রগা লান্না থবক তৌবগী খুদম-চাংদমগী ঈ-পাও অদু নহাক্না ফোংদোরক্লগদি, নহাক্না ৱাফমসি মথক থোংবা অথোরিটিশিং-মদু ইনফোর্মেসন কন্মিস্নার, ৱায়েনশঙ নত্রগা শেঞ্জা-থুমজাগী ময়োক্তা থবক তৌবা কাংবু (এজেন্সি) অমা ওইবা য়াই-ৱাফম অসি মখোয়দা পুখৎপা হায়বসি তৌদবা য়াদবনি। অচুম্বদি আর টি আই এক্ত মশা অসি ফাওবা মতৌ অসুম্না চপখৎতুনা য়েংশিনবগী মথৌ তারি। পব্লিক্ত অথোরিটিশিংগী ফম্নাইবশিংনা লৈঙাক ৱায়েন পথাপ অসিবু ইন্নবা হোৎনরিব্রা অমসুং সরকারনা মাগী ঈ-পাও ফোংদোক্লবা ৱাফমশিং ঙাক্লিব্রা হায়বশিং খঙদোকপদা, এক্ত অসি থবক ওইনা পাংথোকপগী মতৌ অসি নহাক্না চপখৎতুনা য়েংশিনবা ঙমই। নহাক্না ফংলক্লিবশিং অদুদা য়ুমফম ওইরগা, এক্তসি থবক্তা ওন্থোকপদা সরকারনা হোৎনরিবশিংবু ফগৎনবা, নহাক্না সরকারদা খঙহনবা (এদভোকেসি) অমসুং ভাব তাহন্নবা ৱারি শান্নবা (লোবি) য়াই।

## আর টি আই অসি শিজিন্নরগা এক্তিবিষ্টশিংনা সরকার মনুংগী শেঙ্গা-থুমজা সেবাক ফাক্লকপা।[৭৮]

ইং কুমজা ২০০৪গী জানুৱারি থাদগী, মধ্য প্রদেশ সরকারনা "ইন্দজ চাইলদ লেবর প্রোজেক্ট হায়বা ইন্টরনেস্নেল লেবর ওর্গেনাইজেসন্না (আই এল ও)না শেন্থং পীথবা চাওখৎ-থৌরাং অসি পানা (জিলা) মঙাদা চলাইরকখি। ইন্দজ প্রোজেক্টকী মরু ওইবা পান্দমদি অঙাং শিন্মীশিংদা প্রাইমারি ইদুকেসন (তঙাইফদবা মহৈ-মশিং) পীবনি। মসি রাজ্য সরকারগী খুৎথাংদা আই এল ওদগী পৈশা ফংবা অমসুং কাইথোকপা ঙব্বা নেসনেল চাইলদ লেবর প্রোজেক্ট (এন সি এল পি) কৌবা রেজিষ্টার তৌরবা লুপ অমনা পাইখৎপনি। এনসিএলপিগী থৌবুরেল (প্রসিদেন্ট)দি দিষ্ট্রিক্ট কল্লক্তরনা ওই অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেবর ওফিসারনা সেক্রেটরি ওইবনি । মসিগী মথক্তা প্রোজেক্ট অসিগী থবক খুৎতৌবু কুপ্পা য়েংশিন্নবগীদমক প্রোজেক্ট ডাইরেক্টর মঙা অমসু হাপই। পোস্থা-শেলদি য়াম্না লৈরবনি, ইন্দজ প্রোজেক্ট থবক পাইখৎনবগীদমক কাটনি দিষ্ট্রিক্ট মথন্তগী ওইনা অপুনবা লু: ৩১,৮০,৭৫০ রোম কাইথোক্তুনা থন্নকখি।

থবক অসিগী মমি তন্নকপদগী হৌনা প্রোজেক্ট অসিদা শেঙ্গা-থুমজা তৌবগী তোকঙাগী শামিন লৈরকখি। ইং কুমজা ২০০৫গী ডিসেম্বরদা কাটনিদা লৈবা আর টি আই এক্তিভিষ্ট অমনা হংখিবা ৱাফমশিংদি - কাটনিদা লৈবা প্রোজেক্টসিগী মখাদা চলাইগদবা টিচিং সেন্টরশিংগীদমক ফাষ্ট এইদ কিট মশিং কয়া য়াম্না লৈশিনবা, কিটশিং অদু লুপা কয়াগী চাংদা (রেট)দা লৈখিবনো, কিট অদুদা করি করি য়াওবগে, অমদি প্রোজেক্ট অদুগী চং থোকপা (প্রোএক্তিভ) ৱাফোং ৱারোলগী কোপি অমা পীনবা অসিনি।

কিট অমমমদা লু: ৩৫০০ পীদুনা ফাষ্ট এইদ কিদ ৪০ লৈখ্রে হায়না পি আই ওনা পাওখুম পীরকখি। ফাষ্ট এইদ কিটশিং অসিগুম্বা চপ মান্নবা পোৎথোক পুথোক্তুনা য়োল্লিবা মফমদুদা লৈবা কম্পেনিশিংদগী কৈথেলদা ফংনরিবা পোৎ অদুগী মমল হংনরুবদা ঈ-পাও হংলিবা মীওইদুনা খঙবা ঙমখিবদি কিট অমদা লু: ৭৬০ পিবা অদু মমল ৱাংলবদা লুপা ৯৭০দা ফংই। কৈথেলন্দা মমল খ্বাইদগী ৱাংলে হায়নরিবা অদুদগীসু মমল হেন্না প্রোজেক্ট অদুনা লৈশিনখ্রে হায়বসি ঈ-পাও হংলিবনা খঙলকখি। কিট অমমমদা লু: ৩৫০০ পীরগা কিট ৪০ লৈনবগীদমক থবক তৌরিবা এজেন্সি অদুনা লুপা ১,৪০,০০ চাদিং তৌখি। মমল খ্বাইদগী ৱাংলবদা কিট অমদা লু ৯৭০দা কৈথেনগী পোৎয়োনবশিংদগী এজেন্সি অদুনা কিটশিং লৈরম্লবা ফাওবদসু, মসিদা সুপ্নতগী লু: ৩৮,৮০০ খক্তা চাদিং তৌরম ফম থোকই।

ঈ-পাও অসিনা খুৎলাই ওইরগা, এক্তিবিষ্ট অসিনা অসিগুম্বা সেন্টর ১০দা চৎতুনা কিটশিং অসি য়েংশিল্লুবদা ফংখিবদি করিগুম্বা কিট অমত্তদা মাগী কম্পেনিগী খুৎফম (লোগো) নমলমখিদে। সেন্টর ৩দদি কিটশিং অসি অহাংবা ওইরমখি অমসুং অতৈ সেন্টরশিংদা থেংনরিবা কিট ৭খক্তা ওইফম থোকপা অপীবা ক্বালিটি অদুদগী হেন্না হোংবা ক্বালিটি অমগী কিট ওইরমখি। লৌতুনবা ৱাথোক (স্কেন্দল) অসি মফমদুগী পাও-চেশিংদা ফোংনরকখি। তৌইগুম্বসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসন অদুনা ইনক্বারি অমা তৌখি অমসুং পোৎ সপ্লাই তৌরিবা কাংবু অদুদা লু: ৮০,০০০ এক্সচেক্করদা হন্দোরক্লবা য়াথং পীখি। আর টি আই অসি খাজনা থিরিবা মীওইশিংগী শেল চাদিং তৌবদা হিসাব চপখৎনবা কান্নরবা খুৎলাই ওইনসু শিজিন্নবা য়াই।

[৭৮]- ইং কুমজা ২০০৬কী মখাদা মধ্য প্রদেশকী সুচনা অধিকার অভিজ্ঞানদগী লৌথোকপা

### অতোপ্পা মীওইশিংবু পাওতাক পীবা অমদি তন্বীবা :-

ঙসিদি, লৈবাক শিন্থুংনা লৈরিবা মীয়াম মরক্তগী সুপ্লতগী মীওই খরখক্তনা অসিগুম্বা শক্তি হেনগৎহনবা ঙম্বা লৈঙাক-ৱায়েন পাথাপ অমা চৎনরক্লে অমসুং মসিবু শিজিন্নবা য়ারে হায়বা খঙনবতা মঙাইরি। মীয়াম-মরক্তা আর টি আই এক্টপু তাকপি-তন্বীবা অমদি খঙনবা শন্দোকপা হায়বসি কেন্দ্র সরকার অমসুং রাজ্য সরকারগী মথৌনি, তৌইগুম্বসুং মখোয়না হোৎনরিবসি য়াম্না তপই। ঙল্লিবমখৈ মেদিয়ম কয়াগী খুৎথাংদা অমসুং লোন কয়াদা আর টি আই এক্টকী পাওজেল অসি লৈবাক শিনবা থুংনা পাক-শন্না খঙননবা শন্দোকপা হায়বসি ভারতকী মীকোকশিংগী মথৌ অমনি। নহাক্লা হোৎনরিবদু মাই পাকপা য়াই নত্রগা মাইথিবা য়াই হায়বা খন্দনা; নহাক্লা নংগী মরুপ-মপাং অমসুং লোইনরিবশিং অদুদা মসিগী মরমদা ইচম চম্লা ৱারি-ৱাতাই তৌনবা নত্রগা নহাক্কী ৱারি অদু ইন্টর্নেটতা থাগৎপা নত্রগা পাও-চেশিংদা ৱারি অমা ওইনা ইথোক্লগা ফোংবা ওইরবসু নহাক্কী থবক খুৎতৌ অদুদা থেংনরিবশিং অদুনা মীয়ামগী পুক্লিং লৌশিং ওইহন্নবা নহাক্লা ৱাখল তৌগদবনি। মতৌ অসুম্না ঈ-পাও লৌনবা অতোপ্পা মীওইশিংনা মতৌ করম্না ৱাহং হংগদগে, ইগদগে অমদি হায়জ-চেরোল অমা থাগদগে হায়বসিদা নহাক্লা মীয়াম্থু মতেং পাংবা ঙমগনি। আর টি আই এক্ট শিজিন্নবদা নহাক্লা হকথেংনরিবা অসিনা অতোপ্পশিংদা পাঙ্গল-থৌনা হাপ্লবগী পুক্কে (সোর্চ) অমা ওইনা থবক তৌবা য়াই অমদি নহাক্লা মসি ফোংদোরকপনা মীয়ামগী থম্মোয়দা অমসুং ৱাখলদা আর টি আই এক্টপু মাই পাকহনবদা সুকশোই শোইদবা পান্থে (ভাইটেল) ওইগনি।

### মুম্বাইগী কৈশুমশঙদা করি থোক্লিবা[79] :-

মহারাষ্ট্রাদা, মুম্বাইগী অর্থর জেল মনুংদা ফাদোকশিংবু মোবাইল ফোনশিং শিজিন্নবা য়াহল্লুবদগী মখোয়না নম্ফুদা পৈশা খাইবা অমদি লৈঙাক-ৱায়েন পথাপ কাইনা অমসুং নাপল লৈনা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা থবক-থনাশিং তৌবা য়াহল্লে হায়না মেদিয়াশিংনা তোইনা চাং নাইনা ফোংনরকখি। ইং কুমজা ২০০১গী ওক্তোবরদা কৈশুমশঙগী ইন্সপেক্তর জেনেরেলনা মোবাইল ফোনশিং শিজিন্নবা থিংনবা লুপা ৬,০১,৭৩৬ পীবা জামরশিং কৈশুমশঙ মনুংদা খিন্নবা ৱাফম থাঙ্গৎলকখি। মথংগী চহি মরী হেল্লবা ফাওবা থাঙ্গৎলক্লিবা ৱাফমসিদা থবক অমত্তা পাইখৎখিদে অমসুং মখা তানা মোবাইল ফোনশিং শিজিন্নখি।

ইং কুমজা ২০০৫গী ডিসেম্বর ২০দা কেস অসিদা চৎনরিবা চে-চাংশিংগী অকুপ্পা মরোল লৌনবগীদমক সাইলেস গান্দি কৌবা মীওই অমনা আর টি আই এক্টকী মখাদা হায়জ-চেরোল অমা থাখি। মহাক্লা হায়জখিবা নুমিৎ ৬নিগী মনুংদা; ইং কুমজা ২০০৫গী ডিসেম্বর ২৬দা জামরশিং লৈননবগীদমক য়াথং অমা পীনবা ইন্সপেক্টর জেনেরেল ওফ প্রিজন্দা হায়রকখি। মমৈদা সাইলেস গান্ধিনা হান্না হায়জখ্রবা মতুং থা অমা ফাদনা ইং কুমজা ২০০৬কী জানুৱারি ১০দা লুপা লাখ ৭ লোম চংবা জামরশিং কৈশুমশঙ মনুংদা খিল্লকখি।

সরকারনা চহি ৪গী মনুংদা করিসু তৌবা ঙমখিদ্রবা নত্রগা তৌখিদ্রবা থবক অমবু আর টি আই এক্টনা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা পাংথোকহনখি। এক্ট অসিগী খুৎথাংদা সরকারবু চপখৎপা অমদি থবক নিংথিনা তৌদববু চিংথোকপা অসিনা ৱাজাও ঙাংলিবশিং (ব্যুরোক্রেটিক ৱার্দ)বু লোইশঙগী থবক্তা ওন্থোকহনবদা য়াম্না নিংথিনা কান্নহনবা ঙমই।

[79]- সাইলেশ গান্ধি (২০০৬)

## ইমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি স্কিমদা শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাথোক ইন্দিয়ান এক্সপ্রেসনা ফোংদোরকপা[৮০] :-

মহারাষ্ট্রাগী থানে ডিষ্ট্রিক্ট অসি রাজ্য অসিগী খ্বাইদগী লাইরবা অমসুং চাওখৎত্রিবশিংনা নম্না খুন্দারিবা টালুকা (মফম) অমনি। জৱার অবসুং মোখাদা কৌবা টালুকাশিংদদি য়ুম্লিংলিবা ইমুং চাদা ৭০দি ফজনা লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈরে। মহারাষ্ট্রা ইমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি স্কিম (এম ইজি এস) হায়বসি অসিগুম্বা মফমশিংদা হিংলিবা মীওইশিংদা কান্নগদবা (গেনফুল) থবক পীনবগী পান্দমদা শেমগৎখিবা থৌরাংনি। স্কিম অসি করম্না থবক্তা ওন্থোকলিবগে হায়বগী মতাংদা লৈরিবা ঈ-পাও অদু আর টি আই শিজিন্নদুনা থিদোক্লুবদা থৌশিল অসি শেঞ্জা-থুমজানা চয়োম শারল্লে হায়বা খঙনরকখি।

ইন্দিয়ান এক্সপ্রেসনা আর টি আই এক্তকী মখাদা থানে পব্লিক্ট ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (পি দব্লিয়ু দি) দগী মষ্টর রোলগী (খোমজিল্লবা শিন্মীশিংগী মমিং পরেং) চেরোলশিং পীনবা হায়জখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা শেমখিবা পোবদারি-চান্দোসি এপ্রোচ রোদকী লম্বেল শেম্বদা থবক শুরিবা মষ্টর রোলিশিংগী অকুপ্পা ঈ-পাওগী মতাংদা অকক্লনা ইন্দিয়ান এক্সপ্রেসনা থৱায় য়াওখি। এম ই জি এসকী মখাদা খ্বাইদগী লাইরবা খুঙ্গংশিং অদুগীদি লম্বী অসিনা পুন্সি হিংনফম (লাইফ লাইন) পাম্বৈ ওইরিবনি। মষ্টররোল অদুদা উৎলিবদি পোবদারিদগী গঙ্গা ঘাটল কৌবা খুঞ্জা অমদা নুমিৎ ১১নি চংনা লম্বী কোৎথোকপগী লু: ৯৬১ পীখ্রে অমসুং ৱাফম অসি মাগী খুৎপীগী খুৎনম পীদুনা চুমই হায়নসু তাক্লমখি। মষ্টররোল অসিনা খুৎলাই ওইরগা পাওচে অসিনা বোপদারিদা চৎলুবদদি গঙ্গা ঘাটল হায়বসি ইং কুমজা ২০০৪দা মশা মথন্তা শিজখ্রবা মীওই অমনি লোইননা মহাক নত্রগা মহাক্কী ইমুং মনুং কনানসু করিগুম্বা শেলফম অমত্তা ফংখিবা লৈখিদে হায়বা খঙলকখি। ই জি এসকী মখাদা পৈশা ফংখ্রে হায়না উৎলিবা মশা লৈখিদ্রবা মশিং য়াম্লবা মীওই কয়াগী মনুংদা গঙ্গা ঘাটলসু অমনি। কান্নবা ফংখ্রবশিংগী মরক্তা সরকারগী ফম্লাইবশিংগী মমিংশিং য়াওনা মীওই কয়াগী মমিং ইশিল্লমদুনা ভুট শান্নরম্বগী ৱাফম মষ্টর রোল অসিদগী খঙলকখি। খুদম-চাংদমশিং ফাকতোরকপা অসিদগী রাজ্যগী ই জি এসকী মিনিষ্টরবু নমদুনা হিরমসিদা য়েংশিলহনখি।

## আর টি আইগী ইহৌদা য়াওশিনবা :-

ঈ-পাওগী হক অসিবু চাওখৎহন্নবগীদমক খুৎ থারিবা থৌমী কয়া অমদি খুন্নাই লুপ ময়াম অমা লৈবাক শিন-থুংনা লৈরে। হায়রিবা কাংবুশিং অসিনা হক অসিবু ভারত পুম্বগী নুপা, নুপী অমদি মীরাইবিরবা খুন্নাই কাংলুপ (মর্জিনেলাইজ)শিংদা মখোয়গী হক ফংহন্নবগীদমক শিংথানিংঙাই ওইরবা মাই পাকপা অমদি মখোয়না ফংখিবা মহয় কয়াগী ৱারিগা ইরোইননা পাম্বৈ কয়া পুথোক্লুবা কন্না হোৎনরি। মসিগী মথক্তা, আর টি আই এক্তপু থবক্তা ওন্থোকপা অমদি হায়জ-চেরোল কয়া য়েংশিনবদা য়াম্না কুপ্পা য়াওশিনবা ওইনা মফম মফমগী ওইবা কাংলুপশিং অমসুং ইন্টর্নেটতা খুদক্কী ওইনা খন্ন-নৈনবগী লম্বেল ময়াম অমসু লৈরে। নহাক্না কাংলুপশিং অসিগী মনুংদা অমদা য়াওশিনবা নত্রগা নখোয়গী রাজ্যাদা ঈ-পাওগী হককী মতাংদা থবক তৌমিন্ননবা শিল-লাংবা য়াই। নখোয় নশাগী ওইনা খন্ন-নৈনফম কাংলুপ অমসু অদুম শেমগৎপা ফৈ (লাইরিকসিগী ৬শুবা চেহাপ্তা আর টি আইদা খুৎ থারিবা খুৎপু খরগী অকুপ্পা ৱারোল য়াওরি।)

---

[৮০] লেমজনিঙাই ওইরবা মহারাষ্ট্রদা শিখ্রবা মীওইশিংদা থবক্কী পৈশা পীদুনা উতোং অহোবদা ঈশিং হৈবা - চিত্রঙ্গদা চৌধুরি (২০০৬) ইন্দিয়ান এক্সপ্রেস, ১২ জানুৱারি http://www.indianexpress.com/full_story.php?content_id=85784 হায়না মার্চ ২০, ২০০৬দা য়াওরি।

### আর টি আই এক্টপু থবক্তা ওন্থোকপগী পাওথাং চেনবদা (কেম্পেন) য়াওশিনবা :-

হান্নরা ফংখ্রবা কান্নবশিং তাশিন-খোমজিন্নবা অমসুং আর টি আই বু চপ চানা থবক্তা ওন্থোক্লবা সরকারদা মখা তানা তকশিন্নবা লৈবাক শিন-থুংনা লৈরিবা খোংবু কয়ানা খুৎশন্নদুনা থবক চংশিল্লি। খুদম ওইনা নেসনেল কেম্পেন ফোর পিপলস রাইট টু ইনেফোর্মেসন (এন সি পি আর আই) হায়বসি লৈবাক্কী থাক্তা ঈ-পাওগী হকপু পাক-শন্না খঙহন্নবগী মরু ওইবা পান্দম থমদুনা ইং কুমজা ১৯৯৬তা লিংখৎখিবনি। মখোয়না আর টি আই এক্ট চৎনবা য়ানবা ৱানোমখি অমদি হৌজিক্কা মসি থবক্তা ওন্থোকপদা ফগৎহন্নবা মিৎয়েং থন্লি। মসিগী মথক্তা লৈবাকসিদা লৈরিবা থৌমী কয়ানা খন্ন-নৈন্নবা অমসুং মখোয়না থেংনরকপশিং খঙমিন্ননবা ওনলাইন দিস্কসন কাংবু কয়ামুকসু লৈরে। খুদম ওইনা, মহারাষ্ট্রদা হম জানেংগে (হান্না মহাঅধিকার কৌরন্থা) রাইট টু ইনফোর্মেসনবু শৌগৎপশিং (সপ্পোটর)না শেমগৎপা ৱেবদা য়ুম্ফম ওইবা খন্ন-নৈনবগী কাংবু অসিমক ময়াম্না থেংনরকপশিং ফোংদোক্লবা প্রোব্লেমশিং নৈনবা অমদি লৈঙাক-ৱায়েন পথাপ অমসুং মসিবু থবক্তা ওন্থোকপদা লৈরিবা অৱাৎ-অপাশিং নিংথিনা থবক পাইখৎনবগী খুজিল থৌরাং তৌরিবা লোইন-লোইননা ঈ-পাওগী হকপু খুমাং চাওশিন্নবা মসিগী থৌমীশিংগা পাও ফাওন্নবগী প্লেটফোর্ম অমনি। অসুম্না, কার্নাটাকাদসু, উকিলশিংনা ক্রিয়াকার্ত্তে কৌবা খন্ন-নৈনবগী কাংবু অমসু লিংখৎলে। অপুনবা কেম্পেন অমা পাংথোকপদা, অসিগুন্বা ওন লাইন ফোরমশিং অসিনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী অমদি খেৎনবা ৱারি-শিংবুল (বেকগ্রাউন্দ) দগী লাক্লবা মীওইশিং পুনশিন্নবদা য়াম্না কান্নবা পাম্বৈ অমা ওইরক্লি।

**অফ-ফত্তগী দায়ত্ব নমশিনবা - ৱাথোক অমা শন্তাইনবগুম য়াম্না মরু ওই :**

মথৌ তৌদবগী দায়ত্বদগী নান্থোক্লবা হোৎনবা নৎত্রগা মখোয় মশেল অমগা অমগা মরাল থংজিন্নদুনা লৈশিনবগী লোনচৎ অসিনা সরকারগী ফম্লাইবশিংনা তৌরিবা থবক-থনাশিংদা অফ-ফত্তগী দায়ত্ব মখোয় মশা-মশানা পুহন্নবা হোৎনবা হায়বসি লৈবাকসিদা লৈরিবা মীচম মীয়াম্না থেংনরিবা অরুবা ৱাফম অমনি। চেদতা লৈবা খুদোংচাদবা কোকহন্নবা কাংলোন (গ্রিভান্স রিদ্রেসেল সিষ্টেম)শিং অসি মথৌ ফজনা তৌদবা অমসুং অহোবা কয়া লৈবনা তশেংনা অৱাবা নংলিবা মীওইশিংদা মতম খুদিংদা নিংথিনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্দে। ৱারি অসিনা আর. টি. আইবু খুদোং চাদবশিং কোকহনবদা মাই পাক্লা শিজিন্নবা য়াবা পাম্বৈ অমনি হায়বা উৎলি।

মধ্য প্রদেশকী অনুপ্পুর দিষ্ট্রিক্কী রামনগরদা লৈবা সুখলালনা ইং কুমজা ১৯৮১গী সেপ্তেম্বরদা লুপা ২৫,০০০গী ইন্সুরেন্স পোলিসি অমা লাইফ ইন্সুরেন্স কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া (এল. আই. সি)দগী লৈশিনখি। পোলিসি অসি ইং কুমজা ২০০৪দা মতম শুদুনা মপুং ফারে। মহাক্কী লোইনবী রামবাইনা নোমিনি ওই লোইননা থিফম থোকপা প্রেমিয়মগী শেনফমশিং চাং নাইনা থিখি। পোলিসি অসিগী মতম শুদুনা লোইগদবা শুপ্পগী থা ৮দা ঙাইরবা কান্দা ইং কুমজা ২০০৪গী জানুৱারি থাদা সখুলাল লম্বীগী খুদোংথিবা এক্সিদেন্ট অমদা লৈখিদ্রে। লাইবক থিবা লম্বীগী এক্সিদেন্টা সুকখলাল লৈখিদবগী পাও অসি অৱাবা নংলবী লুখ্রাবী অসিনা এল. আই. সিদা পাও পিখি অমদি ইন্সুরেন্সগী শেনফম অদু মঙোন্দা পীবিনবসু হায়জখি। সেপ্তেম্বর ৩০দা এল. আই. সি ওফিসনা লৈখিদ্রবা সুখলালগী মিংদা লুপা ২৫,০০০গী চ্যেক অমা থারকখি, অদুগা কেস অসিদা মখোয়গী মথৌ লোইরে হায়দুনা তুমিন্না লৈশিনখি। তৌইগুন্বসুং

পোলিসি অসিগী মতুং ইন্না য়াওরম্বা মীওই (ইন্সুঅর) অদুনা করিগুম্বা এক্সিদেন্টতা লৈখিদবা থোক্লগদি মাগী নুপীনা শেনফমদুগী শরুক অনি ফংফম থোকপনি। শ্রীমতি রামবাইদা লুপা ৫০,০০০ পীরক্লমগদবনি অমসুং চ্যেক অদুসু মাগী মমিংদা ইরক্লমগদবনি। মরমসিনা পোলিসি এগ্রিমেন্টগী মতুং ইন্না অপুনবা শেনফম শুনা পীবিনবা হায়জরদুনা রামবাইনা চ্যেক অদু অমুক হনদোকখি।

মহাক্কী ৱাকৎ অদু তান্নবদা শ্রীমতি রামবাইনা মরী লৈনবা লোইশঙদুদা অমদগী অমদা কোইচেন চেঞ্জরমই। চহি অনি মখাইরোম অসিদা মঙোন্দা তৌবিরক্লিবা থৌওংশিং অদুদা খারবা শ্রীমতি রামবাইনা অনুপ্পুরগী ডিষ্ট্রিক কঞ্জুমর ফোরমগী চিয়ারপার্সন মিষ্টর সুনিল চাউরাসিয়াগা উন্নরম্মী[৮১]। মিষ্টর চাউরাসিয়ানা এল. আই. সি ব্রাঞ্চ ওফিস অদুগী ফম্নাইবদু কৌরগা কেস অদুগী মতাংদা থিগৎলুবদা ফম্নাইবা অদুনা কেস অদু অথুবা মতমদা লোইশিঞ্জরগে হায়না থাজবা পীখি। অদুবু মসিদসু শেল ফংবগী মমি তঙ্লমদে। মিষ্টর চাউরাসিয়ানা ইং কুমজা ২০০৬কী মে ৩১দা ব্রাঞ্চ মেনেজর অদুদা কেস অদু শুকচং চংশিন্দবগী মতাংদা ঈ-পাউ পীরক্লবা অইবা ৱাকৎ অমা পীখি। মসি ফাওবদসু এল. আই. সিনা মঙক কন্দুনা করিশু থৌশাখিদে। শাংলবা থা মঙাগী মতম ঙাইরবা তুংদা মিষ্টর চৌরাসিয়ানা নভেম্বর থাদা এল. আই. সিগী পি. আই. ওদা আর. টি. আইগী হায়জ-চেরোল অমা থাজিনখি। মসিদা মহাক্কী ৱাকৎ অদুদা করি থবক লৌখৎখ্রবগে হায়বগী অকুপ্পা রিপোর্ট, শ্রীমতি রামবাইগী ৱাকৎ অদু লোইশিন্দবগী দায়ত্ব লৈবা ফম্নাইবশিংগী মমিং অমদি ফমথোল খঙহনবিরক্লবা লোইননা শেল পীথোক্তবগী মরমশিং হংখি। আর. টি. আইনা এল. আই. সি ওফিস অদুগী থবক্কী খোংজেল য়াংশিলহল্লমই অমসুং হায়জ-চেরোল ফংবা নুমিৎকী নোংঙানবদা ওফিসতুগী ওইবা মিতিং অমা পাংথোকখি। মথং নুমিৎতা পীগদবা শেলফমদগী অহানবা পৈশা খুপী (ফার্ষ্ট ইন্সটলমেন্ট) ওইনা লুপা ৩৩,৩৪৪গী চ্যেক অমা এল. আই. সিনা শেল্লমই অমসুং মসি রামবাইদা পীরকখি। অদুগা লেমহৌবা শেনফম অদুসু কোন্না পীরকখি। থাঙ্গৈশেংবা ৱাথোক অদুদি ৱারোইশিন পুরকখ্রবসু আর টি আইগা মরী লৈনবা ঈ-পাউ অদুদি পীরক্লমদে।

মিষ্টর চৌরাসিয়ানা আপিল্লেট অথোরিটিদা আপিল অমুক তৌখি। অদুবু মদু কদাইদা থাগদগে হায়বগী অরানবা পাওতাক অমগা লোইননা মঙোন্দা হন্দোরকখি। ইং কুমজা ২০০৭তা চৌরাসিয়ানা সেকেন্দ অপিল অমা সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কম্মিসন (সি. আই. সি)দা থাঙ্গৎখি।

সি. আই. সিনা কাংবু অনিমক কৌরগা ৱাচুম-ৱায়েৎনবগী খোংথাং অমা লৌখৎখি। এল. আই. সিগী মীহুৎশিংনা সি. আই. সিদা শেল থেংনা পীবগী শেন্দোই লুপা ৪৭০৭দি রামবাইদা পীখ্রে। কমপ্যুটর মোদ্যুলদা টেক্নিকেল প্রোব্লেম অমনা মরম ওইরগা ৱাফম অদু থেংথখিবনি। মরমসিনা হায়রিবা হিরম অসিগী মতাংদা কনাগুম্বা ওফিসার অমতবু দায়ত্ব নমশিন্নিংঙাই লৈতে। পাল্লিবা ৱাফম অদু লৈখাই তানবা হোৎনবদা এল. আই. সিনা মতম শাংনা লৌখিবনিনা মদুগী দায়ত্ব পুবা মীওই পুথোকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা ৱাফমনি হায়না অমুক অপিল তৌরিবা ৱাকৎলোইগী মীহুৎনা ফোংদোকখিবদু কম্মিসন্না য়ানিংখি।আপিল তৌরিবা ৱাকৎলোইগী মীহুৎনা কম্প্যুটরগী অশোইবদু মতম চানা শেমদোক শেমজিন তৌবা হায়বসি মরী লৈনবা ফম্নাইবশিংগী দায়ত্বনি হায়নসু ময়েক শেংনা পুখৎখি। এল. আই. সি অসিসু পব্লিক অথোরিটি অমা ওইবনিনা, মসিগী ৱারেপ লৌবগী পরিং, পাউতাক পীবগী থৌশিল অমসুং অফ-ফত্তগী দায়ত্ব লৌবগা মরি লৈনবশিং এক্ত অসিগী মখাদা মশানা হৈনিংনা মরোমদোম ঈ-পাউ ফোংদোকফম থোকই। মীৎয়েং অসি কম্মিসন্না য়ারদুনা শ্রীমতি রামবাইগী ৱাকৎতা ৱারেপ লৌনবগী খোংথাং পারিংদা য়াওখিবা দায়ত্ব লৈবা ফম্নাইবা পুম্নগী মশক-মমিং ফোংদোক্লবা য়াথং পীখি।

[৮১] - সুনিল চাউরাসিয়া কোল্যাঞ্চল টাইমসকী চিফ ইডিটর অমসুং মধ্য প্রদেশতা আর টি আই মপুং ফানা চৎনহননবা হোৎনবদ রাজ্য শিন-থুংনা শন্দোক্লিবা সুচনা অধিকার অভিজ্ঞান হায়বা খুনাই লুপ অসিগী কোর গ্রুপকী মেম্বর অমনি।

## আর টি আইনা বিপিএল (লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈবশিং)গী লিস্টা মিং হাপচিনবা[৮২]

নিং-খা তম্বা চহি ৬০ হেল্লবা ফাওবদসু ভারতনা লৈবাক অমখক্তদা হিংবা লাইরবা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা মালেমগী লৈবাক অমা ওইরি। অপুনবা মীশিং বিলিয়ন অমা হেন্না লৈরিবসিদা লাইরবগী পনখৈ মখাদা হিংবা (বিপিএল) মীশিং অসি মিলিয়ন ২৬০.৩ লোমনি। ভারতকী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৭৫ হেনবদি খুঙ্গংগী পুন্সি মরেলদা হিংলি। লাইরহল্লবা মীওইশিংগী কান্নবগীদমক সরকারনা মখল-মখা কয়াগী য়াইফ-থৌশিল কয়ামা পাইখৎলি লোইননা অসিগুম্বা থৌশিলশিংগী মখাদা তেংবাং পীবা য়াবা ইমুং কয়া মতম মতমগী ওইনা চৎথবা সর্ভেশিংগী খুৎথাংদা মশক খঙদোক্লি। ইমুং অমনা হিংবা অমদি মশা-মউ ফনা লৈবদা চংলিবা চীঞ্জাক্কী মরু-মরাংগুম্বা তঙাই ফদবা পোৎচং-চৈচংশিংগা চাং মান্নবা মওংদা শেল ওইনা খোৎতোক্লগা লাইরবগী খল ওল্লি। হায়রিবা ফিভমশিং অসিগী চাংওনদি লম লৈব্রা (লৈতব্রা), য়ুমদা মান-চাং কয়াম লৈবগে অমদি চীঞ্জাক্কী পোৎলম নত্তবা মহৈ-মশিংগী থাক অমসুং হকশেলগী মওং-মতৌগুম্বা অসিনচিংবা হিরম ১৩দা য়ুমফম ওই । চেং-চাক অমসুং অতৈ থবকশিং (কম্মোদিটিজ এন্দ সার্ভিস)দা খুঙ্গংগী লমদা থা ১দা লুপা ৩২৭.৬৫ নত্রগা মসিদগী তাবা অমদি সহরদনা থা ১দা লুপা ৪৫৪.১১ নত্রগা মসিদগী তাবা হিসাবগী শেঞ্জংদা হিংলিবা কনাগুম্বা অমবু লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈরবা মীওইনি হায়না শকখঙই[৮৩] । মসিগা মান্নবা পান্বৈশিং শিজিন্নরগা রজ্যশিংদা মাগী মাগী বিপিএলগী বেঞ্চ মার্ক (লৈখৈ) লেপই। ইং কুমজা ২০০২দা লৈবাকসিগী রাজ্য পুন্নমক্তা চৎথখিবা সর্ভে অদুনা খ্বাইদগী নৌবনি। মসিদা বিপিএল লিষ্টতা তশেংনা য়াওফম থোকপা মীওই কয়া খন্দোক্লল্লগা মখোয়গী ওন্ন-তৈনবদা লৈবা ইনাকখুনবা মীওইশিং হাপচিল্লম্বগী ৱাকৎ কয়া লৈ। লিষ্ট অসিদা কনাবু হাপকদগে অমসুং কনাবু খৎতোক্কদগে হায়বসিদা রাজনিতি শান্নরি। লাইরবা মীওইশিংনা তশেংনা মখোয়গী হক ওইনা ফংফম থোকপশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা আর টি আই শিজিন্নবা য়াই হায়বসি মখাগী ৱারিসিদগী খঙবা ঙমগনি।

শঙ্কর সাট্নামি, লাইরিক হৈতবা অমসুং লম লৈজদবা, লৌউ-শিংউবগী শিন্মী অমনি। মহাক সটিছগরগী বিলাসপুর দিষ্টিক্তা লৈবা রাজপুর কেশ্রি খুঙ্গংদা লৈ। ইং কুমজা ১৯৯০গী মতুং অদুৱাইদা শেমখিবা বিপিএলগী লিষ্টতা শঙ্করগী মিং য়াওরমই। তৌইগুম্বসুং ইং কুমজা ২০০২দা শেল্লকপা অনৌবা বিপিএলগী লিষ্ট ফোংলকপা মতমদা মহাক্কী মমিং য়াওরমদবা উবদা শঙ্কর মথ্বায় নুংঙাইরমদে। মহাক্না য়াম্না ঙকখিবদি মঙোন্দগী শেল-থুমগী ফিভমদা হেন্না শাফরিবা মফমদুগী পাটৱারি (খুঙ্গংগী য়াইতোং-খমদোংবা) গী মরী-মতা অমা অনৌবা লিষ্ট অদুদা য়াওরম্বা অসিনি। শঙ্করনা মখোয়গী খুঙ্গংগী সর্পঞ্চ অমসুং পঞ্চায়ট সেক্রেটরিদা খুদক্তা চৎলগা করিগীদমক মাগী মমিং য়াওহনদ্রিবনো হায়বগী মরম খঙদোক্লবা হোৎনখি। মখোয়না মঙোন্দা আর টি আই শিজিন্নবা পাওতাক পীরকখি।

তাখাটপুর জ নপদ পঞ্চায়টতা শঙ্করনা মখাগী ঈ-পাওশিংসি পীবিনবা হায়জ-চেরোল অমা পীশিনখি;

মদুদি :-

১. বিপিএলগী লিষ্টতা লাইরবগী মমিংশিং য়াওহন্নবগী ফিভমশিং অদু করি করিনো ?

২. সর্ভেগী মতমদা ঐঙোন্দা পীখিবা মরমশিং অদু করি করিদা য়ুমফম ওইখিবগে ?

[৮২] - প্রাটিক পান্দে, কনর্ভেনর ছাটিসগর নাগরিক মহল, রাইপুর, ২০০৭দগী ফংবা পাও

[৮৩] - ইং ২০০৫দা লোক সভাদা পীখিবা ভারত সরকারগী ৱাহং-পাওখুমদগী লৌখৎচবা

শঙ্করনা জানপদ পঞ্চায়টতগী ঈ-পাও ফংলবা মতুংদা, মখোয়গী ব্লোক্তা চৎথখিবা বিপিএল খন্নবগী সর্ভে অদুদা মহাক ফিভম ১২দা মতিক চাবা ওইখি হায়বসি মহাক্না খঙলকখি। মসিনা তাকপদি বিপিএল লিষ্টতা মাগী মমিং য়াওহন্নবা ফিভম অয়াম্বা লোইনা মপুং ফানা মতিক চারে। তৌবতবু মাগী মমিং খৎতোক্লম্বগী ৱাদনি। ঈ-পাও অসিনা খুৎলাই ওইরগা বিপিএল লিষ্টতা মাগী মমিং য়াওহন্নবগীদমক ফনা মপুং ফাবা মতিক চাবা মীওই ওইদুনসু করিগীদমক মাগী মমিং য়াওহন্দবনো হায়বগী চপ-চাবা মরমশিং খঙনবা শঙ্করনা জানপট পঞ্চায়ট লোইশঙদা চৎলগা দাবি তৌখি। বিপিএল লিষ্ট শেল্লিবা দায়ত্ব লৈবা ফম্নাইবশিংদি মসিগী পাওখুম অমত্তা লৈরমদে। ৱাফমসিনা তশেংনা তাক্লিবদি হেন্না ইথিল পীবা ঙম্বা মীওই (ইনফ্লুয়েনসিয়েল পিপল)শিংগী মমিং হাপচিনবা য়ানবা শঙ্করগী মমিং অসি থওইনা অতন্নবা য়াওহন্দবনি। কাইনথংদদি মখোয়দা মহাক্কী ফংফম থোকপা হক পীদবগী অচুম্বা মরম লৈতবনা জানপদ পঞ্চায়টনা অরোইবদা শঙ্করগী মমিংবু বিপিএল লিষ্টতা য়াওহনবদা য়াবা তাখি।

বিপিএল লিষ্টতা মাগী মমিং য়াওবদগীদি শঙ্কর হৌজিক্তি লাইরবগীদমক শেন্বা য়াইফ-থৌরাংগী থৌশিল কয়াগী মখাদা কান্নরবা তেংবাংশিং অমুক হন্না ফংবা য়ারগনি।

## ‘‘মথৌ তৌদবা ওজা অমবু সরকারনা লুপা লাখ ১০ পীরম্বা

ভারত্তা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বা হায়বসি মীওই খরতনা ঙম্নবা অকে-অমৌগী মওং ওইরক্লে। লৈবাকসিদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটি ৩০০ অমসুং কোলেজ ১৫,৬০০ লোম অসিদগী চহি খুদিংগী গ্রেজুয়েট লাখ ২৫ পুথোকচরবসু অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বা ফংবা মীওইদি অপুনবা মীশিংগী ৫ % য়ৌদ্রি[৮৪]। সরকারনা চলাইবা স্কুলশিংদা প্রাইমারি ইদুকেসনবু কম্পলসরি ওইনা অমদি লেম্না তম্বা ফংহল্লগসু কনাগুবশিংনা সেকেন্দরি অমসুং টর্সিয়ারি ইদুকেসনগী থাক য়ৌরকপদদি মরোমদোম মশানা অপাম্বা খঞ্জবা য়াই। নুংঙাই য়াইফবা মীওইশিংনা অমসুং লনাই ওইনা চল্লাইবা মহৈ তম্ফম শঙ খরা নত্তনা অতৈ অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বদা কেন্দ্র অমদি রাজ্যগী থাক্তা সরকারনা তেংবাং পীরি। রাজ্য অয়াম্বদা লৈরিবা লনাই মহৈ তম্ফমশঙশিংগী ওজাশিংগী তলব পীনবা সরকারনা শেল থাদবসু লৈ। অদুমকপু, মহৈরোই তম্বিনিংঙাই লৈত্রবা কোর্সশিংগী ওজাশিংনা তলব অদুম লৌদুনা লৈবগী মতাংদা থিগৎপা হায়বসিদি য়াম্না তাংলি।

কার্নাটাকাগী সির্সিদা লৈবা এম এম আর্টস এন্দ সাইন্স কোলেজদা জিওলোজি তাকপিনবা হাপখিবা ওজাশিংগী মরমদা অকুপ্পা ৱারমশিং থিগৎলদুনা মিষ্টর জি. জি. হেগদে কাদেকোদিনা ইং কুমজা ২০০৬গী নভেম্বর থাদা আর টি আই হায়জ-চেরোল অমা থাখি। মসিদা হায়রিবা কোর্স অসিদা মিং চল্লিবা মহৈরোইশিংগী মশিং অমসুং লেকচরশিং অদুদা পীরিবা তলবকী ৱাফম হংখি। হায়জ-চেরোল অসিগী পাওখুমদা, লাইরিক তম্বীনবা মহৈরোই অমত্তা লৈত্রবা সবজেক্ট অসিগী লেকচর অদুনা থা খুদিংগী লু ২৭,৪৯০ তলব লৌদুনা লৈরম্বা থেংনরকখি। জিওলোজি কোর্স অসি তম্নবা কনামত্তা মিং চল্লক্তবা চহি অহুম হেনখিরল্লে। মিষ্টর হেগদেগী আর টি আই হায়জ-চেরোল অসিনা পুরকখিবা কান্নবা অচুম্বা মঙাল অমদি হায়রিবা কোলেজ অদুনা হায়রিবা লেকচর অদুবু অসিগুম্বা কোর্স অসিগী মহৈরোই লৈবা অতোপ্পা কোলেজ অমদা ট্রান্সফার তৌবিখিনবা রাজ্য সরকারদা চিঠি ইরকখিবা অদুনি । হায়রিবা লেকচর অদু মথৌ

---

[৮৪] - আগষ্ট ১৮, ২০০৬ তা বিবিসি নিউজদা কৌসিক বাসুনা পীখিবা ‘‘ভারতকী মহৈ-মশিং তম্বগী কাংলোন্দা শোত্থরিবা’’ হায়বা ৱারোল

অমত্তা তৌহন্দনা লেম্না তলব পীরল্লে হায়বসি অচুম্বনি হায়না য়াজরদুনা ইদুকেসনগী জোইন্ট ডাইরেক্তরনা কোলেজিয়েট ইদুকেসনগী ডাইরেক্তোরেটতা অইবা চেরোল অমা থাখি। ওজা অদুবু অতোপ্পা কোলেজদা ঙন্তানা ট্রান্সফার থাখিদবা অদুনা মরম ওইরগা পব্লিক্ট এক্সচেকর (মীয়ামগী শেনথুম)দগী লুপা লাখ ১০ রোম মাংহনখ্রে । ইং কুমজা ২০০৭গী মার্চ থাদা ডাইরেক্তোরেট অসিনা মিষ্টর হেগদেদা হায়রিবা ওজা অদু মহেরোই তম্বা অসিগুম্বা মান্নবা কোর্স হাংবা টুমকুরদা লৈবা কোলেজ অমদা ত্রান্সফার তৌখ্রে  হায়না খঙহল্লকখি।

### অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনবদা আর টি আইগী পান্বৈ[৮৫]

তমথিবা মীওৎ-মীনৈ অমসুং মীহাৎ-মীপুনগী থৌদোকশিং অসি মণিপুরদদি নুংতিগী থোকপা থৌদোক ওইরক্লে। মীওইবগী থৱায়গী মমল শা-ঙাদগী হেন্না তোন্থরে। ঈ-পাউশিং অসি তাগনি খনবদা অয়ুক্কী পাউ-চে পাবা তন্নরে। থৌদোকশিং অসি অসুক্কী মতিক তোইমনবদগী ঙসি করি থোক্লগদগে, হয়েং করি ওইগনি খল্লুবদা মীয়ামদা মীপাইবা পোক্লরি। ইং কুমজা ১৯৮০গী সেপ্তেম্বরগী তাং ৯দগী মণিপুরগী মফম  পুম্নমক্তা তমথিখ্রবা ৱায়েন পথাপ "দি আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱার এক্ট, ১৯৫৮ অসি চৎনবা হেক হৌরকপদগী অসিগুম্বা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদোক ৱাথোকশিং থোকপা হেনগৎলকপনি। ঙসিদি মণিপুর মীয়াম্না 'থিংবিনবা য়াওদনা পাক্তক্লনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী চৈথেং অমা লিশাং-শিৎনা খাংলক্লি। অৱা-চৈনা ফংলবা মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েন ফংহন্নবা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীনবা মণিপুর সরকারনা চৎথখিবা কম্মিসন ওফ ইনক্বারি অমদি মেজিট্রেল ইনক্বারি কয়া করম তৌখ্রে হায়বসি কনানসু খঙনদ্রে। অসিগুম্বা থৌদোক ৱাথোক কয়াদা মীয়াম্না চংশিনখিবা অকনবা দেমোক্রেটিক ইহৌশিং অরেম্বা তারক্লে লোইননা মরাল লৈবশিংদা চুনবা চৈরাক পীবা হায়বসি য়াম্না তাংনা থোক্লি।

ইং কুমজা ২০০৭ কী ফেব্রুৱারী ৯ অমসুং মে ১৯দা হ্যুমেন রাইট এক্টিভিষ্ট ৱাহেংবম জয়কুমারনা মণিপুর সরকারনা পাংথোকখিবা কম্মিসন ওফ ইনক্বারি অমসুং মেজিষ্ট্রেল ইনক্বারিশিংগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া পীরক্লবা মণিপুরগী হোম ডিপার্টমেন্টতা তোঙান তোঙানবা আর টি আই হায়জ-চেরোল অনি থাখি। ষ্টেট পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার ওইরিবা হোম ডিপার্টমেন্টগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা জয়কুমারদা ঈ-পাও অমত্তা পীরক্তবদগী হায়জ-চেরোল অনি অসিগী ৱাকৎ অমমম মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা ৱাকৎলকখি। পুলিস ডিপার্টমেন্ট ১সুং সেক্যুরিটি ওর্গেনাইজেসনশিং অসি আর টি আই এক্টকী মখাদা ইকজেম্পসন তৌই লোয়ননা অকক্লনা মীওইবগী হক খোংগাওনবগী ৱাফম পল্লক্তে  লোয়ননা ইনক্বারিশিং অসিগা মরী লৈনবা ঈ-পাওশিং অসি পীথোক্লবনা লৈবাক কাইবা য়াই হায়দুনা সরকারনা কন্না য়েৎলগসু, চিফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নারনা পীবা য়াবা ঈ পাওশিং পীনবা অরোইবা ৱারেপশিং পীরকখি।

[৮৫] - ষ্টেট ওফ মণিপুর রিপ্রজেন্টেদ বাই চিফ সেক্রেটরি এন্দ জোইন্ট সেক্রেটরি, হোম, গোভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর জর্সেস চিফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নার এন্দ ৱাহেংবম জরকুমার - গৌহাটি হায় কোর্ট; ইম্ফাল বেঞ্চকী রিট পিটিসন (সি) নম্বর ৪৭৮ ওফ ২০০৭ অমসুং ৭৩৩ ওফ ২০০৭; আপিল কেস নং ১২, ২০০৮ অমসুং ১১, ২০০৮

মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসনগী ৱারেপশিং অসিবু শিংনরদুনা মণিপুর সরকারনা গৌহাটি হায়কোটতা ৱাকৎলকখি। ৱাকৎ অনিমক ইং কুমজা ২০০7গী নভেম্বর ১৬তা ৱায়েনশঙ অসিগী জর্জ অমনা শাবা বেঞ্চনা অরোইবা ৱায়েল য়াথং অমা তাওথরকখি। ৱায়েল অসিদা ইং কুমজা ১৯৮০দগী ২০০৬ ফাওবদা চৎথখিবা কম্মিসন ওফ ইনক্বারিশিংগা মরি লৈনবাা রিপোর্টশিং অমসুং ইং কুমজা ১৯৮০দগী ২০০7 ফাওবদা চৎথখিবা মেজিষ্ট্রেল ইনক্বারিশিংগা মরি লৈনবা পিবা য়াবা রিপোর্টশিং লোয়ননা ষ্টেট এসেম্বলিদা পুথোকখ্রবা রিপোর্টশিং পীথোকখিনবা হায়রকখি। তৌগুম্বসুং মণিপুর সরকারনা জর্জ অমগী ৱারোইশিন য়াথং অসিবুসু শিংনদুনা জর্জ অনিনা শাবা গৌহাটি হায় কোর্টতা অনিরকশুবা ওইনা আপিল তৌরকখি। হৌজিক কেস অনিমকক হায় কোর্ট অসিদা পন্দুনা লৈরি। জয়কুমারনা পান্নিবা রিপোর্টশিং অসি পীরক্লবদি মণিপুর সরকারনা লৈবাকসিগী ক্রিমিনেল জষ্টিস সিষ্টেমবু করম্না য়েংবগে হায়বসি ময়েক শেংনা খঙলগনি।

**অহানবা চেহাপ** এক্ট অসিগী মণিপুর লোনদা ৱাহন্থোক

# "রাইট টু ইনফোমেসন এক্ট, ২০০৫"

## CHAPTER - I

### Preliminary

**1.** (i) **Act** অসিবু **Right to Information Act, 2005** হায়না কৌই।

*Short title, extent and commencement*
*অতেনবা মমীং, চৎনগদবা মফম অমসুং চৎনবা হৌখিবা*

(ii) Jammu অমসুং Kashmir নত্তনা ভারতকী স্টেট খুদিংমক্তা চৎনগনি।

(ii) Section 4গী sub-section (1), Section 5কী sub-section (1) অমসুং (2), Sections 12, 13, 15, 16, 24, 27 অমসুং 28কী Provision শিং খুদক্তগী চৎনহল্লে অমসুং Act অসিগী লেমহৌবা provision শিংদুনা Act অসি চৎনবা হৌখিবা নুমিৎ চামগা কুননিদগী চৎনগনি।

**2.** **Act** অসিনা অসুম্না তাক্লি :-

*Definition*
*অর্থ চপচানা তাকপা*

**2.1.** **"Appropriate Government"** হায়বদি :-

(i) Central Government নত্রগা Union Territory Administration না sub-section

(ii) State Government না লিংখৎপা, শেন্না, মপু ওইবা control তৌবা অমসুং direct নত্রগা indirect ওইনা শেন্থং চাওনা পীদুনা শেন্না Public Authority অদুবুনি।

2.2. **"Central Information Commission"** হায়বদি Section 12 কী sub-section (1) গী মখাদা শেন্না Central Information Commission অদুবুনি।

2.3. **"Central Public Information Officer"** হায়বদি sub-section (1) গী মখাদা designate তৌবা Central Public Information Officer অদুবুনি অমসুং মসিদা Section 5 কী sub-section (2) গী মখাদা designate তৌবা Central Assistant Public Information Officer অদুসু য়াওরি।

2.4. **"Chief Information Commissioner"** অমসুং **"Information Commissioner"** হায়বদি Section 12 কী sub-section (3) গী appoint তৌবা Chief Information Commissioner অমসুং Information Commissioner অদুবুনি।

2.5. **"Competent Authority"** হায়বদি :-

(i) House of the People নত্রগা State নত্রগা মশাগী Assembly লৈবা Union Territory অমগী Assemby অদুগী Speaker নত্রগা State অমগী Council of States নত্রগা Legislative Council অদুগী Chairman অদুবু;

*এক্ট অসিগী মণিপুরী ভর্সন অসি ষ্টেট একাদেমী ওফ ট্রেনিং, তাকয়েলপাৎ ইম্ফালনা হন্দোকপদগী লৌথোকচবনি।*

(ii) Supreme Court কী ওইরগনা Chief Justice of India;

(iii) High Court ওইরগনা মদুগী Chief Justice;

(iv) Constitution গী মখাদা শেম্বা অতোপ্পা authority শিং ওইরবদি President নত্রগা Governor;

(v) Constitution গী Article 239 গী মখাদা appoint তৌবা administrator;

2.6. **"Information"** হায়বদি any material খুদম ওইনা :-

records, documents, memos, e-mails, opinions, press releases, advices, circulars, orders, log, books, contracts, reports, papers, samples, models, electronic form দা লৈবা data material শিং অমসুং public authority অমনা law গী মতুং ইন্না private body অমগী মরী লৈনবা information অদুগুম্লবা মচাকশিং অদুদি সরকারগী লোইশং অমনা মতম মতমগী ওইনা চৎনবা অতৈ অতোপ্পা আইনগী মতুং ইন্না য়েংশিন্বা য়াবা।

2.6. (A) **"Prescribed"** হায়বদি আইন (Act) অসিগী মখাদা শেম্বা নিয়মগী মতুং ইন্না "Appropriate Government" নত্রগা মতিক চারবা অঙম্বনা হান্ননা তৌগদবা থৌরমশিং য়াৎথোক্লবা।

2.7. **"Public Authority"** হায়বদি :-

(a) Constitution না নত্রগা মসিগী মখাদা;

(b) Parliament না শেম্বা অতোপ্পা law অমনা;

(c) State Legislature না শেম্বা অতোপ্পা law অমনা অমসুং

(d) সরকারনা notice নত্রগা order থোক্কুনা শেমখ্রবা নত্রগা লিংখৎখ্রবা authority নত্রগা body নত্রগা self-government কী institution অদুবুনি। অমসুং মসিদা direct ওইনা নত্রগা indirect ওইনা fund পীবা;

(i) মপু ওইবা, য়েংশিনবা তৌবা অমসুং শেল চাওনা থাদবা body অমসুং

(ii) শেন্থং মতিক চানা পীবা লনাই সংস্থান য়াওরি।

2.8. **"record"** হায়বদি মখাগীশিং অসি য়াওরি :-

(a) any document, manuscript অমসুং file;

(b) any microfilm, microfiche অমসুং document অমগী facsimile;

(c) micrcofilm অদুগা য়াওরিবা image অদুগী নমথোক্লবা copy শরুক (enlarge তৌরবা নত্রগা তৌদ্রিবা) অমসুং

(d) Computer না নত্রগা অতোপ্পা মওংদা পুথোক্লবা অতৈ মচাকশিং।

2.9. **"right to Information"** হায়বদি Act অসিগী মখাদা তানবা য়াবা Public Authority না পাইবা অমসুং Control তৌবা Information অমসুং মসিদা মখাগীশিং অসি তানবগী right য়াওরি :-

(i) থবক, document অমসুং record শিং য়েংবা;

(ii) note লৌথোকপা, document শিং নত্রগা record শিংগী extracts নত্রগা certified copy শিং লৌথোকপা;

(iii) material শিংগী certified sample শিং লৌথোকপা;

(iv) diskettes, floppies, tapes, video casettes নত্রগা অতোপ্পা electronics কী মওংদা information অদু computer নত্রগা device তা store তৌরবদি মদু লৌথোকপা।

2.10 **"State Information Committee"** হায়বদি Section 15 গী sub-section (1) গী মখাদা শেমখিবা State Information Commission অদুনি;

2.11. **"State Chief Information Commissioner"** অমসুং **"State Information Commission"** হায়বদি Section 15 গী sub-section (3) কী মখাদা appoint তৌবা State Chief Information Commissioner অমসুং State Information Commissioner বুনি।

2.12. **"State Public Information Officer"** হায়বদি Sub-section (1) গী মখাদা designate তৌখিবা State Public Information Officer অদুবুনি অমসুং মসিদা Section 5 কী Sub-section (2) গী মখাদা designate তৌখিবা State Assistant Public information Officer অদুসু য়াওরে।

2.13. **"Third party"** হায়বদি information তাল্লিবা citizen অদু নত্তবা অমসুং মদুদা public authority অমবুসু য়াওরে।

## Chapter - II

### Right to information and obligations of public authorities

**ঈ-পাও লৌবগী হক অমসুং public authority (সরকারগী) থৌদাং :-**

***Right to Information***

3. Act অসিদা পীরিবা provision শিংগী মতুং ইন্না citizen পুম্নমক্না ঈ-পাও লৌনবগী হক লৈ।

4. (1) Public Authority খুদিংমক্না

(a) মসিগী record খুদিংমক শেমদুনা act অসিগী মখাদা information লৌবদা খুদোং চাগদবা মওংদা index নম্বর শেমগনি অমসুং অরৈবা resource শীজিন্নদুনা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা তোঙান তোঙানবা system গী মখাদা computerise তৌদুনা network না শম্নহন্দুনা মতম চানা Information লৌবা য়ানবা computerise তৌদুনা থমগনি;

(b) Act অসি চৎনবা হৌখিবা নুমিৎ চামগা কুনগী মনুংদা মখাগী particular শিং অসি publish তৌগনি :-

(i) মসিগী organisation, function শিং অমসুং duty শিংগী particular শিং;

(ii) মসিগী officer শিং অমসুং employee শিংগী powers অমসুং duty শিং;

(iii) Decision লৌনবা process তৌবদা চৎনরিবা procedure লোইননা supervision অমসুং দয়ত্ব লৌবগী channel শিং;

(iv) মসিগী function শিং পাংথোক্লবা থল্লিবা নিয়মশিং;

(v) মসিগী employeeশিং নত্রগা মসিগী মখাদা লৈরিবশিংনা মথৌ পাংথোকপদা শীজিন্নরিবা ruleশিং, regulation শিং, instruction শিং record শিং অমসুং manual শিং;

(vi) মসিগী নত্রগা মসিগী মখাদা লৈরিবশিংনা পায়বা document মখলশিংগী statements অমা;

(vii) মসিগী policy শেম্বা অমসুং মদু চৎনবগী মতাংদা public কা তানবা অমসুং public কী member শিং য়াওনবগী arrangement লৈরবদি মদুগী particular শিং;

(viii) মসিগী শরুক অমা ওইনা নত্রগা মসিগী advice কীদমক্তা মীওই অনি নত্রগা অনিদগী হেনবনা শেম্বা board শিং council শিং committee শিং অমসুং অতৈ body শিংগী statement অমা লোইননা board শিং, council শিং, committee শিং অমসুং অতৈ body শিং অদুগী meeting শিং অদু public তা open ওইব্রা নত্রগা meeting শিং অদু public তা য়েংবা য়াহনব্রা হায়বদুগী statement অমা;

(ix) মসিগী officer শিং অমসুং employee শিংগী directory অমা;

(x) মসিগী officer শিং অমসুং employee শিংনা ফংলিবা থা-থাগী তলব লোইননা মসিগী regulation না পীরিবা compensation পীবগী system;

(xi) Plan খুদিংমক্কী particular শিং, propose তৌবা expenditure শিং অমসুং য়েনথোকখ্রবশিং অদুগী report শিং তাক্কুনা মসিগী agency খুদিংমক্তা allocate তৌবা budget;

(xii) Subsidy programme শিং পাংথোকপগী মওং লোইননা allocate তৌখ্রবা amount অমসুং programme শিং অদুগী benificiary শিংগী details;

(xiii) মসিনা grant তৌখ্রবা concession শিং, permit শিং নত্রগা authorisation শিং ফংখ্রবা recipient শিংদুগী detail শিং;

(xiv) Electronic form দা শেমদোকলবা information মসিনা পাইবা অমসুং মসিদগী ফংবাdetails শিং;

(xv) Citizen শিংনা Information লৌনবগী ফংহল্লিবা খুদোংচাবশিং অদুগী details শিং লোইননা library অমসুং reading room, করিগুম্বা public না শীজিন্নবা হাংলবদি, মদুগী হাংবগী মতম;

(xvi) Public Information Officer অদুগী মীং, designation অমসুং অতৈ particular শিং;

(xvii) Prescribe তৌবা অতোপ অতোপ্পা information শিং। অদুগী মতুংদা publication শিং অসি চহি খুদিংগী update তৌগদবনি;

(c) মরুওইবা policy শিং শেম্বা মতমদা নত্রগা public তা affect তৌবা ৱারেপশিং লাউথোকপা মতমদা মরি লৈনবা fact শিংদু publish তৌগদবনি ।

(d) Administrative নত্রগা আইনগী ওইবা decision লৌবা মতমদা affect তৌবা মীদুদা মদুগী মরমশিংদু শুগাইনা খংহনগনি।

(2) প্রজানা Act অসিগী মখাদা information তানবদা খুদোং চানবগীদমক public authority খুদিংমক্না internet নচিংবা তোঙান-তোঙানবা মখলগী পান্বেশিং শীজিন্নদুনা subs-section (1) গী clause (b) দা পীরিবা অদুগী মতুং ইন্না চাং নাইনা প্রজাদা information য়ৌনবা অকনবা মওং হোৎনগদবনি ।

(3) **Sub-section (1)** গী মতুং ইন্না প্রজাদা লাইনা য়ৌগদবা মওংদা information খুদিংমক পাক-শন্না শন্দোক্লবা হোৎনগনি।

(4) **Material** খুদিংমক মদুগী অচংবা খরচ, local language অমসুং মফম অদুগী communication দা খ্বাইদগী খুদোং চাগদবা মওংদা information ফংবা য়াননবা, ঙল্লিবমখৈ electronic format তা Central Public Information Officer নত্রগা State Public Information Officer দগী free দা নত্রগা prescribe তৌরিবা cost price অদুদা ফংননবা পাক-শন্না হোৎনগনি ।

**Explanation :- Sub-section (3)** অমসুং (৪) গীদমক "disseminated" (ঁপাক শন্না শন্দোকপাঁ০ হায়বদি notice board তা, খবরদা, প্রজাদা লাওথোক্তুনা, media দা শন্দোক্তুনা, internet কী খুৎথাংদা অমসুং Public authority গী office শিংদা inspection য়াওনা information শিংদু প্রজাদা খংহনবা হায়বনি।

5 (1) Act অসিগী মখাদা information পান্বা মীওই খুদিংমক্তা information অদু পীবা ঙম্নবা Public Authority খুদিংমক্না মসিগী মখাদা লৈবা administrative unit পুম্নমক্তা Act অসি চৎনবা হৌখিবা নুমিৎ চামগী মনুংদা Central Public Information Officer নত্রগা State Public Information Officer ওইনবা officer মশিং য়াম্না হাপকনি।

***Designation of Public Information officer***

(2) **Sub-section (1)** গী provision মতুং ইন্না public authority খুদিংমক্কা Act অসি চৎনবা হৌখিবা নুমিৎ চামগী মনুংদা প্রজানা তাল্লকপা information গী দরখাষ্ট লৌশিন্নবা অমসুং মদুবু Central Public Information Officer নত্রগা State Public Information Officer দা forward তৌননবা sub-divisional level নত্রগা sub-district level খুদিংমক্তা officer অমমম্ Central Assistant public Information Officer নত্রগা State Assistant Public Information Officer ওইনা হাপকনি। Central Assistant Public Information Officer নত্রগা State Assistant Public Information Officer না application অদু Section 19 sub-section (1) গী মতুং ইন্না senior officer দা নত্রগা State Information Commissioner দা forward তৌবসু য়াই।

(iii) Central Public Inforamtion Officer নত্রগা State Public Information Officer খুদিংমকনা কনাগুম্বা মীওইশিংনা information তাল্লকপা অমসুং মতেং পীবিনবা হায়জরকপদা মীওইশিং অদুদা অঙম্বা মতেং পীগদবনি ।

(iv) Central Public Information Officer নত্রগা State Public Information Officer না মহাক্না দরকার লৈ হায়না খল্লবদি অতোপ্পা officer দগী মতেং লৌবা য়াই ।

(v) **Sub-section (4)** গী মখাদা কনাগুম্বা অতোপ্পা officer অমগী মতেং লৌরবদি মহাক্না Central Public Information Officer নত্রগা State Public Information Officer অদুদা অঙম্বা মতেং পুন্নমক পীগনি অমসুং Act অসিগী provision শিং অদু কাইদনবগীদমক অদুগুম্বা অতোপ্পা officer অদুবু Central Public Information Officer নত্রগা State Public Information Officer ওইনা লৌগনি।

6. (i). কনাগুম্বা মী অমনা Act অসিগী মখাদা information অমা পাল্লবদি অইবা ওইনা নত্রগা electronics কী মতেংনা English নত্রগা Hindi নত্রগা মফম অদুগী official language দা দরখাষ্ট থাগনি

***Request for obtaining Information***

অমসুং মদুদা দরকার লৈবা fee অদুসু লৌহনগনি।

কদাইদা -

(a) মরি লৈনবা Public Authority অদুগী Central Public Information Officer নত্রগা State Public Information Officer দা;

(b) Central Assistant Public Information Officer নত্রগা State Assistant Public Information Officer দা করম্না -

মহাক্না পাল্লীবা information অদুগী অকুপ্পা মরোলশিং অদু শুগাইনা তাকতুনা :- অদুগা করিগুম্বা request অদু মী অদুনা অইবা ওইনা পীবা ঙমদ্রবদি Central Public Information Officer নত্রগা State Public Information Officer অদুনা মী অদুদা অঙম্বা মতেং পাংদুনা request অদু অইবা ওইনা পীশিন্নবা শীনগনি।

(ii) Information গী request তৌরিবা applicant অদুনা মহাকপু contact তৌনবগী দরকার লৈবা detail অদু নত্তনা অতোপ্পা মশাগী detail শিং নত্রগা information তানবগী মরম পীবগী দরকার লৈতে।

(iii) করিগুম্বা Public Authority অমদা information গীদমক application থারবা -

(a) Information অদু অতোপ্পা public authority অমগী খুৎতা লৈরবা নত্রগা

(b) মদুগী মরমশিং অদু অতোপ্পা public authority অমগা হেন্না মরী লৈনবা ওইরবদি,

Public Authority অদুনা হায়বদি অহানবগী application লৌশিল্লিবা public authority অদুদা application অদু নত্রগা মদুগী দরকার লৈবা শরুকশিং অদু transfer তৌগনি অমসুং applicant অদুদা transfer তৌখিবদু খংহনগনি।

অমসুং sub-section দা পীরিবদুগী মতুং ইন্না অসুম্না application transfer তৌবা অসি য়ারিবমখৈ থুনা তৌগনি অমসুমং থেংলবদা application receipt তৌবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৫নিগী হেন্না থেংথরোইদবনি।

7. (i). Section 5গী sub-section (2) নত্রগা section 6 কী sub-section (3) গী provision গী মতুং ইন্না Central Public Information Officer

***Disposal to request***

নত্রগা State Public Information Officer অদুনা section 6 কী মখাদা করিগুম্বা request অমা ফংলবদি মদু য়ারিবমখৈ থুনা অমসুং থেংলবদা application receipt তৌবা নুমিৎতগী নুমিৎ কুনথ্রানিগী মনুংদা পীফম থোকপা fee লৌরগা information পীথোক্কনি নত্রগা section 8 অমসুং 9 দা পীরিবা নিয়ম মতুং ইন্না reject তৌথোক্কনি।

অদুগা করিগুম্বা পাল্লীবা Information অদুনা কনাগুম্বা মীওই অমগী life অমসুং liberty কী মরমদা ওইরবদি request তৌরকপা নুমিৎতগী পুং নিফুনিপানগী মনুংদা information পীগদবনি।

(ii) Sub-section (1) গী মখাদা পীরিবা অদুগী মতুং ইন্না করিগুম্বা Central Public Information Officer নত্রগা State Public Information Officer অদুনা অকক্লবা পীরিবা মতম অদুগী মনুংদা information অদু পীরক্তবদি মদু Central Public Information Officer নত্রগা State Public Information Officer অদুনা reject তৌরে হায়না লৌগনি।

(iii) করিগুম্বা information অদু পীননবা অহেনবা fee খরগা লৌননবা ৱারেপ লৌরবদি Central Public Information Officer নত্রগা State Public Information Officer অদুনা request তৌরক্লবদি মীদুদা intimation পীরক্কনি, মখাগী মরমশিং অসি পীদুনা :

(a) মহাক্না লেপ্লিবা information পীনবগী অহেনবা fee গী detail শিং লোইননা sub-section (1) গী মতুং ইন্না prescribe তৌবা fee গী চাংদগী হেনগৎলকপগী amount অমসুং করন্না তারকপনো হায়বগী মরমশিং পীদুনা অহেনবা fee অদু deposit তৌনবসু মহাক্না request তৌগনি । Sub-section দা হায়রিবা নুমিৎ কুনথ্রানিদা information পীবা হায়বদুদা অহেনবাfee পীনবগী intimation থাবা অমসুং fee পীবগী মতম অদুদি পারোই ।

(b) অহেনবা fee লৌনবগী ৱারেপ অদু review তৌবিয়ু হায়বগী মহাক্কী right লৈ হায়বগা লোইননা appellete authority গী particular, অককপবা মতম, process অমসুং অতোপ্পা মরমশিং ।

(iv) Act অসিগী মখাদা record অমা নত্রগা মদুগী শরুক খরা য়েংহনবা তারবা অমসুং য়েংগদৌরিবা মী অদু ৱাখল মপুং ফাদবা মী ওইরবদি Central Public Information Officer নত্রগা State Public Information Officer অদুনা inspection অদু মপুং ফানবা অমসুং information অদু মপুং ফানা ফংনবা মতেং পীগনি।

(v) করিগুম্বা information অমা নমথোক্লগা নত্রগা electronic format তা পীবা তারবদি applicant অদুনা sub-section (6) কী মখাদা দরকার লৈবা fee অদু পীগদবনি;

অদুগা sectsion 6 কী sub-section (1) অমসুং section 7 গী sub-sections (1) অমসুং (৫) কী মখাদা prescribe তৌরিবা fee অদু reasonable ওইগদবনি অমসুং সরকারনা লেপ্পা মতুং ইন্না below poverty line গী মীওইশিংদগীদি অসিগুম্বা fee অসি লৌরোই।

(vi) Sub-section (1) দা হায়বা মতুং ইন্না public authority অমনা অপীবা মতমগী মনুংদা information পীবা ঙমদ্রবদি sub-section (5) তা হায়রিবা অদুগী মতুং ইন্না information তাল্লিবা মীদুদা charge য়াওদনা Free দা information অদু পীগনি।

(vii) Sub-section (1) গী মখাদা Central Information Officer নত্রগা State Public Information Officer অদুনা, করিগুম্বা ৱারেপ অমা লৌদ্রিঙৈদা section 11 গী মখাদা third party অমগী ৱাকৎ অদু হান্না খন্নগদবনি ।

(viii) Sub-section (1) গী মখাদা request অমা reject তৌরবদি Central Public Information Officer নত্রগা State public Information Officer অদুনা request তৌরিবা মী অদুদা খংহনগনি-

(a) reject তৌরিবা অদুগী মরম;

(b) নুমিৎ কয়ানিগী মনুংদা reject তৌরিবা অদুগী ময়োক্তা appeal তৌগদগে হায়বদু অমসুং

(c) Appellete authority গী particular শিং ।

(ix) করিগুম্বা inforamtion অদু পীথোকলুবদা public authority অদুগী resource তা য়াম্না চাওনা অমাংবা ওইরোইদবা নত্রগা record অদুগী safety অমসুং preservation দা অকাইবা লৈরোইদবা ওইরবদি information তাল্লিবা form অদুদা information অদু পীগনি ।

8. (1) Citizen অমদা পীরোইদবা information শিং -

**_Exemption from disclosure of Information_**

(a) পীগদৌরিবা information অদু পীথোকলুবদা মদুনা ভারতকী sovereignty অমসুং integrity দা অকাইবা, ওইরবা, state অদুগী security, strategic, scientific নত্রগা শেল-থুবগী interest তা অকাইবা ওইরবা, অতোপ্পা লৈবাক্কা লৈনবা মরিদা অকাইবা ওইরবদি;

